পিরাংলক্তা

লতাগী মোমোন



ইজবা—

শ্রীহৈখাম অপাবী সিংহ

মমল রুপা—৩'২০

Centre of

পিরাংলক্তা

লতাগী মোমোন



ইজবা—

শ্রীহৈথাম অপাবী সিংহ

অহানবা নম্বা ১৯৭২ ইং
কোপী মশীং — ১০০০।

লাইরিক ফংফম :—

রাজ বুক ষ্টোর অমস্তং ইম্ফালগী অতৈ লাইরিক য়োনফমশিংদগী ফংব্রিগনি।

নম্ফম :— দি সোস্যল লুখোই প্রেস, পাওনা রোড ইম্ফাল।

" কঙ্চবা "

লৈগী শয্যা তো'ংদুনা
লাইরৈপাক তানথ্রবা
ইপা - ইপু অমদি
ইবোঙ্গী খুয়াদা
পংলব নগুনা
ঙক্কা চরৈ য়েং
খুবাক চাংজৌ তরান্ন্কসে
করি-নত্ত নগুগী ল
খুদোল তমজ্জবি
অমদি
ঐন্ন-লচল চাত্রবা
॥ কল্পনাসে
মৈতৈ সাহিত্য
ইমাগী লৈকোন্নংদা
কচ্চগে খঙ্জদুনা
পুজবকলি
অদুবু মতিক চ'দে
খনবীদুনা
লোশিনবিররোইত্রনে
ইমা ?

হায়জরিবা ৱা অম—অনিদং।

ময়ামগী মফমদা ঐগী করিনত্ত লাইব্রিক মচা অসিবু লানথোকচরি। অদুম ওইনমক ' লাইব্রিক অসিগী লামাই ১ দগীনা ৯৮ ফাওবদি বানানসে অঙকপা ফংনা লানশ্রে। মসি ঐনা থবক চিল্লিহৈদ; ঐগী মকুপ অমনা প্রুপ ককপদা শোইখিবনি। মসিদা ঐ ফনা শাওনিংলুই। অদুবু অশোইব হায়বসিস্থ ইশ্বরগী চিথহৈদ্রবা পাওথাংল হায়না খজদুনা শাওবমক্তি ওমখিদ্রে।

লাইব্রিক অসিগী মকুওইবা উদ্দেশ্যাদি—'হৌজিককী চাউখৎলবা জাৎ-বিজাৎ খায়নরক্লবা, মতম অসিদা অৱাংবা থাক্তা লৈবা কাওবুনা মথাদা লৈব' অনেশ্বা জুংকী কাংবুদা তুককচনা অমদি তোম্ববা নিংয়েংনা য়েংবিক্লবা হায়বদি নত্তে। অমসুং ক্রথোয়না লিলা—ফালানচিংবা য়েংদা, চুইক কনোকপ নত্তনা থোইদোকপা হায়বদি লিলা অতগী প ওতাকনা করিনো, করি পোইননো হায়বদদি খগুদবা মরম পুন্নমক অতুদগী ওইনা লাইব্রিক মচা অসি ইজখিদনি। খোইনা করিমত্তা পাব য়াব লাইব্রিকদি নত্তেদা!

করিগুম্বা লাইব্রিক অসিদা য়াওরিবা মীশক—ম ওং অমদি লমগী মচি মথাদা য়াওবিবা ম ওইশিং অসি ঐগী কললনানি। মসিদা কনা-কনাগুম্বদা অপাম্বনা চান্নবিবা যাওরগে কলপগানি হায়না খদোকপিহুনা তোম্লবা ঐবু ঙাকপিয়ু।

ইতি—

শ্রীহৈখাম অপাবী সিংহ

পিরাংলক্তা লভাগী মোমোন

করিগীদমক্তা হায়রিবনে ?

উ[illegible]পেক [illegible] মহাবগী থ[illegible]ক্সোহুদা সিনিমাগী প্র[illegible]দ[illegible]চাইশ [illegible]লৈবশী [illegible] চে তজুদা ভস্মন্ন। ইবি :— [illegible] মিংকী কইনা নহনা [illegible]শি [illegible]রিবিন। থব্রা অমদি হোজিকালগী মতনগা য়াম্না চু[illegible] থবক [illegible]দবদা হোবকপা যাবা অমস্তং টিটেক-টিকপা [illegible] নাব্বা, অনা-[illegible]ইবা ভমদি [illegible]শিবনী [illegible] থন্নবা, মচ [illegible]লবা [illegible]নি। অসিগুম্বা ফিল্ম অসি ভম্ভম্ভ হোকখিদ্রিবা অমম্ভং [illegible]বদম্ম হে রবখিনি [illegible]না থ[illegible]বা উম্লদ্রবা অচেকপমা থলবা কৈম্নি।

অমুওদি লেংশিনবিরবউ। ফেন্তুস টকিজদা।

করিগীদমক্তা হায়রিবনো ? "পির[illegible] লভাগী মোমোন" মখাগী স্টার—মাকশিং অসিদা [illegible] শৈরে অসিদগী লাইনা খঙবিয়ু।

* অঙাং ওইবিংগী ঙাওচৎনরবা পুন্সিবু
মতম ? ঙ্গল লাংনা থুইন্দুনা
অবা-মুংহই [illegible] খংহল্লকই
তোংপা—[illegible] তমগী মথংদ—মথং

* লান্নুক [illegible]ন্দবা মীওইবগী থুদোকন।
[illegible]
[illegible] পুন্নম[illegible]
[illegible] খুদ্দা [illegible]।

* থাদোক [illegible] পুজুন
[illegible] রকই।
[illegible]
[illegible] [illegible]।
[illegible]।

* [illegible] অরুবু উবদা
[illegible] [illegible]।
[illegible] ফনা [illegible]
[illegible]।

* অসুম্ব [illegible] মদা পুজুনা
[illegible] চিঙ্গুং, [illegible] চজুনা
মিৎতগী পিব শিন্থ শিন্থন।
মোমোন [illegible] নোংল্লকই অচিকপদা।
কনা খঙদ—[illegible]। [illegible] মতোম ঙাযবল্লবদা।

অস্তুম্না ওাইহাক স্টর মাকশিংগী শৈরেং অদু পাবা লেইরে। অদুবু অর্থদি করি [illegible] দিবনো খাদ্রে। অর্থমক খংদ্রবস্তু সিনিমাদি য়াম্না য়েনি [illegible]। মানা করিননো হায়ববু, নুংশিবনেগা নু [illegible]বনেগা, টিক্কেটিবনেগা—ডিকদানেগা, থোকখিগা—থোকখিগা—থোকখিদেগা নস পুম্নমক্না [illegible], অস্তুম্না পংহায়দ-হায়—চিকলকঁপজন, সিনিমাদি [illegible] [illegible]রই খংদে। অদুবু [illegible] [illegible]। [illegible] সিনিমা [illegible]। ঐ টিকেট [illegible]। [illegible] ফট [illegible] [illegible] থোকথোকশি. শেল [illegible]নবনি। ফাস্টদা [illegible] [illegible] লুপা মঙাদং পিরকউ, টিকেট [illegible]। ঐগী [illegible], [illegible] লুপা মচা পিরকই। ঐনা ফাস্টকী টিকেট অনি [illegible]। অরেম্বা শেল অদুনা ঐনা ভুমিন্না, এগা [illegible] উদা [illegible]।

লোননা ঐখোয় অনিনা, সিনিমা হোলগী অরা থবা থোঙ-দুদা লৈরিবা গেট কীপর অদুদা টিকেট শেংহন্দুনা, অমম্বা মরক অদুদা নিং থাওবি ও ওাবনা চ [illegible]দুনা ফমলে। [illegible]ক লৈরগা ঐখোয় অনি [illegible] ফ[illegible]বা সিট [illegible] [illegible] অনিশুবা সিটকী রো [illegible] অমনে, [illegible] অমনে, [illegible] পা[illegible]বা গেট কীপর অমনা পুশি[illegible]ক্লুনা, সিট অ[illegible] দা মখোয় অনি পুম্না ফমহল্লকই। পা[illegible] অদুদি [illegible] [illegible] থম্না ফমলি, অদুগা অঙাং অদুমা সিট অদুগী মচিদা [illegible]মথৈ, য়াম্না রানা নম্‌দুনা ফমলি। মখোয়গী মথৈদু উবদা, ঐনা ঐগী মক্লপুদা হংই ? সিট অমদমু মী অনি পুম্না ফম্বা য়া[illegible] ? মহাক খুমক্লে।

ঐনা অমুক্কা হয়া হংলমই? অদুদগীদি মহাক শাওরক্লে, অদুগা লোয়া ঐগী নাপদা হায়খকই। পংঙ্রেদা! নংসিমা। ব্লেক মার্কেটশিংনা তৌহনকলিবনিনে। সিনিমা হোলগী সিট অমদবো মী অনি ফম্মেরো। মহারা হাযবকলিবদুগা চাননা, মখোয় অদুদা য়েংলুবদা অঙাং অদুনা হায়রকপদু তাই তাদ ঐনা টিকেট ককচবনি। সিট অসি ঐখোয় অনি খব খর যম্নিম্নিস্নি অঙাং অদুগী ব্রা অদু প্লাখং অদুনা, কবিস্থ তাবিদনা নিংঙাইবা লৈতনা ফল্লমই অদুগা লোযননা ময়ামদদি উহন্দনা, মহাক্কী চাওরবা খুনিং অদ্না অঙাং অদ্গী নোবিবা মফৈ অদদা য়ক্ লাওনা থিনবিরম্মী। অঙাং অদ্না নামনত্রদ্না, ইখং খংনা কৌগৎলগা মমাই অদ্ ঙাংশং-চানা কিবনা থক থক নিক্রদ্না, ময়ামদা অমুক য়েং, খোঙদা অমুক য়েং কোইকপ কোইকপ তৌনা লেপ্লদ্না লৈরম্মী।

ঐনা অস্ময়া খল্লকই। অঙাং অদ্ অনকবা ইম্ফালগী এরিয়া অদ্রাইদগী ওইরম্বা য়াই। অদ্গা পাখং অদ্স্ ইম্ফালগী বাজার এরিয়া অদ্রাইদগা ওইরবস্ য়ারি অদম ওইহনা অঙাং অদ্না মথন্তা লাক্লগা টিকেট কক্কুনা, সিনিমা য়েংগে তৌজবদা, পাখং অদ্না, গেট কীপর অদ্গা তাগ্নরগা চনক্রিবা জাৎনি। তান্নক অদ্না কনামত্তনস্ অঙাং অদ্গীদমক যেবিনবা লৈরমদে। (অদ্গা সিনিমাস্ হোব্রবনি) মী খুদিংমক মশা মশগীদা য়েংনবা ঙাক্কনি। য়ারবদি অদোমগী মিংক্ষাওবা কোৎথাক্কুনা মশাদা প্লানগে হায়নরবা হৌজিকী মতমনি।

ঐ ফনা শিংলে হায়না থম্মুনা, শেল তিংদনা টিকেট কাওবা ককলুরবা ঐনা, হেন্না পংলম্নবত্নদা, ঐ য়াম্না ইকাইজরক্রে। অত্নগা লোয়ননা পুক্রিংদা ইপং পংশিন্না, অম্মুম্না খলচরমই "মুক্ষাল হায়সিদি"।

দিং তেং দিং দিং,
দেং তেং দোরো দিং তেং।
দেং তে দিং তেং,
দেংতেং দিংতেং,
দিংতেং দেংতেং,
দোংতেং দেংতেং।
দিংতেং দোংতেং.......... ।

ভুংশিরবা যন্ত্র মখোল অসিগা লোয়ননা, সিনিমা হৌরমদাইগী লাইরিক মথং মথং থারকই। অত্নবু ঐখোয়না খেংখিবনা অমম্মুং অঙাং অত্নদা ভাইহাক য়েংত্ননা লৈরুবনা, অতে—অতৈদি থোইনা উচহৌব্রে। অত্নবু লোইরমদাই অত্নদা বাহৈ অম—অনিদংদি উচহৌই

REELS 17,

Music—MINUBI AND GANO

WRITEN BY—**H. APABI SINGH**

DIRECTED BY—THONGBRA.

অহিংদা বাকৎচাওবী লৈরাং

মপানলোমদগী—

Open the door. Open the door, Soon, soon. Only two men stranger is knocked outside of the door.

মমুংদগী—

Please wait. Please wait.

অমুক্তা হাংজরকখিগে। কনাবু থিবিরক্রবনো ?
লাকপিরিবা অদোমনা, কনাবু ওইবিরবনো ?
—ঐনি থুনা হাংউ।
—ঐ হায়রদি,মিং অমুক্তা হায়বিরকউ।
—মঙৌ মরুপ খোমলানি। থুনা অমুক্তা হাংবিয়ু।
—ঐগী মরুপ খোমলা কৌবা কনাস্ত লৈখিদে।
(মপান্নলোমদগীসু, মমুংলোমদগীসু তুমিন—তুমিন্না
মিনিট অমরোম লৈনৈ)

—ক্রেক—ক্রাক। থোঙজু কাওৎকক্তুনা থুমযাইদা তারকই। থোঙ কাওখেকরকপা লোয়র্বা, থেযৌ, হেম্বৌ, হেযৌ মুপা অনিথক্রা ইমুংমুদা রিবোলভর থপচিল্লকই। (মাংখাযনা পাইরিবা রিবোলভর অদু শিজিন্নবদা যাম্না ংঙাইবা মথলগী সাইলেন্সর হায়বা অদুনি) রিবোলভরগী মখোলনা, পিক্রা মল্লবা ইমুংগী কা অদু কিবনা থক্কৎহল্লমই। অদুগা লোযননা গুলিশিং অদুনা কা অদুগী কক্লাংদা ফক্ ফক্ লাওনা পানশিল্লমই।

(খোনদি লুমহন্না, খন্ন খাংলপনা লাওরকই)—Don't move any body. Who is there in the room. Word অসিগা লোয়ননা, মপান্দগী চংলক্লিবা মুপ অতুনা মখোয়না থিরকলিবা মী অতুবু কদাইদা লৈবগে; মকম কদাইদা লোৎলিবগে হায়না অমম্বা মরক অদুদা য়াম্না চেকশিন্না য়েংলি। মখুত্তগী পিস্তোল অতু মীনা মুনখিদনবগী মতাগুম, মশাগী খোইনা লাপথোকহন্দনা নিংথিনা ফীবম শেমদুনা লেপলি। (পিস্তোল হায়বগা, রিবোলভার হায়বগা অর্থ চপ মান্নে) মহাক্তা লোযমিন্নরকপা মুপা অতুসু, মহাক্গুম্না ফীবম চানা লেপ্লি। মখোয় অনি খন্নাংননা, ইমুংগী কাতুগী থুময়াই ফাওবা, তপ্না তপ্না টোর্চ লাইট কাপ্পুনা চংশিনবা হৌরকই।

মখোযগী মশাদা, মখোয়না থিরকইবা মীশক অতুবু মুন্না মশক খংবনা, মখোয়না খোইনা অকিন্না লৈরমদে। (মখোয়না মশক খংবা হায়বদি, মখোযনা থিরকইবা মীওই অতু, মখোয়নদোগুম্না, পিস্তোলনচিংবা অকনবা খুৎলাই পাইবা মী নত্তে হায়না খল্লনি। অতুগা মী অতুম্ন পাযম্ম পায়দে) পিকথ্রবা ইমুংগী কাতুদা, কনাম্ম লৈরমদবা উবদ, মখোয় পুথক্ —ক্কক্খে! কাংখলা য়েংই লৈরমদে। মথক্তম্ম চেকশিন্না, উগী উপাক্টা ফুলওর হারি। মতুবু নমথৎতুনা চৎবা কনাগীম্ম মতিক্ নত্তে। অতুগা কাতুগী উপুশিং অতুম্ম মচা, মচা তাক্তনি। মী লোৎবা য়াবা অমদা থোক্তে। মখোয়না চংলকলিবা কা 'তু খোইনা চাওদে। চাউরাক্লা মী মম্ভৌম লৈবা য়াবা, মযুংনা তম্বা ওইনা তৌই। মযুংদা ...

শাংই; অতুগা মরাকনা ৮ পাকই। মথোয় অনি কিখনা কা 'হুদগী অতুম চেনখ্রে।

মথোয়না চেনখ্রিবা অতু, মী অমথক্তদি শোয়োক্কী নাকন্দা, হৌরিবা কবুলিয়া মরুমদগী থংপুনা য়েংলকনা, হুমনি পানবা থাবলগী মঙান্দুদা মুশি-মুশিনা উহৌই।

কবুলিয়াগী মরুমদা থংপুনা য়েংলিবা মুপা অসি; ঙসাই ইমুংদা লৈরম্বা মী অতুনি। মহাক্‌না মতৌ করম্না কা অতুদগী নানথোরকপে হায়বতু, মহাক্কী টেক্সিস অসিনা লাইনা থঙবিগনি। মপানলোমদগী মীনা থোঙ অতু কাওরকক্রিঙৈগী মমাংদা, মিনিট অমরোম তুমিন্না লৈনখিবা তাঙ্গা অতুমক্তদা, হায়রিবা মীশক অসিনা কোনা লোল্লিবা থোঙ অতুগী য়েংথংদা নাকন অতুদগী ফুট অনিরোম ক্লাংগা থেংননা, মশা অতু ফৈজেননা লৈমাইদা উপ্রাকৃনা হিপুনা লৈরম্মী। মথোয়না চংলকুনা য়ুময়াই য়োঙ্গবদা, মহাকনা কা অতুদগী উপ্পা শিত্তুনা চেম্বোক্থি।

অম্মা চেম্বোরক্লগা, হায়রিবা মফম অসিদা চেনখ্রিবা মীওইশিং অতুবু য়েংহুনা লৈবনি। মহাক্‌না Cowyard শিং অতুবু থাবলগী মঙান্দা মশক মুন্না থঙহৌবা ওয়মদে। অতুগা মুমিং অতুমক্কী মুমিদাং পুং নিপাল্লরোম হেননা তাঙ্গবা কাওবদা, বিজুলিগী শক্তি লাক্তবা মরম্না, বাজারগী ওইবা মৈ অমদসু ইলেকট্রিক পোষ্টশিংদা থানলমদে। মথোয়না চেনখ্রবা মতুংদা, মহাকনা লোৎলিবা মফম অতুদগী থোরক্তুনা, চাউরাকনা পোষ্ট মথোং অনি অতুমলোম কাওবা লোননা তাননহুনা য়েংলমই। অতুবু মহাক্‌না

তপহৌবনা কনাম্ন থিবা কংখিরে। শোরোকবুদি মুপী অভাং, অহন-নহা কম্না কয়ামুক্রা বাজার চৎখোক চৎশিন্না, শোরোক অহু পিক থল্লি। অমম্বা, মীয়াম মরক্কুদা, করমদোনা থিকগনি হায়না খল্লমাল্লে; মহাক্কী কা 'হুদা অমুক থুনা হল্লক্লে।

মহাক্না লৈরিবা মফম অসি, ইম্ফাল সহরগী ময়াইমক্তগী মৈরম পাংনা চৎথরগা লৈবা যক্লেনথোং অহু লাম্থোক্কুনা, পোষ্ট মখোং অহুমখক্তং চৎখৎলগা কোম্নুংগী মমাংমক্তা হেক লৈবা, নোংমৈবু, হায়না খংনবা মফম অহুদনি। মফম অহুগী Main road কা ওইথংবা শোরোকী ময়ামকতা লৈবা ভারাগী যুম অমদা রায়হুনা মতোমতা লৈবনি। মহাক্না, মহাক্কী কা অহুদা চংলক্লগা অহাম্বদা থোঙ অহু চেৎনা থিংজিল্লি, অনিশুবদা করি করি পোৎ-চৈ পুথ্রবগে হায়না, মহাক্কী উপ্তশিং অদু অমমম ওইনা য়েংশি-ল্লি। মহাক মপোৎ-মচৈ করিমক্তম্ন মাঙলমদনা লৈরম্বা অদুদা মহাক্ খরমখৈদি হরাওই তৌইগুখম্লুং মখোয়না মাবু Attack তৌশিল্লল্লিবা অদু করিম্নুংগীনো হায়না খণ্বদা, মহাককী মাইখোং অদু মুংগাইতবা রাখলনা খরদি মকশিল্লি। অম্নুম্না Check তৌরবা মতুংদা, তূম্নবা ফমুংগী ফি-রোলশিং অহু শেমজিন-শাজিন্নবা- লাক্লরি।

মপান্দা হাম্নগুম্না :—অমুকম্ন থোঙ অদু থিল্লকই অহাম্বগদি থোঙ অদু খর তপ্না তপ্নবু থিল্লমই। অদুবু গুাইহাক্ লৈরগদি রাম্না কম্না কম্না থিল্লক্লে। মমুংদা ফি রোল শেমচিন শাচিনবা মুপা অদু পাখৎলকপনা জ্ঞান-মেন তাক্লমাল্লে; বুদ্ধি—লৌশিং

চমমনরবগুমনা, লৈরাইথকৃতা ভীমেল তানা য়ুংবগুম, মমিৎ-মনা য়ুংখৎনা চপ লেগুনা লৈরশী। মপান্নগী খোং থিল্লকপগা লোয়-ননা, অসুম্বা কৌরককই। ওবা ওবা খোঙ হাংউ। ঐনি ওবা ওবা ঐনি, লতানি।

মহাক অত্তুমক তুমিন্না তারি। লাকচৈদা খল্লকবদগী মহাক য়ামনা শাগুশিংলমাললে, মপ্রক্লিংদা অসুম্বা খল্লকই। (ওহোক্লা গুৎখরেদা, শোইরেলশিংসে। করিবু চাগেনো? চেং-থোইদিং করিজ লৈতবসিদা) লৌশিং অমা লাক্লদুনা, খুনমক মহাক্লা থান-লিরা থাংমৈ অদু অইুলগী মথক্তা থাংগতুনা, মহাক্লা হান্না লোৎকম অত্তুমক্তা খমচিললমই। অদুগা মহাক্লা, মকাক্কী কমুং মনিংগী মকম অদুদা চংশিন্দুনা লোৎলমই। কা অদুগী মমুংদা মপানগী ওইবা মীওইশিংনা য়েংশিললকদা, ইমুংদা মৈ থাললি হায়বা খংবা ওম্মদে। কা অদুগী হাযবনু, থোঙজাউ অমগা থোংনাউ অমগা লোয়রে। থোঙ অদু অদুক্কী মতিক চেকশিললি, মপাল-লোমদগী য়েংশিললকদা, মমুং ফাওনা উননবা করিগুম্বা অহো-অবাক অমদা লৈতে।

শাবিরিবশিং:—মসিদা ঐখোয়না অওকবা অয়দি লৈরে। মদুদি হায়রিবা কা অসিগী থোঙজাউ অসি অদুক্কী মতিক চেক-শিন্না শাললিদি হায়রি। অদুমু মতৌ করম্বা মী অনিখক্তনা কাওক্লকদা তেক্লিবনো? মসিদা ঐখোয়না খঙবিবা চুমই। অদুদি "শোইবা হায়বদি তম্বা কনাম্বু ওমদে"।

ফমুংগী মরুম অদুদা লোৎলদুনা, মহাককী শাংলবা হয়াই সেন্দল অদু খুপাচিংলদুনা, মহাককী অমুবা কম্বোটয় অমনা নময়েৎ য়েৎশিন্দুনা পিস্তোল মওং মায়া শাবা লাকয়ি। অাহা! নোকনিংলকই। সিনিমা য়েংলিবা ঐখোয়সু। মহা টেক্টীসরালা অমনি, মহাক অসি! মিনিট মথারোম হৌখ্রকাওবদা, অয়েঙ্গা লৈতনা থোঙ অতু থিল্লক্লি। থোং খিললকগা লোয়ননা, য়েংনা হরুবা মুপীগী খোঙেন্দা, থোং অমুক্তা হাংবিয়ু, হাংবিয়ু হায়জরকদ, মহাক্না তুমিন্না খা চিক্লা তারি। হন্না হন্না হায়জরুবা অদু কাও-বদা, মহাক করিমত্তা থাজবা ওয়মদে। অমুক্সু মহাককী মগুকনিংদা চিংননা অমুশ্না খললকই। (চন্তানগী মচাশিংসে, ওন্থোকনা হৈনস্থ মুপী খোনবু শাবা ওম্মীদে! হে ইশ্বর! মংনা শাবা মী 'সিদিকো! ঐ ওইরবদি ওমচরোই) অশেংবা মুপী খো-ঙেনমক মান্দুনসু অমদি মহাকনা ছুংশিজয়িবা লতানি হায়মমক খললবসু; অহাঞ্চা খেংনুখিবা খুদোংখিয়া অদুনা খোঙ অদ, পাক হেক হাংদোকপা ওয়মদে।

তকশিলমল্লবা অদুদা মহাক খোঙ অদু হাংলগে হায়নদি থল্লি। অসুম্না খললদুনা মখোং অদু তয়া—তপ্না থাংলদুনা মাশোল পিকনা লাক্লগা, থোঙগী কোনা অদু খংইন—ইথোক্লগা। মহাকী ফমুং মরুম অদুদা চেনশিন্দুনা; হায়গুম্না লোৎলি! মপান-লোমদগী ওাইওমদনা ইল্লকনা থোং অদু খংহাই—হায়দোরক্লনা, কুক্নীনা থেংচিঞ্চদগী গম লাওবা খোঙেল অমনা, ইমুংগী চিঙ্কখমী লৈক্লরবা কা অদু অমুক্কা হনা তাঙখোকহল্লমই। ঙুপীমচা

অদ্না খোঙচিন হেক কানশিনলক্কা অদ্ উবদা, মহাককী মিৎ-শিং অদ্ ঙকনা থককৎলম্মী। মমদ্না লৈরিবা ইমুংগী কাদা, ঙাললবা ইলেক্ট্রীকী মৈঙান্না, খংঙান—ঙানথোরককুম, মুপীমচা অদুনা চংলকবগা অমহা ওইরম্মী। মখুত্তা পাইখিবা, অশাবা পিস্তোল অদ্ পাইরি—পাইদ্রে হায়বা মহাক খংচদ্রে।

লেমটনগী মৈঙাল অদ্দা মুপীমচা অদ্বু তশেংন, 'শক খংলহ্না, মহাক মশাগী ফীবম শেমদ্না তপলবনা হৌগৎলকই। খংদশিন্না শাৱদ্না—মুপীমচা অদ্দা মুন্না য়েংলদ্না, ও! লতা, নং ওইরে। ঐদি কনা-কনা ওইরবোই নিংলুরে। নংদি মফম-সিদা কৈদোবা? মহাককী রাহং অদ্ মুপীমচা অদ্না খুন্নমদে। মহাক্না থোঙ হাংউ, হায়জবদা পাকনা হাংদে হায়বগী শাওবনা, লৈমাইদা মরু লুক্কুনা, ওইনচাওবী শীংঙেলগুম্; রারংননা লেপ্লি। "মহৌশানা ওইনচাওবী শীংঙেলশিংনা, মথংলেন খোইমুবু কো-রৌচুপ্পা ঙাইচরক্লবদা, ঙাইদ শিন্না শাদ্না মরৈথোকই। অদু'স্না লৈরাংগী মত্তোম্দা লোইবী চীংজাউ খোঙ্গা খোইমুনা শামাই লৈনা পাইরগে তৌরকদা, অমুকস্থু নিংঙমদনা ময়েংই। লৈরাং মাগী থম্মোইগুংদা রারৌই। অথুম হায়না রারংনবু শাওরকই—মাঞ্জ করি খোইমুনো? শীংঙেল লৈহুনস্থু য়েংদ, লৈরাং লৈ-বুকস্থু উদ"

রাহং অদুনা অনিরক হননা হংলক্লবদা, মুপীমচা অদুনা মহাকনা ওঝা কৌরিবা মুশা অদুগী মাইথোং তন্না, মচিৎন্তা মপী শিন্থুনা, চিংঙৈনা য়েংলকই। রাহংদুগী শাওগুমদি পিবা লৈত্রি।

মুপা অদুনদি য়াম্না খংনিংবনা লাওতক্লরদুনা, য়াম্না খৌরাংনা নুপীমচা অদুদা শংত্রিক্না য়েংলি। মুপীমচা অদুনা "তামো" হায়না কৌরগা চেনশিনখিদুনা মুপা অদুগী মথাদা কোনশিন্দুনা হিরা হিক্লা কপ্পুনা লৈংগ্রে।

মুপা অদুনা লতাগী মশম অদুদা তগ্না তপ্না নানবিরদুনা হংলকই? লতা নহাক করি তৌরে, কনানা করি হাযরে? অসুক থেংলবা অহিংসিদা নথন্দা করিগী লাকলি? অমুক্তা শেংনা খুমউ। (হৌজিক ঐখোয মুপামচা অদুবু মুপীমচা, মুপী-মচা হায়না কোইথোক্লুনা লৈবগী মহুত্তা, লতা হায়না ইশম শম্না কৌরসি। মুপা অদুনা নুপীমচা অদুগী মমিংবু লতা হায়না কৌগ্রে। অদুগা মুপা অদুগী মমিংদি, ঐখোয় খংদ্রি। অদুবু লাইরিক অসিনা লোইরকবা নত্রগা তথায চল্লকদা মুপা অনিগী মমিং খঙলবস্থ য়াই) মুপা অদুগী রাহংগা মরি লৈনদনা, অতোপ্পা অমরোমদা লতানা হাযরকই। তামো, নহাক্কী রাশক অদু নিংশিংবিয়ু। ওসি ঐ তামোগী নফমদা লাক্লবনি, ঐবু লে শিঞ্চীরো। নঙ্গুং-লাংগীদমক্তা, অমম্বা মরক্তা কনাম্ম কিদনা, ইখোংনা খোংনা চেঞ্জরকিবনি রাদু তাবদা, মহাককী রাখন্দা ফত্তনা খল্লুবদগী মুপা'দু লুতোন শাৎনা শাওনিংলমাল্লে। মহাক্কী পিশুম অদু শুকৃকৎবগা লোয়ননা মচিন অদু পৈরদনা "চেঞ্জরক্লবনি ইখোং খোংনা" রাহৈ অসি হায়রদনা মশাদগী, হিকহৈনা কপচরিবি মুপীমচা অদবু শফু কয়া লৈমায়থক্তা ইস্থুরম্মী। অরাবনি।

নিংথিরবী, মপুং মরৈ কারবী, মুপীমচা অদ্না লৈমাইথক্তা শাংনা তুবদু। য়েংবদা মিৎ নাই। অদুবু মুংশিবা মিথয়েংনা য়েংলু-ররদি—লৈখোক্তগী মালংবনা হুমদোকবিদুনা লৈমাইথক্তা চোই-জাইনরবী লৈরাংগুম নত্রগা মালেমনা খোঙ্গাওনরবী তাইবংগী লৈরাংগুমই।

অদুদগী শাওনা ইংলিস লোন্দা অস্তুম হায়না চৈবিরকই। Whore ! You far away from my eye-side. I don't any relation with you since to-day. (ওক্রবী। ঐগী মিৎয়েংগী ভমখৈ বাংমদগী লাপনা চৎখো চৎলু। ভসিদগী নংগা ঐগা করিমত্তা মরি লৈনবরোই) Words অসিগা লোয়ননা, হৌগৎবা ভমচন্ত্রিবী মুপীমচা অদ্বু মশা—শাগন পাইদ্না চিংখৎলগা, মপান্দা ইস্থোকখিনবা হোৎনরম্মী। মহাকনা ইস্থোকগে তৌবমক্তদা, মহাককী খোংফম অদ্ হক্তিন্না চপ লেপ্লগা, মচিন্দা তকশি শোল্লক্রমই। ইস। ঐ শোইরেনা। ঐ তপ্না বাখল খল্লত্রে ৮ ফররবসু, ফৎত্ররবসু ঐ মুপা অমনি। অদ্গীসু মথকতা ছাত্র-ছাত্রি কয়ামুকগী মমা মপা ওইরিবা অমস্ং মহৈগী মপু ওইরবা ঐনা অস্ন্না তৌরবদি, করি ওইরগনি। (এম এ,বু মাস্টর ওফ আর্টস, হাযবদি মহৈগী মপু হায়বনি) মহাকনা অস্ন্না খল্লখিবা অসি বাচরবী মুপীমচা অদ্গীদমকতা, তাইবংগী অচৎ—অখোক পুম্নমকপু য়েংশিন্নীরিবা, ইমা খোঙভারেম্বীনা খনহন-খিবা ওইরমান্নে। "ঐখোয়না মঙমপুম্নমকগী ওইনা যুমদগী চৎ-খোক্লমদাইদা, ইমা খোঙভারেম্বীবু কাওবা লৈতনা লিংশিংগদবনি"।

মহাকনা তপ্পা অমুক হন্না মুখীক্তা 'হবু মপ্পাদা চেৎনা কোনশিখীরহনা, শোম্থাংননা হায়জরুরী মতৌগুম, মহৈ নিকনা হায়রকই। লতা লতা, ঐগী থম্মোইগী লত্তা। ঐনা লাললে। হায়মু নংগী ননিং থুংদবা করিনো? —কুনাননো নংগী রানবা মরম শিল্লকলিবা। অদুগা নংনা ঐগী ইফমদা করি হায়নিংই। নংনা হায়নিংলিমখৈ শেংনা হায়রো। নংগী ননিংগীদমক, ঐ চত্রৈ যিগাও শানা যারি। মহাককী রা 'দু করিমদা তাবা নৈদনা কুপী মচা অংনা রাম্থু—রাম্থু কপলি।

হন্দকদি মুপা অদু মখুৎ খুদুম চেৎনা তাশিল্লগা, রাশক্তুনা হায়রকই Lata! You don't doube anything in this world I stand for you. Come weal, come woe I shall never desert you and I must be die where to your grave. (লতা। নং সংসার অসিদা করিগুম্বা অমদা চিংনগনু ঐনা নংগীদমক্তা লেপলি। অরা-মুংঙাই অনিমক্তা, ঐনা ন'বু মফম কৈদম্ত থাদোক্লরোই অমসুং নংনা শিফমদা, ঐ শোইদনা শিগনি) মহাককী রাশক অদু তাবদা মুপীনচা অদুগী অরাবা অদু থরমখৈদি হন্দোক্লমাললে। কপ্পা অদু রানা ণিংলহনা, হিকনা হিকনা হায়রকই।

—তামো তামোনা, ঐনা হায়চরিবসি তাবিরগদ্রা?

—হায়রো ঝুনা হায়রো। ঐনা নংগীদমক্তা শিগনি হায়না রাশ্লকখ্রে। ঈশ্বরনা থংলয়গনি।

(তপ্লবনা খোন চিংলহুনা) তামোনা ঐবু হুংশিবিদবা অমদি ঐখোয়গী অহল-লম্মা ঐনা পামচদবা নুপা অমদা নমহুনা পীরনি হায়না তকশিল্লকগা, অমহিকসু্ং তামোনা ঐবু হুন্দো-ক্লমলগা অতোপ্পা অমগা লুহোংগ্রগনি হায়নসু্ তাজবনা, ঐ য়াম্না রারে। সংসার 'সিদা লৈজনিংদবনা, ইতোমতা আত্মাঘাট তৌ-জহুনা শিজরগে হায়না লেপ্লুরবনি। অদুবু ঐনা চৎলমদাইদা, অরোইবা ওইনা তামোগী রাশক অদুবু অমুক্তা নিংশিংবিয় হায়-জগে লাকচবনি। হৌজিক্তী লাইবকথীবী ঐবু লৌশিন্নীগে, লৌশিন্নীরোই ননীংনি। ঙসি অসিনা ঐগীদি **Last day** নি।

রা 'হু তাবদা নুপা অদু, ঙাইহাক পংথহুনা, তুমিম্না লেপ্তুনা লৈ। অদুবু মহাককী মাইথোং অদু করিগুম্বা থর থনবগুমনা তৌরি। অদুদগী লতাবু মহাককী ফমুংদা ফমহল্লরগা, থুনা য়াংনা মপান থোকখ্রে। মিনিট মঙারোম লৈরবা মতুংদা, চাওরাকনা লুপা তরামুককী চাক-যেঙ্গাং, অহাও অথুমগা কোম্নরবা পুখম অমগা লোয়নরদুনা, থুনা অমুক চংলকই।

পুখম অদুদা লতাগা লোয়ননা, মখোয় অনি পুন্না চামিন্নরে। লতাদি থর তপ্না—ইংনবু চারি। তৌইগুম্বসু্, নুপা অদুদি ঘড়ীদা অমুক য়েং, চাক অমুক হেক চা, তৌরহুনা মহককী মশা অহু চরাং—চরাংলে। অদুদগী চাক চবা অদু তে কপোক্লহুনা, হোবে—হোবেনা মহাককী এয্যার বেগ অদুদা খুদৈনচিংশা ফি-রোল থরা থুপল—থুপলদুনা, হাপচিন্থ্র লাকনরি। তংলক্ক অদুনা লতাদি নুপা অহুনা লাংলি, খোৎলিবা পুক্সমক অদু করিমদা য়েংলুবা

লৈতনা অহুমক তুমিন্না চাহুনা লৈখোক্ই। মহাক্কী মাইথোং অচু চানা চানা মরক-মরক্তা, নোকমি নোকমিনম্ তৌরক্ই। মহাক্কী মশাদা অরা অনা পক্রবগুম্না তৌরকলে। হৌজিকতা শারঙ্গবা থম্মোইনা, খংহৌদনা ইংখিবা, লুরবা লাইজঙুংদা লুব' গুমই। লুর' ইরৈ কল্লবা সমুদ্র ইরোম্ং'দা লুগু্না রানা মনি থিদুনা, মখুৎমক্তা মনিবু ক জররবদা হরাওজখিবনা, শিগনি নাগনি হায়বগী অকিবা রাখল কাওথে কখিদুনা সুংঙাইজবনা. থম্মোই থুমহৎলক্কগা পাংখক্লি অরা-সুংঙাই শিন্নবকই। কম্না নোকবা মচিন-মনাও ওইরকই। হৌজিক্তা শাৎলকবা লৈরাংগুম, মাই-থোং মকা লাম্না, থম্মোইনুংদা পেম্না নোকচরকই, তুংগী রাদি খম্বদনা অরা' পন্দোন রাংমা লাল্লবোই, মতোম থম্মোইগুংদা, অগুম্নবু খজ্ঞবকই ইকাই ইকি রাংমা লান্দুনা চেঞ্জরক্লবী, মহাকবু হরাওনা চংজফম পীবিররবদা অমদি ওইখোক্লরোই হায়না খল্লু-রবা থবক অহুনা লেপ্পমক মঙ্গল ওইরক্লবদা, কনাগী থম্মোইনা পেনচরোইদোবা নৈবংগ?

মুপা অহু মখুত্তা শোগা কোম্নগা হাইখু অমা পায়রহুনা লতাবু ভাইবনী মওংদা যুময়'ই অহুদা লেপলি। মহাকক্কী থম্মোইদা অকিবগী নিহুন অমনা দং দং হুড়িল্লক্লি মংদি চেন[illegible]লিবা সুপীমচা অহুনী অহন লমম্না তায়রক্লুনা মাঙোম্না অরাবা পিরগত্রা; অমদি মহাক মশামক লুহোংলগনি হায়না হুমিৎ থানহুনা লৈরবা মমলোমদনা, কক্রি করক্না হায়রগা সুপীমচা অহুবু পুশিল্লুগদগে. হায়বা রাখল অসিনা মহাক যাগ্নমক অরাবা

হায়বদু ওইরম্মী। তৌইগুম্বসুং মহাক পুকচেল চাউবা অমদি লিন্দা লৈবা মী ওইবনা লিনস্থ শিনবা চৈশুম্থ তেক্তনবা হায়বা পাউ-রৌগুম, অমস্থু, অমস্থু ফনবা শিনগে হায়না, মহাক্কী আশা অদু য়াংখৎলক্লম্মী। অহিংগী য়ুথক মরি লোল্লবা মতম 'তুদা, য়ুম্নগী থোঙ অদু শো থাজিল্লম্মগা, মখোয় অনিমক চৎননবা খৌরাং তৌরকই। লত্তানা চারি-থকি-ৈদা, মহাক্কা হায়না মহাক্কী কা অদুদগী ইম্পোক্তুনা থম্লবা, ভেসবা অদু অস্টার্ড তেগে হেক তৌরকমক্তদা "হেন্তসব," য়াং চ ওরবা টুবি উয়া মুপা অম্না; পিস্তোল উৎলদুনা চংশিল্লকই। মী অদুনা চংশিল্লকবা উবদা, মহাক্কা মখুৎ অনিমক থাংগৎলদুনা তপ্লবনা হংলকই।

—নহাক কনানো ? ঐনী ইফমদগী করি তৌবিবা পাম্বগে ?

—ঐ পৈশা পামই। নশাদা যাওবমখৈ তেংনা পিরম্মু।

—ঐদি পৈশা মরিফাওবা লৈজদ্রে।

—অরেম্বদা মতম মাঙহনগনু। হায়রিবা অসিদা য়াও। শেল খর পাম্মুবগীদমক্তা; নথরাই অদু করিস্থ লৈদনা খথরা ?

—হায়চরিবা অসিনি। ঐ ইশাদা পৈশা মরিদস্থ লৈজদ্রে।

—ভসাই নংনা কোলেজ কেসিয়ারদগী লৌখিবা তলব অদুদি কদাইদা থমখিবগে ?

—শেল অদুদি ঐনা মাংদনবা হায়দুনা ষ্টেট ব্যেঙ্কদা থম-চরমলে।

অদুদগীদি হংদুনা লৈবনা কাম্নরোই থল্লমাল্লে, মুপা অদুগী মশাদা মখুৎ ওইনা মা—মাদুনা থিরক্লে। (মখুত্তগী পিস্তোল

অহুদি য়াম্না চেকশিন্না, মখাংগা পানা পাইরি, মদ্না করিগুম্বা মথলগী এটেক্ট তৌশিন্না ঙমলোই) শেল থিবা ফংলক্লবদা, লতানা পাইরিবা এয়্যার বেগ অহু মুম্বোক্লগা, হাংদোক্লুনা থিরকই। অহুদস্থ ফংলক্লবা অহুদদি, য়াম্না শাওনা বেগ অহুদা য়াওরিবা কি ট্রোল অমদি বেগ অদ্বু নৈপ'ক্তা থোংপাক্লা শ্রু শ্রু নোইহৎলগা লাপ্না কাউথোকখ্রে। অহুগা লোযনন্না হংলকই—

—কদাই চৎগদৌরিবনো; থেংলবা অসিদা। মুপী চেক্লকলিবা হায়বক্লরা ?

—উম (রাহৈ অসি হায়রগা মুপা অহুনা ঙক্ নোমই)

—হা হা হা (হৌনা নোকই) কিয়্যা তুম আদমী হৈ (নংবু মীরা ?) চৎথোক থোংদোক্লকদবু অহুগা মুপী চেক্লকলি-বনিস্থ মহায়বা, অহুগা নখুত্তা পৈশা মরিদস্থ প ইদনা চৎকদৌ-রিবা ? হা হা হা, নংগুম্বা মী 'সে সাসার অসিদা কয়ামুক নৈরমথিকদগে ? মী তাহল—লাক্হল্লুগস্থ নোক্লুনা শিনি। এনকাওবা য়াম্না নে কলে। হি হি হি। অদোমগি কলেজ প্রো-ফেসারনি হায়বদাইনে। অহুদগী উশিক্তবা মীনোক্লা লোয়নন্না, নৈবিহৌখো চৎচরগেনে! রারোবিবা য়াদে। গুড্ নাইৎ। অসি হায়রমলগা থোংকাপ অহুম-মরি থাংহুনা চৎবা হোই। চৎনা চৎনা, মমিৎ অদ্ পৈরবনা, তুংদা নৈহৌরিবা মী অহুনা, মঙোন্দা করি এটেক্ট তৌশিল্লকদগে মতাগুম্বা, তুংদ্লোমদা হাইরপ্না য়েংল—য়েংলহুনা চৎলি। অম্বুম্বা চৎলকবনা গজ অনি-অহুম-লোম চৎলক্লদা, মমাই অহু পুমওন—ওম্বোক্লুনা চৎখ্রে।

অহুনবী লেপখৌরিবা হুপা অহুনা খুথৌল থুনা ছুরি শথ্বা চথিরিবা হুপা অহু ডম্না লংলকই। শংহৌফনা ছুরি অহুনা পিস্তোল পাইরিবা হুপা অহুনী. য়েংথংবা খুনুমং অকুমক্কা থুমনা যুংশিল্লকনা, পিস্তোল অহু লৈপাক্লা তাগ্রে। অদুবু অফিং অফাই ওইনা হুপা অহুনা, পিস্তোল অহু খুনগৎগে হেক তৌরকদা; হেস: Don't pick up your. হৌনা লাওরকদা ছুরিনা পানলবা হুপা অহু নোঙ্গরমদগী চুম্না লেপখৎত্তুনা, কিবনা মশা নিক্তুনা লৈরে।

লাওরক্লিবা হুপা অহুনা পিস্তোল অহু খুনগৎলদুনা, নং ঐবু শক খংলমাল্লে। ঐনদি নংবু খঙ্ডরি। নং কনানো? নমিং শেংনা হায়য়ু।

—ঐগী ইমিং ত্রোলেনস্লা কোই।

—শেংলত্রা?

—শেংচরে।

—মুমনাকদি

—লাইরেনজম।

—নমমনা কদায়দা?

—চীঙমেয়রোংদা।

(মখোয় অনিমক ঙাইহাক ঙমিন্না লৈনৈ)

—হুপা অদুনা অমুক হংলকই? নহাকী ইমুং অহু লাইরত্রা?

—উম, লাইরবৈ

—নহাগম্বুকী মপোক্লা কর্ম্ম ফৎলকতবনা, নপুক থন্না চাজবা ফংজরবা নহাক্লা, হনদক অমুকপু কত্তবা কর্ম্ম শিল্লাংলি। চৎরো চৎলু, নশকচ্চুমরেংনিংঙে। ঙাইখো! অশোকতু ডাক্তরদা য়েংচক লপো কুন অসি পায়খো। মতুংদদি মীগী মমল পাক্কুগনি। অসি থাবগা, খুজেংগী খোংঙ্গপ মোজাদগী শেল তৌখোকতুনা

থীরগা লুপা বুনখক লৌথোক্তুনা পি। শোকলিবা মুপা অহুনা, অহাথদা মুপা অদুগী খুজেং ফাওবা মাহুনা খিরম্নবনি অদুবু পাখৎনা থিবনরা, নক্লগা শেল থিবা কৈদবা হায়বহুরা খঙদ্রে। মহাক্না শেল য়াওই, হায়বা খঙথিদে। অশোকবা অহুনা চৎগ্রবদা, চাইখাইথিবা ফি-রোলশিং অহু শেমচিন—শাচিল্লহুনা, মখোয় অনিমক পুন্না গাড়ী অত্তদা চৎমিন্নরক্লে।

ইম্ফালদগী খা মাইগৈ পাংনা, লিলোং তাবা শাংলবা, অমদি থেংলবা অহিংগী মতমনা ওইবনা মী-পোং কনা চৎনদ্রবা লম্বী হুদা, কঙাওনবা মালংবগা মাইয়েক মাইয়োক্লনা, গাড়ীনা য়াঙনা য়াঙনা চেল্লকগ। লোয়নননা, মহাককী রাখল অহু অস্থম অস্থম তামখৎ-লল্লমই। মতম অমদা মহাক্না মুপীমচা অহুবু কোইরিঙৈদা, মুপী-মচা অদুগী মমানা, মঙোন্দা কয়া থিনা চৈরকখিবা, অমদি মহাক্না নংলকখিবা অচোপ-অরেম কয়া, অমহিকসুং মহাক্না মুপীমচা অদুবু ফংজবা ঙম্নরোই হায়না খল্লুবদা, মহাককী থম্মোইনা কয়াদা রানা কপচখিবা, অদুবু মদু পুমনমক অদু করিস্ লৈদনা, মংলদ্ধ মংগুমনা, রাংলবা লৈখোক্তুগী লৈরাং মপৈ হেক্লুবগুম, ঙনি মহাক্না মুপীমচা অদুবু, মহাককী ওইরগনি হায়না খন্দুনা পুচরকলিবা, পুমনমক অসিবু খল্লুবদা, মহাককী মশা অদু রাখলগী ইপাক্তা তাওরম্মী।

রাখল অদুগা লোয়নননা, মহাককী হৌগ্রবা রাখল ইপাককী পাক্লবা, রাখলগী লংলা—লংজিন কাংদুনা, মুপীমচা অদুবু কোই-রৈদগীনা, মহাক্না থাদোক্লম্বা ফাওবাঅসুম মথং মথং নিংশিংলকখি।

নিংশিংবা বারিগী অহান্বা তাংকক্তা

লিলোংদগী পাঙন অমথকনা, থাংমৈবন্দগী মুপী মচা অমা কৌই। মহাক এম এ ফাস্ট ডিবিসন্নি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মহাক মতিক চাবা থবক অমদা ফংলমদে। মহাকনা পামই, মতুংদি ইম্ফালগী কলেজশিংদা প্রোফেসার ওইরগা, লেকচর তৌহুনা লৈবা। অদুম্নদি ওইরবদা, মহাকনা থবক তে বা পাম্নকগী মতাংদা, ইম্ফালমক নত্রবস্তু অতৈ অতৈ কোলেজদফাওবা থবক ফংলমদে। অদুনা মহাকনা ইম্ফালদা লাক্তুনা লৈরবসি চাঙরাকনা চহি অময়োম হেল্লক্লে। মুমিৎ হেক থোরক্কদগী একচেঞ্জনচিংবা মফমদা কোইচেন-চেন্দুনা থবক থিরুই থবক থিক্লবদা এম এনা তৌবদা মতিক চাবা থবক অমদা ফংলমদে।

কন্নিগুম্বা এম এনা তৌবা মাবা, ওফিসারগী প্রোফেসারগী কম অহাংবা অমা অমি লৈরক্লবস্তু, মরাইবকনা থিবনা ফংহৌদে। মোটিশ অমদি এডভবটাইশমেন্টনচিংবদা "পোস্ট বেকেন্ট" কৌ-রক্লবস্তু, মখোয় অদু অয়ম্বনা মেট্রিকুলেটগী অমসুং বি এগী ডাক্তা ওইনা তৌই। থবক তৌকম্নস্তু মহাকনা পাম্বা অমত্তা থোক্কে। তনবজস্ থাদা চনিগী হৌরগা চনি চনি-য়াইশৌনি। মহাকনা পাম-লিবদি, চহুম চাম্বরিদগী হৌরগা চাতরুক্ক চাঙবেৎ য়োৎকক্কদবা অহ্-গুম্বা থবক, কিট লাওনা পাইবা অসিনি। অদুগুম্বা খুদোংচাবা থবক অমত্তা, ফংলক্তুবদা তৌনিংঙাই লৈরক্তুদুনা অফংবা অমা হেক্তা তৌরগে হায়না থল্লদুনা, অমদা অমুক চেন অমদা অমুক চেন, কে.ইচেন-চেন্দুনা ইন্টভিউনচিংবা য়াওচরুই। মতুংদা তনবনা

চাৎ-চনিগী থবক্কুদা, ব্রানেশ্মন ওইগা লুপা লিশিং অমা নত্রগা অমদগী হেন্না পিথু হায়রকই।

অসোমদনা কম্দৌরি:—ওসাই অয়ুকমক্তা চানবা লৈতত্তুনা মরুপ-মপাংদগী ইকাই-ইকাইনা, লুপা অহুমখক পুকরগা, লুপা অমনা দরখাস্ত থাবদা চংগ্রে, লুপা অনিনা চেং—চাক লৈনগ্রে। হযেং থবক তৌবগা, মথোই হাপদুনা শিংবিনি হায়না, অম-অমদগী অনি প, অহুম প্ অপুন্না হেক লৌবদা, আ, যামগ্রে। মাগুম্বগী লূপা লিশিং, লিশিংদি হায়রুম্ব, ফেই-বনগী ফাওবা চানিংগাই লৈদ্রি।

যুংদা চান—থক্কবা শেল-যুম থাংকউ হায়কবস্ত্র, থাখিয়ক্কদি লাযরত্তুনা মপানা অশুম্বত্র হায়রকই। নংনা এম এ থানবা হোৎ-নবদা বেরি থক্কদি হাযকগম্মু; ইয়াদা হিদাকমনা ফাওবা উম-খিত্রবনি। মচনশিংনা অমুক হায়রকই। তাচৌনা নহৈ তম্নবা লাক্লবদা, ইশমদা রিবোন ফাওবা পুন্দনা, লংনা পুন্দুনা হোৎনত্র-বনি অসিদি লাইরত্তুনা, কব্রি অমুক হায়রুগনি। অত্তুক চাউথ্রবা চহিগী মন্নুংদা অমুক্তুদা থোকপা মহরমগী কুশ্মদফাওবা মীমাংথোকনা ফমচখিদে। মরমদি ফি রোস, শেৎব-চাবা মতিক চাদবনা। অত্তুবু হৌজিক তাচৌনা এম এ পাস তৌরবা ফাওবদা, ঐখোয়দগী অশুম্বক লৌথোক্লগা চাগে হায়রবদি, ঐখোয় শিজ-খিবনা হেন্না করে। অত্তুদগী মপানা মথা তাব্রকই। নম্মা থাজত্রগা মতম কুইনা লাই ওইছুনা, নোং হুত্তুনা লৈম্নবা, মম্নবা তেহেসে অমুক্তা য়েংলোলাও। মথাক্তী পেরেস্তশিংনদি

মহাকবু এম এ পাস তৌরে, লাইরিক-লাইশু হৈবদা লাইগুম্নবনি হায়না খল্লি। (মহৌশানা অরাপ্পা লরাই-থরাইশিংন্দদি এম এ, বি এ হায়বসি তাঙনা তাঙনা থোকই, অতুননি) মহাকগী মপানা এম এ হায়বসি, লাইরিক—লাইশু হৈবদা লাইগুম্নবনি হায়রিবা অসি চুমই। "অদুবু এম এ পাস তৌরবা মীওই খুদিংমক লাইরিক হৈবদা লাইগুম্নদ্রা য়াই, তৌইগুম্নসু এম এ খুদিংমকগী লাইরক্তা, লাইশু হায়বা অসিমদদি তন্নমৃদে"। মসি ঈশ্বরমক্না তন্নমহিকত্রবরা হায়বদি নত্তে। মীওই মীওইনা পুই।

মহাকনা হায়দ—হায়চিল্লুরগসু; নং মামহলগী রিক্সা অমা লৈবনি। চানিংঙাই লৈদ লৈদ্রগা নমাম্নবদোনা রিক্সা হেক থৌ হায়রকই। (মপানা মপুত্তা মচাবু, লাইরিক হৈরে হায়দুনা চাওথোকইবনি, য়ুমদা লাক্‌নুনা, য়ুমগী থবক ইনখাং শুবা য়াওরদে হায়বগী রাখলনা পংনা শাওই) অদুনা রাফম অসি হায়রক্রিবনি। নোকনিংলবা রানি! এম এদবু রিক্সা থৌদুনা চাও হায়রকসি! চাউখৎলবা পৃথিবিগী মফম অতৈ—অতৈদদি এম এ না রিক্সা থৌনরম্বা য়াই। অদুবু মনিপুরদদি ঙসিফাওবগী মতুংসিদা; এম এ না রিক্সা থৌনক্রি।

অতুম ওইনমক্! মতমগী মতুংইন্না, মনিপুরদসু এম এ না রিক্সা থৌদুনা শেল তানলগা চনরখিনি হায়না হায়চবসিদা থোইনা চিংনবিকম লৈদে। হৌজিক ফাওবদি ইস্কালদসু বি এ না ইঞ্জিন পাম্বা মখলগী গাড়ী শিজিন্নদুনা, শেল তাম্নবা য়াওনবক্রে। মতমগী য়াওন মতুংইন্না, থোকল—থোকলবা লাকক্লনি। ঐথোয়না অতুম ময়েংবা হায়বদুনি।

ভৌকম খংলক্রুড়ুনা, মহাক্কী ক্লাটয়দগী থোরক্লগা মমিৎ অতু অহাংবরোমদা কোইয়েং-য়েংলড়ুনা, শোরোক্কী মপান অতুদা অঙাও-বগুম লেপ্পড়ুনা লৈরি। কালেনগী শারথা হুশাড়ুদা, কবুলিয়া মখোংদা য়িক্লা অমা খিল্লিবতু হেক উই। অতু হেক উবদা, অরে! অরে!! অতুক্ য়ানা এম এ থারুববু য়িক্লা থোবা তারবা!! মথা চিকশিল্লি, মমিৎ শংকৎলকই, মখোং অতু লৈপাক্তা দং দং থিল্লড়ুনা লাওরবই হাই পাপী! নংবু শারমলিবা মেকানিক্লুন্বু কনানো? লয়াই অদুদা অমুক্তং ককথগেবা। (অসি হায়রগা ও ও খোংড়ুনা কপই) অদুদগীদি অল্লা। অল্লা! শোল্লহনা, মখুৎনা মরাইবক পাইবড়ুনা কমথগ্রে।

মহাক্লা কমলিবা শোবোক অতুগী নাকল ওইরবনা, জি শি উইমেন কোলেজদগী হল্লকবা অর্বুট শেৎবী, শক চু য়াম্না নৌরিবী সুপীমচা অমথক্লা মাবু উরগা। কিগুম—লাকগুম্না ভৌরড়ুনা, মঙোনলোমদগী লাপ্পব থৈরড়ুনা. পরব পরবনা হেক চৎখিবতু উহোই।

(সুপীমচা অতু কোলেজ মতমদি নপ্তে, অতুবু মমাল্লবীশিংগা উনরুবা জাৎনি) সুপীমচা অতুবু উবদা, অমুক্তা উখিগ্রিবা অমগুম্না ইস! কক্লগ্রেদা হায়না মচিন্দা মুকম মুকম শোল্লড়ুনা হৌগৎলকই। মল্লিদা হেক লৌরগা লোট্রে। কনাগী থবক ভৌবা ভৌদবা। অমুম থল্লড়ুনা সুপীমচা অতুগী মতুংদা, শরব্ পরব্ হেক ইরে। অতুগা লোয়্র-ননা হংই? সোম্ সিস্টরবু কয়িগুম্বা অমদা হংজগেবা? সিস্টরবু কদোমদগীনো? মিংনা কয়ি কৌশিবগে? শক থংনবসু নক্তবড়ুনা; সুপীমচা অতু কয়িরক্তা খুল্লমদে। মহাক্লা অমুকসু হয়া হংলকই?

অদুবু তুপীমচা অদুনা কবিস্থ থুরবা তৌদনা, অস্থম তুমিন্না চৎপ্রবদুনা শাওনিংলমায়েঙ্, হন্দকদি খোন কল্লবনা হংলকই? মেম্মা নংগী মিংবু করি-কৌগেনহে, হানে—হ'নহে? তুপীমচা অদুনা থুম্নবদি লাইরক্লুনা, মিৎচিনা হন্নকাও য়েংলমদনা হেনগৎনা চৎপ্রবদুনা, মতোমক্তা মচিদা মুরুম মুকুম শোল্লহনা লেপহোই। মসিবু কোলেজ ছাত্রিরনে, কোলেজ ছাত্রি অমগী মচৎলনে? য়েরা! মমানা ৱারক্কবা, মপানা ৱাক্‌মেমদবা মচা, য়েরা শকথী!

অতদগীদি গতি লৈরক্তুনা, মতোমতা থঙ্গরকই। মতুদি মহাক্কী মিংদি মেম্মা কৌরবজাৎলি, অতনা থুম্ব ইকাইরদুনা থুম্নমত্রবনি। অস্থম্না থল্লদুনা, তুপীমচা অদুনা ফনা হেনগৎনা চৎপ্রবক্কাওবদা, মতোমক্তা লম্বী অদুদা লেপ্লদুনা লৈহোরি। ঙাইহাক লৈরগা মহাক করিগুম্বা অশোইবা অম থংনিং—নিংশিংলকই। মতুদি মহাক অসি পাঙন নত্তে, মৈতৈনি হায়হন্নিংলনা অয়াম্বা মতমদা, মৈতৈ মরক্তদা লৈদ্রনা, মৈতৈরোল শেংনা শেংনা ঙাংচরিবনি। অদুদা মহাক্না অকোনবা মিং হংবদা, মৈতৈগুম্না ঙাংখিত্রে। "করি কে গেনহে, হানহে" অস্থম্বা ৱানা থম্ব কোইতক্লা হায়খে। অসিননি মহাক্না য়াম্নমক পাখৎলিবা। অদুগা মহাক মশাবু মৈতৈনি হায়হন্নিংলগী মরম অম চাওনা লৈ। মহাক্কনা ইহান—হান্না বি এ তমখৎলকা চহিদা, শীলজমেলগী ছাত্রি অমগা য়ান্না নুংশিনরম্মী ছাত্রি অদুনা মহাকবু পাঙননি হায়বা থঙলুকম্বা অমদি অহল—অম্মনগী য়াথং কিবনা মহাকবু থাজোক্লমগা, অতোপ্পা মৈতৈ ওবা অমদা তেনখি। অমাঙনদি ছাত্রি অদুনা মহাকবু পাঙননি হায়বা থঙখিরমদে। ইকাইখুম

অমদি মুংঙাইদবনা মবম ওইরবতুনা, মশামক ইম্ফাল কোলেজদগী হোংদোক্লুনা, কলকটাদা চৎখি।

মুতি—মুমিৎ খুদিংমকী মহাকনা মুপীমচা অসিনা কোলেজ কারকব অমদি কুম্লকবা মতম অনিমক্তা, ঙাইচত্নুনদা লৈজবনা মাগী মকওইবা শিক্ষা ওইবশ্মী। অরেংদা থৌ লৈতনা মুপীমচা অতুবু চিংনা—চিংনা যেংচবদনা মাগী পোথাকম খংত্রবা, 'থম্মোই অতুবু লৈত্তাফম পিবিরম্মী। অতুম্নদি ওইরবদা মহাকনা নোংমদ ফাওবা মুপীমচা অতুদগী তাজনিংলব য়াত্রা অমদগু তাজবা ফংজরমদে। মুতিগীমু ইরৈ, মুতিগীমু হরৈজ। অতুবু অরেম্বদা তিমথি হাংল'—মালংদা, মহাকী রাহং। মহাকী রাহংগী পাওখুম তাবগী মহুৎদা, নিংথিববী তুজা শত্তমতুনা মঙোল্লোমদা শুকৎ—শুকৎনা মাবু লেম্নবগী মওংগুম, নোম্না—থেকনা চৎখিবতু শং শং উরকই। কোংরৌ নোংনা হাংত্রবদা, চিংডু নোঙ্গোবীনা ক্লোইদামক্তু থাবুম মঙা—তকক চুপ্পা, নোংমদোন লাইজবু কৌ—লাক্তুনা ঙাইচবগুম, মহাকনা মুপীমচা অতুবু নিংজবসি চাওরাকনা থা তকক তরেৎলোমদি হেল্লক্লে। িংবা কাইরবা মাগী থম্মোইনদি তোক্লগে হায়না মথল্লি, অতুবু আশানদি মযাদে। নিংবু—নিংলবদি থোক্লকা অম লাকই, হায়রিবা অসিনা চুম্লবদি মহাককীমু ওইরবা য়াইক্লু অমুনা আশা চাওবা মাগী থম্মোইনা, মশামু নোংম—নোংমগী মুংশিবগী লমবীদা চিংখৎবা হৌরক্লে।

মহাকনা মুপীমচা অতুবু পামচমনথমুনা, মুসমানগী ওইবা লাইকক্কা অমতা নিংখিত্রে। সন্ধ্যা লাই খুরমবা কাওথেং মুশিমকী লাই শোক্লমবগী মতংদা, মুপীমচা অতুগী নিংথিজবী

মূর্ত্তি অহৃদবু নিংশিংচবগনা, মাগী অয়ামবা মতম লেনবা হৌরক্লে। মাগী মতৌসি হৌজিক ঐখোইনা চিঠিককা থানবদা ইনবা "তুম্ব—চাব পুন্নমক্তা নংবু নিংশিংচবদনা লাইনিং ওইচরিবনি···ইচল ও", হা অদু অদা ········ হায়নরিবা অদু গুম্বজাৎনি। মহাককী রাখন্দা—মৈতৈ মুপী লোবা তারবদি, মৈতৈগী লাই শোধুনা করগদমাক্লে অসুম্না খল্লহনা, হরে কসৎদ, হরে কসৎদ অসুম্না মুমিৎ খুদিংগী মৈতৈগী লাই শোধ্বা হৌরক্লম্মী। মুংশিদকো কসৎদ কসৎদ নগুবু! থৌজান পিবিরোনোনে ঐগোন্দা! মাগী মচিন্দা কৃষ্ণ হায়না শোনবা থোক্লমদে। মহাক এম এ অমনি, অতুমকবু ভাৎ—বিজ'ৎ থাইবগী হৌনবী; মীচান-মীরাই নাইকবনা, কৃষ্ণ হায়বসি খংনা খঙনা, মচিন্দা অচুমবা রাগৈদু পাক হেক নিংশিংবা থোক্লমদে। মহাকনা মুতিমককী অসুম্না অচৎ-মুথাক' অনিমক্তা ঙাইদুনদা লৈরমবা অদু উবদা, মুপীমচা অদুগী মপুকনিংদা অসুম্না চিংননা খল্লক্লম্মী। মতুদি মহাকবু ফারগা অতোপ্পা দেশ অমদা পুগদৌরিবরা, নত্রগা মহাকবু করমবা মথলগী অন্নাবা পিগদৌরিবনো? মুপীমচা অসিনা অসুম্না খল্লকপী রাদি, মহাককী ফীবম অতুননি। (মহাককী ফীবম হায়বদি, মেম্না তাকচরকখিগে) মুপীমচা অসি কোলেজ কুমচরবসু, মহাথা কোলেজগী চহিনি। মশাগী চহিসু, গুপ্নগী তরা তরুক্তা মঙাইচরিবীনি। মমাম্নবী অমদনা, মশা—মশাগী অশেংবা চহি ওইনা, মাগুমনা য়ামনা নোনা, কোলেজ কুমলত্রি হায়বা য়াই। ক্লাস য়ামচরবসু, মশাদা কানগী ইরাং শকচত্রিবী অদুনি। মাইক—থঙন—চাম্নবশিংনা কৌবদা খুমচবা নত্তনা, মুর্শিদ্দী

মিনোক, মিংচিগী লাং, করিমত্তা খঙচদনা তবং-তবংনা লৈচন্নিবনী।

হেন্না শম্না হেক্তা লোম্না হায়গমে, তুম্না তাও। খুংনা শোকত্রিবী অসিবীগী লৈন্নাংগুম পোমবোম পোম্নবোম্না, লৈচন্নিবীনি ন্নানে। নত্রগনা মুংশি মুংওলগী মরমদা এক্সবার্ট লৈত্রিবা হায়ত্নুনে নংবো) নং পঙ্গলে শাওচহে ! থরাইগী চান্নরগা মরুপনি, ঐগুম্বনি হায়ত্নুনা নং পল্লুবগী ন্নাদনি, শাওনগুমশি, শাওনগুমশি। (শাও-নদবা গুমশি হায়না হায়চগদবত্নুদা, কেন্নিবনি হায়ত্নুনা লৈত্তোন অসি থেকচিল্লত্নুনা শাওনগুমশি, শাওনগুমশি হেক হায়ন্ত্রিবনি) নৌন্নিবী ম.গী মত্তৌ অসি 'উনায়ক্তা লোংচত্নুনা পোমচান্নিবী লৈন্নাংনা লৈকা কংনা শাংলবী মচেম লৈরাংশিংগী মথক্তা, লৈপাক্না থোক্লই-মুশিংগা, হন্নাওনা মুংশি চিল্লোরবদি মউবা মগুংগী অথুম্বা ন্নসদি খঙচদবা মত্তৌছুনি "। মহাক্না যান্নমক চিংনন্নিবগী মরমদি মহাক্না উন্নিবা মুপা অদু মী অ তগা থক মাননদবা মওং অমা ওইনা তৌই। অমসুং তোপ তোপ্পা শকফম ওইনা নিংই। মুপী অদু যান্না ন্নাং চাউই। কীবম মুত্তৈক। মশীম থোই, পোক্ত্র হাংলি মমাই শাংই, অদুবু খরদি চপই। ন্নাশী ওথাক্না লৈ। মমিংদি লাওই, কোইন্নক তৌই। মিংয়েং অদু মেংই-মুংশিবা পোকই। কুচু নিংথিনা ঙৌই।

অমুক ন্নাশী গুন চেল্লবা মুপা অসিবু ম:তৌ করম্না, মুপী:মচা অসিনা অদুক কিনা চিংনন্নিবনো, কদাইদনো মাঁনা কিন্নিবত্নুনু হায়না অঁদোমনা ঐঙোন্দা য়েংবিন্নকবা ন্নাই। অত ওইন্নবদি ঐনা অক্সমনা পাওথুম পিচগনি। মুপীমচা ‍ৎসিনা কিন্নিবদি মন্নমদি মুপা অদুগী কীবমননি। কীবমননি হায়বদি, মহাককী

অঙাওবগী মতৌ মাঙনা শেংলিবা ফি-ত্রোল অঙুনি। মন্নবা মচেং মচেং লেংকাইবা মুন্না টেব্লিকটনগী খোংথাও অহুনী মথক্তা চোন্নবা ঙাংথক-ঙাংবা ফুরিং। লবাইদবুদি শম পোমক্ত মথাক্তা, অচুপ্পা লুথমশীনা ঙকথাওবা কুপ্পবা শাংলবা মশাম। মাগী মশম অক্তুন্না মতম কুইনা থাউ তৈবিথ্রদুনা; সুংশিং খিন্নং হেক শিংলক্লদা ইক-কানা বাং বাং হায়গথংলক্লিবা মতৌ। অমুক্তা থ্রিংশিংবিন্নু—মতুংদা হয়াগথাড্রীগী বোড্ডি মথক্তা চক্ক মপুন অমা, মন্নাইদা থৌমিনা পুন্নগা হাপকংবদা গাড়ীনা য়াঙনা য়াঙনা চেন-লিমথে, চক্ক মপুন অক্তুনা ফন ফন্ চোংথত্তুনা। ঋানা ঋানা ও ও খোংদা কপ্তুনা থাংবত্তু। সুংশিংনবু খিত্তং হেক শিংলক্লবদি মাগী কক্কবিবা লৈত্রবা মশম অত্তুন্নু, হায়রিবা মতৌ অসিগা চপ মাত্নে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা মাগী শাংলবা থদাংগী কোই। কিশেক্কা য়েংলে 'দুমডাইরে, শমদন্নু—কোইদন্নু 'দুমডাইরে অঙাওবদা অঙাওবগুম, মশিদবো কিয়োইদবা কনানো? করি খঙচন্নিবী মপীমচাদি হায়রুগন্নু! চুন্না উনবদা নত্তনা মতুংমক্তবু হেক ইন্ন-মকই হায়রিনে, কিচত্রো অক্তুদবু।

ঋা অসিনন্নু লোইচত্রি ' হায়চরক্থিগে – মতুংদা শিব মহাদেবনা মশাবু মীওইবগী প্রেম্না, মথাক্তী দর্শন ফংননবা তকশিন্নকবদা থাংবা, হুন্নয়োই, হায়না থল্ল বদগী, ইবুংঙো মহাক্তা লৌশিং অমা তৌরকই। মীনা কিন্নবনে হায়ত্তুনা, মশামকন্না মশাবু মনগী মন্নী লৈরগা হৈজিনথি। মতুংদগী হোনা মথাক্তী ফুক্তু অক্তু শাংহুন্নবারি। ঙোয়োক ঙোনা নিংথিমন্নবা ফুক্তু অক্তু মাঙি অক্কেদবা।

অহুম্মা শক্ক কম্না কক্কহুনদু, অম্মা য়াম্না লৈহুনহ নিংথিনা শেং-চাক্লবা মীওই অহুম্মী মকমদগি কম্না কক্লবা শকদু অয়েন-বনি; অম্না নিংথিবা কুচুদু অমাংবনি। অমদি ইশিংনা পিনরক্কা পুন্নমক অয়েকনি। নিংথিনা—চেকশিন্না কোমদা মুমহুনা থমখ্রবা, শিঞ্জি-রবিক্রবা সনাগী শেলগুম্বনি। সনা হায়বসি মমাল য়াম্মই, অমদি মশক ফজে। অহুবু সনাবু শিঞ্জিনগাই মী লৈমজ্রবং, অমদি সনাবু অয়োম্বা মকমদা কনা—থঙদ উদনা থমখিদ্রবা, সনা হায়বসি মশক ফজে হায়বকাওবা থঙনরকত্রবা মতম অহুদা, সনাগী নিং-থিবা মগুন পুন্নমক অহু কদাইদবু চম্লরগদগে? অহুওয়াহুনা মশক ফজবী লৈশাবীশিংনা মপান ইপান থোক্তনা লোংথুনবা লৈরিবী, মহাক্কো শোইদনা মাংলগদবনি। (এনা অসি হায়রে হায়হুনা ইচলশিংনা শাওদদি-শাওবিদু। তাতোম্মা নখোয়বু হুংশিবদগী, তাতোনগী বায়েং অসি হুংঙাইহম্মবা হায়হুনা অহুম পাংহার হাপচিনবগী বাদনি। অহুগা মলিমদু কাওবিগদ্দ, তাতোন-দিনে কাপি—কায়াং তোনা ঙাং—শক য়াম্মা হৈনজে, য়াম্মজু পামচৈ।) হৌজিক্কী ফংনরকত্রবা মতম অসিনদি থোইনা মপাল-ইপাল থোকবীদবনদু কৈ।

অনিগুম্মবা মহাক্কী অঙাওবা মাল্লবা শকথম অহুনা খুপীমক্কা অহুমী মকমগদি ফরুহুম অকিবা অম গুইনা থোক্রগনি। ঙসিদ্দগী-বদি মখোয় অমনা অমগী মফমদা, অম্মবা অমা শুইনরি। অহুবু কম্মাজা খঙজা! মতমনবু লেপ্পা লৈতনা য়াওনবিরবদি, চাম্মম্মবা লোংশাগী মমাংদা কিরবা শজি অংঙামনা তেথহ্লকনি হায়বা।

ইনগিলব চিন্দাবাদ; ইনগিলব চিন্দাবাদ থবক ফংদবশিংদা থবক পিগদবনি। চানবা চিঞ্জাক পিগদবনি হায়না হুন্না হুন্না লাওরুন্না ছাত্র থরনা লেপটনেণ্ট গবনরনগী মমাংমক্তা লাওরয়ে। (খৃঃ ১৯৭১ গী সেপটেম্বর থাগী তারিখ ২৪ দা থোকখিবা ঘটনানি) অন্দোলোন অসিদা ছাত্র থরনা শোক—পল্লে হায়না তাই ঁ থরনা জেলদা কাক্তিনখ্রে হায়নন্থ তাই। মতম অসিদা হায়রিবা পাওন অসিদি খুবাক য়ৈহনা হুন্নাওরিবজাৎনি। মানা থবক ফংফংদবহুদা। মহাকনা থল্লি; মহুদি থবক ফংদহুনা ওাওচননা লৈবসি, মহাক্তা নত্তমাল্লে। অস্তুমনা থল্লহুনা মকওইনা ইংলিশদা ইবা থবরগী ই পাব, অমদি সরকারগী ওইবা অরুবা ই পাওশিং মানা পাথোক-পাশিন তৌহুনা ছাত্রশিংগী মথক্তা তেংবাংবিরম্মী। অহুগা করিগুম্বা সরকারগী মাইয়োক্তদি লেপ্লমদে। কাব—থোংবগী ইরাং হেক থোরকদা, মাদি হেক্তা লোৎখি। অস্তুম তৌহুনা মতেক-মক্তাদা হৈনহুনদ লৈরম্মী।

তৌকম খংলক্তহুনা মহাক ফুরিৎখাউদা লুপা অনিথক শাপচিন্নুনা কোক্টথোরকলম্মী। মমাননবশিংনা জীব—কারদ; মমাননবমক নত্রবসু মথা-নহাশিংন, প্রোফেসারনে হায়, ওফিসারনে হায তোহনা চংনরি; হননরি। মথোয়হু উকরগা অঙাওবগুমনা, মথন্দা মচিন্দা ইংলিশ পংলোন্দ হেক লোল্লি। মাগী ভাবনা দল্লান শারহুনা; মশামক আই সি এস পাস তৌরবা লৈবাক্তা মপু ওইরা, অমনি হায়না থল্লী। অহুদগীদি মাগী রাথল অহুনা অমদা কোক হেক হোংখিহুন, সেসন কোর্টদা অকাঙবা উকিল অমনি হায়না থহুনা, ইংলিশ প্রেং প্রেং লোরহুনা, উকিলগী মতৌগুম মথুৎ মশা

পংহাইদ-হাইরমই। মাগী মোৎলবা ফিজোল অমদি শাংলব তৌনা মুরবা খদাংগী কোই, পুন্নমক অসিগী মথক্তা মাগী মুক্তৌ অত্তুনা মাবু অউ—অউবা মী খুদিংমক্তা অঙাওবনি—অঙাওবনি হায়নত্তুনা মঙোন্দগী লাপনা—লাপনা, থৈনত্তুনা চৎনরম্মী। মেট্রিক থারিবা, অমদি পি ইউ সি তমথৎনরকলিবা ছাত্রশিংনা, মীনা ঙাংনবা তারগা খঙবগুম খঙদবগুম মখোয় মশেন পংঙাংদুনা ঙাংনরমই। হা মখোয়গী লাইরিক ফিলোসোফি হায়বা অদুদে, মী য়াম্না ঙাওনৈ হায়রে, য়াৱবদি স্তকলো লৌরুসে। মখোয়গী মরক্তগী অমনা হায়রকই। ফিলোসোফি লৌরগা মী ঙাওই হায়বসি চুমমাল্লেদ; আ করাংদা মথৌ মতুম অমা নপশিন্দুনা ৎস্বু; ফরাংদবু কর্ম্মা যন্না কাৱক্কগা, মথি কায়রম্লিবনো; হায়দুনা ফরাংদা যল কারকবগী শল খোঙ্গুল থিদুনা লৈ হায়নৈ। অদুদগী মখোয়—মশেন রা রা হেক্ নোকই। আদু হায়রিচৈলিদা ফিলো সাফর অঙাওবসে লাক্রে। মখোয় ময়ামগী মরক্তগী অমনা অমুক মখা শমথরকই। পৈশা অদুক য়াম্না চংদুনা তম্নগা ঙাঙুদো শরুক, চংখিবা শেলদুনা শাইকল অহনবা অনি-অহুমুদং লৈহৌরবদি ফনা কুইনা থৌননিকো। অমনা অমুক হায়থরকই। মীনা কৈ হায়না তম্নরিবনি, অহদা মাগীসি মাথা ফত্ত তৌরিবজাংঙ্গি। অদুদগী মখোয় ময়ামগী মরক্তগী অমনা ইশম শমলা, কৈক হায়রকই। ফিলোসোফরনেবু হায়রবদি মুপী য়াম্রে হায়নবলিক্লো। অদুদগীদি ময়াম পুম্না তোকচরগে—তোকচরগে হায়নরুত্তুনা, মখোয় মশেন মহৈ মহৈ কায়নদুনা চৎনগ্রে।

মহাক কনা জ্ঞান তাৎয়া খীনি। অহু খীন ম্বাবু অঙাওবা —অঙাওবা হায়নবঙ্গুদা, মহাক ঙাওব-ঙাওরবোই শন্দুনা অয়ামবা মতমদা অঙাওবগুমনা ঙাং—শকনা মাগী হৈনজবা হায়বগু ওই-রক্লে। চানিংঙাই-থকনিংঙাই লৈরক্তবগী রাবনে মমাম্নবগী মমাংদনা হেন্না ইকাইবনে; মখল্লাই অহু মুংঙাইগ্রহনা মোচি খুন্দা চংহনা খু-থকজুরে। ঙাওরদুনা মুমিদাংবাংরমদুদা, ডি এম কলেজগী মনিংমক্তা লৈবা থাংমৈবনগী অচৌবা লম্বী অহুদা ইশৈ শক্ল-হুনা তুরোই—ঙামলোক্ত তোনা হাইরদুনা লাক্লম্মী। ইশৈদি অসুমনা শক্লমই। মুংঙাইরে মুংঙাইরে য়্যা য়্যাহা, হা, হানহে হা, সিবুদা থোইনা মুংঙাইরে, য়্যা য়্যাহা হা; হায়রক্নুনা কনবু মুংঙাইবা ইশৈবু শকই। অসুমনা শক্লমবদগীনি মশা অহু পোয়োক মালাদা তুশিনখ্রে। অহুদগী মশা অহু উকুল-রাইকুল ইতৈ—তৈনা হৌসংলক্লগা ইশৈ শক্লমই। আ আ মেম্ম, আ আ মেম্মা। মেম্মা মেম্মা। কদাইদগী মেম্মনো? লমদম কৈদবু শাৎবীনো? তন শাম্বু লৈতনা পিজগে লাকও; লাকওনে লাকও। অসুমনা শক-তাবদগী হুৎ লৈথোক্তুনা অমা অমুক শকথরকই নিংঙাম্ন চাওবী লাকওলে; মুংশি যু পিথক্কে লাওনে অসুমনা রেডিওগী অঙাওবা ইশৈ মখৈ শাজিন—শাজিন্দুনা পংশক্ত শক্লমই।

অসুম হাক্কনা লাকনা পুং মখিয়োম তারকল্লুবা, মানা য়াম-লমক পামচক্লিবা মুপীমচা অমুনা কেলেজগী বয়্রুক্লা তাল অম চানা, স্থাপা কোক হেক মাইয়োক্লব মী। মুপীমচা অমুবু উবদা হয়াওরদুনা, মনাক্তা চংশিন চংশিন্না হায়রকই। হে। ইকাইখিবী;

লাওনে ইনাক্তা চংলকউনে। করিনো নঙ্গনা অক্তক ইকাই-রিব্রো ? ঐনা কোবদ্-দা নঙগী মুংশি খম্মোইনা খাংবা ওমত্রদ্-না চেপ্তকপা নত্ত্রনে অসিদা। রাখিকা! ওইনচাওবী, রাখিকা লাওনে, চংলকউনে কসম ঐ লৈরেনে অসিদা! হা হা হা নোকই। মশা অদ্ য়ামনা হাই-হুম্রদ্-না, মখুংনা মুপীমচা অদ্-দা লামগে তোরকই। মুপীমচা অদ্ থক্কৎনা কোইয়েং—য়েংলক্লগী য়ামনা কিনা মম্মুমলোমদা হৌনা চেনখির মী। চেনখ্রিবা মুপীমচা অদ্-গী মতুংদা, মহাকনা নোকলদ্-না ইশৈগা লোয়নমা—মেরেলিয়ে মে-রেলিয়ে, তুরোই-ঙামলোইনা, হায়রং-হায়রংনা তাল্লমই।

হায়রিবী মুপীমচা অসি থাংমৈবন্দগী হেক মমাংমক্তা লৈরিবা অচৌবা শোয়োকগী, মনিং হেক থংননা লৈরিবা অচৌবা বিলডিং অমদা লৈবিনি। মপানা ভোগেন কোই। সেসন্স কোর্টগী অচৌবা জজ সাহেবনি। মরু অহননা কলকত্তাদা ডাক্তর ট্রেনিং চংথি। মচেমহন্না ইবোতোম্বনা গারলস হায়ার সেকেন্ডরিদা লেকচরর ওইরি। মুপিমচা অসি য়ামনা খুৎ সত্ত লিংবা, ইনাক—কৈরাক খুনবা অচৌবা ইমুংগী মচানি। মচিন—মনাওগী অহমগী মমুংদা মহাক্না খ্বাইদগী ইতোন-তোনব হায়বদ্ ওইয়ে। মশা মপা ওইবশিংনা, থোইদোকনা অতোনবা মচাশিংবু য়ামদগী লেন্না লুনা তৌশিল্লি। কম্বিননো হায়ববু মখোয়গী মুক্তিগী মুংঙাইবা শক্তকগী অয়োইবদা, অতোপ্পা মচাশিংদ্-না মুংঙাইবগী ওমশৈ হায়বদু ওইয়ে। মমা—মপানা ইমুং অদ্-গী অঙাং শাবিনবা লৈরক্লবদা মহাকব্ অদ্-কগী মতিক লুনা—কেথোকনা য়োকপ্রে। চাক চাবা

ক্লাওবদা মখুৎনা চাত্রে। চামচনা চারদ্না, টেবলদা কমলগা ইংলিশ কেসনগা লোয়ননা, নাওথী শারদ্না লৈজরিবনি। মহাকগী পেরেন্টশিংনা, ইচাদি লাইরিক কৈ হারদ্না য়ামনা থাগৎলৈ, হরাওলৈ। মহাকগীদমক হায়দ্না মমল য়ামলবা কি—রোল লৈ-লৈদুনা শেংহল্লি। মপানা মরোল অমা লৈ, মমানা মরোল অমা লৈ। হাপ্তা কাংদনা লৈরকবনা, লৈবনা হেনমনখিদ্না শেং-বদি ঙমলকত্রে মমল য়ামলবা ফিরোলশিং অদ্ শেংবিরদ্না অরেম্বদা থবনা ক্লিয়ালখোকদা, থর অমনা উপু মহুংদা, থর অমনা অম্বারি মথক্তা চাইথোকুনা লৈরি। মমা মপা অনি অদুনা মখোয়গী মিৎদা মচামুপীনা, মখোয় মখোয়না লৈরকবা ফিশিং অদুবু থরা পামচনা শেংলবা অমদি মশদবু থর পকচনা উরবদি, মখোয় মখোয়গী মপুকনিংদ তুমিন-তুমিন চাওথোকচরমই।

অসুমনা ফিরোলদসু নত্তনা খুৎদা সনাগী খুদোব অমা, লুপাগী খুদোব অমা, ঙক্তা সনাগী লিক্লাং পরেং, পুন্নুমত্তাবী পাম্বোমদা পাম-বোম্ব ক্লাবী, খুদাংদা সনাগী খুজিগী লৈতেং; নাদনা সনাগী নাইন, করি অমুক হায়রুগনি, হুংঙাইবা মচাগী কুম্থে হায়বসে! চারে কমচা চারে। মোনথোক্লা হুংঙাইরে। নাওথী কয়া শাচরে। নোংমগী মহুংদা মহাক্কী রাব হায়ববু লাইরিক ছাইংাক পাব অদু নত্তনা অতৈ কদিসু লৈদে। তেম্বা মোনপাক মোন্দুমথক্তা য়াঙ্গনা, চরৈ নমথাং রাত্তনা, শেংব চাব মলিংনা, জিব কারদা খোংলোয় ওইদুনা লেপ্লিবা, মহাক্কী পুক্তি অসিমুক হুংঙাইবদি মকম কৈদবু হত্তবা? "নহানমুক্কী মপোক্তা করি করম্বা অকবা কর্ম্ম তৌরকত্তুনা, হন্দক মপোক অলিদা অদুক

হুংঙাইহৌরিবনো অঙকপি"। ইহে ! কাওথোক্লবনতে, হায়রম্লবা খল্লা থাংলিনে, মাগী হুংঙাইবগী মরমদা। মতুংদি মমাগী মচানুপীগী-মতম্তা ভেবগী লৈবিসিংঅম্মী. কোলেজ কাবদা পুনলবা। অদুবু মপানা মুমদা কোলেজগী নকমপ্রি হায়দুনা ঘারম্মদে। মরক-মরক্তা মপানা মহাকপু নকপ্রবা লম্মী অদুদা থিরকই, অমসুং ওকলৈ। জি পি কোলেজ অসি থাংগৎলবন্দ অসিদগী, লাপ্পবা অসি গুপ্পগী পোস্ট অনি নক্রগা অহুমলোমদি ওইরম্বা য়াই। অদুক নকপ্রবা লম্মী অদুদা মপানা মচাবু খেং উকুল তৈহল্লিংদবনগী থিরকলি-বনি। অদুম্না মহাকগী পুক্কি অদু য়াম্না হুংঙাইনা লেললি। অসিনি মথক্তা কাওথোরে হায়না পনচগ্রিবদু। ঙকরি হায়নবু-খায়-রূপনি, মচানুপী লৈশাবি ফারবি, চপি তম্বাতক্ক—তম্বাতরেং চংলক্লবী অদুবু মমানা ইচ দি হায়ব ইশ্বনি মরম ওকনি হায়দুনা মচানা কোলেজ কারমদা ইদা চন্দান থিনবি, বেনি লোনবি, ক্লিপ্পচিক তৈবি। অসোমদনা কমদৌরি লিলাসিং খোংনাংখোঙ হায়দুনদা তম্ব ছাত্র অমা অনিনা, মহাকনা কোলেজ কাবরকদা উনগদৌবগী, মতুং ইনকদবগী য়েংবা লাকবদা, মমানা শুমাং মতোন্দা নুংশা য়াইরদুনা মচানুপীবু চন্দান থিরদুনা লৈরম্বদু হেক উকল্লে। ইস ! হরে। হরে ! মসিবু লৌরবদি, চারনি চারনি হায়নহনা হন্দোক্লগে মথকতা হায়রিসি অদুকী মরমবনি।

ওরাই লম্মীদা মুবু লঙনদুনা তামক্কবা পাঙন লাব অদুম্ব এক্কি শুন্দানা ফারদুনা বিচ্না পুনলবা লাকললি। মহাকনা ইং-লিসনা ওনাশিং অদুদা মকম-মরাং শংদমখৈ পংলোনদ লোমজিল্লি

থুম ভুমক্রম শুনদাশিং অক্তুনা মাবু পংকুম—ফুবি। মখোয়গী মক্তোক্ত উবদা, কনা শুংঙাইবা কুপ্পৈ ওইনা থোক্রে। কক্ ৱাইখু য়ানবা, ময়াং কংব্রবা এক্তি শুনদা অমথকনা হায়রকই। উই ব্রিং নাও উইল টু বিট। উই উইল ব্রিং ইউ টু বিট নাও হায়না হায়গদবহুদা লায়া হায়খ্রিবনি। (অর্থনা হৌজিক ঐখোয়না নঙবু বিটদা পুগনি হায়রবনি) এম এ য়ুনা ঙাওরবা অক্তুনা শুনদা অহুদা হায়রমই। নয়োল থংদে, নংবু মৈতৈরা, চীংমীরা ? নত্রগা চীং—মৈতৈ অনিনা য়ানরক্তুনা পোকবরা, হাই চোংথু! হা হা মথনদা নোক্লমই। শাওরবা শুনদাশিং অক্তুনা মাবু য়ায়া থিনা ফুখিরবা মতুংদা, পুলিশগী মখুৎদা শিননরমই। মহাকবু এক্তি শুনশাশিনা কারিবা অমদি ফুরিবা অসি মহাক্না থকচিন—চাশিল্লগা থুগীমচা লঙনৈ, হায়বগী মরম্নি। পুলিশনা মহাকবু লমকেল বিটদা পুযক্লমী। মফম অক্তুদগী মাবু মুননা মশক থংবা, ও সি অমথক্না মাবু সলাম কৎলগা পুশিনখিবতু হেক উবদা, মাবু কাক্তুনা পুরকলিবা পুলিশশিং অদু মখোযগী মম।ইদা ইকাইবা অমদি অকিবনা য়ানরমই। তৌবদদি মঙোনদা সলাম কৎলিবা, ও - সি অসি সলাম কংকমদি থোক্তবনি. অদুবু মহাকনা হেক অঙাং ওইরিঙৈদগী হেৎনা তিননরক্লবা, অমদি মসুংগী অয়োখা থবক কয়ামুক্তা তেংবাংমিননগ্রবা মীশক অমনি হায়না খনুনা মাবু উবমক্তা, ময়াম মরাংদা. চাওনা সলাম কৎশিন্নক্তুনা ইকাই-খুম্নবা উৎলিবনি। "অবাবা মচা লেমনা মাঙদে হায়বগুম, কোমদা ভাক্করবদু সনা থেংনৈ হায়বগুমনা, মাগী মরাইবক্তুদু হুৰ্থিৎ থোকথ্রে।

অমানা মনাইবু কুধিরে। মুমিং অহুনগী হৌনা মহাকগী পুন্সিদা অকখা হায়বহু ওইরে। মহাক্না মশাইবক লৈখিবা মুমিং অতুনগী হৌনা মহাক্না পামচরমগ্রবা হুপীমচা অহুবু, নোংম—নোংমগী অহুম্মক ক ওবা হৌখিরম্মী। অসিগুম্বা মাখল অসিগা লোইনবা মহাক অহুম্মক মযুম মোশ্রে।

মংল্মানচাগী মতৌঙ্গুব

কোলেজগী লোক্লিশ বোর্ডদা; মাইস্সগী নেকচর্ম অম লাকলে হায়না খংহল্লি। মহাকগী মমিংনা মহম্মদ আলিমহেম্ কৌই ডিগ্রীনা এম এ পিঃ ফার্স্ট ক্লাসনি। মথংগী হুমিৎগী মঙানি শুবা, হুমিশুগী হোৱনা ক্লাস চংবা হৌরগনি।

আলিমহেমদি ঙসি জি পি উইমেন কলেজদা ফিজিক্স ডিপার্টমেন্টগী প্রোফেসার ওইরহুনা, ভেসবা অশংবা অমদা তেংলহুনা, মাগী পোশাকম খংলমহ্রবা থম্নোই অদুবু মথৌ শংগ্রে। মহাকী হাননবা কক্লমগ্রবা কোই ককগ্রে। শাংলগ্নবা শম তেনখ্রে। শ্যুইদ—টাই তৌহুনা য়াম্না লেমচনকম ওইরবা, রাশী শুন চংখোক্লনা মী অম ওইগ্রে। আলিমহেম হায়রিবসি এখোয়না রারিগী অহানবদা থেংনখিবা মুসলমান অদুগী মমিংনি। এখোয়না অহানবা রারি অসি পারকদা শুপ্পগী পাঙল অসিদবু খবক কংলমদবোই খল্লমই। অদুবু মুসলমানদি য়াম্বু—য়াম্নদে। মুসলমানদি লাইরহুনা মৈতৈ বি এ, এম এ কয়া—কয়ানা খবক কংনদহুনা, অরেম্বদা কবুলিয়া মখোঙগী লাইথি শাহুনা লৈরি। অরাবনি! শুপ্পগী ক্লাস টেন খক্তনা তৌগদবা খবক্তুদা বি এ, এম এ কয়ানা মুক্তরক্লে।

অরাবনি! মশা মশাগী জীবন হিংননবা লাক্লবদা কয়াদা রানরিবা। মী—মী চপ মাননৈ। ক্লাস টেনসু মীনি, এম এ সু মীনি, এমসু চাক চাই,—কাইয়েসু চাক চাই, হায়রহুমক খোক্লে। খবকগী মতাংদা ক্লাস লৈরবসু—লৈত্রবসু চপ মাননরে। হায়রবদি

তৌনিংঙাই মখক্তা লৈরক্তবা, অদুগা মীনিদি য়ামশিল্লকবনিনা। ওক্তোয়া তম্লবা য়াকমনি, চুমই—চুমদে খঙদে, হনদকতা সেমন কোর্টগী ওফিসদা মেট্রিক্‌লেটগী ওইনা জমাপ্রোসি লৌগনি, হায়না দরখাস্ত থানবদা বি এ অনিথকম্নু য়াওরকই হায়নৈ। অসিদুনু লোয়রেনে। ইঙ্গুংনা হেনলিবরা, নত্রগা হিংবা ওয়নবগীদমক ইঙ্গুং হনদোকপা তারিবরা? মসিনা তাকবদি মনিপুর অসি লাইরিক হৈবা মীশীং য়ামলক্তুনা অদুক য়াম্না য়ানরিবনি হায়বসিনি।

তৌইগুম্বসুং অদুক য়ামনা লাইরিক হৈনরবা মীয়ামশিঙ্গু কদাইদা লৈ, থিকরবদি অমত্তা লৈদে। মনিপুরগী খুঙ্গং-খুঙ্গং কয়াদা লৈরিবা হায়স্কুল, জে বি—নচিংবা স্কুল কয়ামুকতা অরুবা ওয়া মশিং য়াংবদগী ছাত্র কয়া-কয়া মাংনতুনা লৈ হায়রবসি, তশেং—অশেংনা উরি। অসি গুম্বরা থবক কংনদবগী মরক অনিদা এখোয়না তোপনা কুপ্পে অমসু উরি। মতুদি লাইরিক হৈরবা, ক্লাস য়ামরবা, অদুগা মথুত্তদি পৈশা—মরিকাওবা পাইত্রতুনা চেক য়াননবা ওমলুকত্রবা কাংবু অমনা হায়রি। পোইদু লৌয়োক-পাঙ্খা য়োকলে, লরাই-থরায়দা চেম্প্রতুনা লৌ য়ৈবা য়াওরুরসি। নত্রবদি চাদত্তুনা শিব তারে। গোমেণ্টদগী ট্রেকডর লৌথোক্লগা অচৌ অচৌবা লমজাউশিংদা লৌউ—শীংউত্তুনা শেঙ্গাও পায়সি। অদুনু ইদি—ইকাইখৎরেদা। করিনা হায়বনু, এখোয়না য়াঙ্গাং খুদিংগী হা মরাইমচা, হা খুদিং—খুদাং মচা, ককট মরক্তা লৈবা, চীং-চুম মকপা, অদুগা য়াঙ্গাং খুদিংগী হায়রিবনিদো। মুগা থম্বক-মবদি, এখোয়না মুক্তিমকগী চারি—থকলিবা শুমনক অসি অরাপ

অয়াম্বা লম্বাই খরাইদগী ভাক ওইরমজে। অদুবু চৌজিকনু হিং- ননকখীদমক, অসুক ইনো-নৌনা লত্তায়-থত্তাইনা চেক্লবা তাক্লবা। শুম। তোকুসি, তোকলি, ইকাইজে ভনি। চারবসু—চাক্লবসু অসুমক পংলৈ—খরৈনি। শুমদ শুমলকত্ৰগা সরুকাক্লমা অজাজোন হেক মতৌনি। (খবক কংলদবগী মতাং অসি অমদি মুললচিংবা কয়াদা অকবা ওবা মশিং হাজব অসি খৃঃ ১৯৭১ কাওবগী মপুঙ্গনি। ইং ১৯৭২ দগীদি মনিপুরনা কীবম হোংলকপা লোৱননা থরদি শেনকরক্কনি হাক্লনা খল্লি)

শেংবা-চাবগী ঐখোয় মৈরৈ মচানি, অতৈদগী চোপথক্ক হ্নরে। মেত্রিকুং পাস তৌরবদি স্যুইট তৌগদবনি। লৈরবসু লৈত্রবসু পুব থওদে, হাইবা থওদে, "বাই এনি মীন্স" মীগী অমাম্বা মাই খুবা য়াদে তোংনগদবনি। য়াওশংগী মতমদা কুস্মৈ কীয়োং য়াম্না তৌরগা অমদি চাকচা—হৈজ্জানবা তোইরগা, ঐ- খোয়গী লৈকাইনা মহেক্কে হায়নসু। ইচা—ইচু লুহোং—খোঙ- দোওবদা, লৌ—শীং থোক য়োঙ্খোকতুনা, চাওনা মীমাংদা হোংদোক্রগা লোইরে, কোক চাওদনবা, কৈদৌজরুগুবনো। অসুম্না মৈতৈশিংনা নন ইকোনোমিক ওইতুনা চাউথংলকগী খোংথাং অসিদা, নোংম—নোংমগী শোংথতুনা লৈল্লি হায়বসি, ঐখোয়না ওসি কাওবদা উল্লি। করি অসুক হায়রগনি; মুপীশিংবা, মশম শম্বাম্দোং ককতুনা য়োম্বোক্লগা, লুহোং—খোওদোক্লব অমদি কুস্মৈ- কীয়োং কয়াদা, কনেক ময়েক নাইবী হায়তুনা লোংনৈ। মশিংসু নত্তে। অয়াম্বা লিক-কোয়চিংবা হায়—হায়তুনা শিনখিদনি। মশিগী

মকওইব্যা বাদি, মীসাংদা চোপ্পা য়ারক-কায়সিনি। অদুগা খুক্তা স্নাকলিব্য ইনকমগা, এপ্পশেল্লগা ল্লেহেরুকবদি, চৎল্লিকনা খীনা খেল্লি। হায়বদি খুক্তা লুপা মঙাখক লৈচরবদুসু কিরোম বাইবল অরাইমন পিখোকল্লে। নক্তগসু মীচেলশী পুল্ল-কাঙলুহুনা লৌকরে, মহু অমুক শিংলকবা মতমদাদ মথোই হাওুনা শিংবা তায়করে, অরাবনি।

পুন্নমক অসিগী মথক্ত্য ময়াংগুল্লা অচোব—অয়েল্লী খবক তৌবসু চুমদে। এম্মা অচৌ অচৌবা থবক্তা মতৌশুলবনি। অদি হায়নদি হাস্নরগা অমুক থোংননবা, খুংদাং চাননবা লৈরক্তুহুনা। শেগ্গাও পায়বা ময়াং মারবাড়ীগী ক্তুকন্দা চেনশিন্দুনা, মখোয়গী মকমল্লা হায়চকল্লি। “অহনলমল্লদি হাল্লনরি, মীওইবগী পুন্দিদা খবকল্লাংবা লৈদে, হেক শিরবা মতমদা মীওইবগী খবক লোইরবদি খওু”। মসিবু চুমলিবস্রা, চুমত্রবরা খঙদে। অল্লিবা প্পাওতাক হায়লহুরা? অচুম্বনি হায়নসু লৌসি। মতুদি লাইল্লিক-লাইত্ত হৈরবা নহারোলশিংনা অহাংবা মতমদা য়ুমগী লুপী অঙাং লাইল্লিক লাইগু তাকবি-তল্লীবা য়াই, অমদি য়ুমগী খবক মচা—মত্ত গুবা য়াই। অদুবু মখোয়গী মপুকনিংলা অসিগুম্বা খবকনা মী-ওইবা য়াম্না হৌনদে হায়না খন্দুনা, অয়েল্লদা শোয়োক মপান্দা কয়্নহুনা মতম লৌল্লি। ঈী—কল্লিবা নহারোল অয়াখনা নেশা চা—খকতুনা লুপী—অঙাং লঙনৈ, লাও—থোংই, ফুনৈ, চৈনৈ। মসিদবু খবক হৈরকপদি হায়সিরা নত্রগা গুনিংদবনি হায়সিরা? খঙত্রে মসি মী-মীনা পুরে। য়াওবদি য়াওরম্বা য়াই; অতুমকপু উবদি উবিত্রি

মহুদি ভক্সিকাওবগী অসিনা ময়াং মচা অমতনা হুম্মিদাংবাইরমদা লেপ্পী চাতত্না শোয়োক্তা লাও-খোংনা চৎলগা উত্র। অসিগুম্বা অর্ধ-ভবগী থবক্সি মৈত্তেনদি শরু খিক মহেল্লি, তায়চবা য়াই। অহুনা চাউখত্না—চাউখলবগী থাক্ত অতৈদগী শোখনা অহুমক লৈম্বিব-সিনি। অহুমকবু মসি হেক থায়বস্ন ফংত্রে। মতুদি মৈতৈমচা গুমনা "খবক্তা ইচং থৌবা, মশা থিংবা অমদি হকথেংনরবা মতমদা মৈতৈমচাগুমনা থৌনা ফবসি, ভারতদা নত্তনা পৃথিবিগী মফমদা ভাংই"। কনানা খংবা! মতম অসিনবু লেপ্তুনা য়াওনবিরবদি লোংম মত্রদা মোত্মদি মৈতৈগী হুমিংনা, পৃথিবি শিন্থুনা ভাঙ্গরগনি হায়বা! মসিগা ভাইবং মপুনা থোক্তানবিবা ওইরসন্ন।

কেমেস্ট্রী ডিপার্টমেন্টগী কানি হুপীমচা অনিখক লেবোরেটরিদা ওক্সিজেন শুংবগী সিনক্ষ কনা তমলি। ছাত্রি কনা য়াম্বনি, অহুবু হুমিং অতুদদি মংখায় অনিদ মঙায়হৌরে। ক্লাসগী অয়োইবা পেয়োভলি। পুংগু মরিমখাই তাগদবা শুমগী মিনিট তরামঙায়োমদা মঙায়রকলে। হুপীমচা অনিতুগী মরক্তা অমদি হুচু ভৌই শকদি থোইনা কক্তদে, মমাই শাংই অমস্থং য়াংই। অমতুগীনা পুলে কুচু কময়োবিনি, বংশী ওথাকনা কৈ। "মহৌশানা কুচু হুবা মীওইশিংদা য়াশী হায়বসিনা খিক পকল্লি। করিনলো হায়বকদা অমুবা হায়বা অথিবা যাহৈ অসিবু কোকওরবগীদমক য়াশী হায়বা অসিনা কন হেক চোংশিনখিজুনা, মুনা যাশী লৈবিনি হেক কাপ্পহল্লি।" অদোমস্ন অযুক্তা নিংশিংবিয়ু, মতুদি শীংকেল লৈম্বাং [illegible], পামেল উমংলক্তা লোত্তুনা কল্লকচাউবা মালংবনা [illegible] লৈবাম

হৌবিদি মতাংগুম, কোইকপ-কোইকপ তৌনা পায়খৎলা উরবদা লোংচন্না মূনা মূনা য়েংলকপা, শীংজেল কৈদা প্রমান তৌবিদৈ ? মৈরাং কুচুতাবু য়েংলে অমু শীংদা চল্লিদো, শীংজেল মূনা রাশীবু ওমজেদো। এখোয়না লম্বী লমখাংদা অমদি য়েংলকপা মকমদা কুচু মূরব তৌনা রাশী নৈবী মুপীমচা লৈশাবীশিংনা হেক মাই-য়োক্লনা য়েংচবদি মঙমদে, অমুক য়েং, অমুক হেক্ লুকখ-তৌদুনা, ইকাই খুংশি য়াক্লনা, মিৎচিনা লোম্না লোম্না কাইহৌরকপা কন্নাদা লিংখিজবনো। মখোয়দুবু উরুরগা থম্মোইনুংদা, মকম মরাং খংদনা খুংগাই ইথক কারবই। থম্মোইমুংদা খুংশি—তীনলা লোম্না লোম্না চিকবা হে রকই। অত্তুদগীদি নেংমা-নিনিদা ওই-রবস্ত, উকবা অত্তুনা অহিং খুমস্ত খরদি মনুংঙাই, চাব-থকস্ত খর মখৈদি মহাওই। অসিনি নহা ওইরিবৈংগী খুংঙাই ইথক ইরাং কাবা হায়বদু। অত্তুমকথু মদিদনস্ত হেক লোইবা নত্তে। নহা ওইরিবৈংদা খুংঙাই-ইথক-ইরাং কাবা হায়বসি, শীংথাবদা লোয়বা নাইবা নত্তে। কনানা কুমৈ ফিরোংদগী, কনানা খুংশি খুংঙোল রারিদগী, কনামগীনা থাবল কবা অহিংগী পুক্রি মশাল কব্বিরৈ মখোংদা ......। মতাং অসিবাইদা অদোমগী থম্মোই-মস্ত অম্পক নিংশিংবিরল্লগনি হায়না খল্লবি।

হৌজিক এখোয় অমুক নৌবৌনা মুপীমচা অনি অসিগী মরমদা খঙবা গৌবিরনি। কুচু মূনা রাশী নৈ হায়রিবি মুপীমচা অসি শীংজেল কাকলৈগুম্না কজে। রাতোনস্ত লংই, কুপ্না চাং মাখৈ। প্রমানলোমদনা কবোহৈ হৈতাগী রাতুনি। মশম মনা পুরমকস,

লিংখি। মী থোইনা রাং-চাউসে, কীবম কজে। থোইদোকনা শুক্তা ওইবীশিংগী ইনথৎলকগী হৌনবী, য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা তাংথক নাইবা অদুগুম্বা হকচাংগী মত্তাংদ্রুমকনি। কুচু ভৌবী অদুনা হায়রকই। লত্তা চৎলসিরা, থঙস্-থঙদ্রে। ঐখোয় অনিদা অহৈ শা লৈদৌ শরুক। (কুচু মুবীডুগী মমিংমি লত্তা হায়না কৌরমায়ে, অমত্তুগীদি থঙ্ত্রি, অদুবু কোম্না থঙলবস্ হাই)

লত্তানা অমুক হায়রকই। মী য়ামদ্রিবৈংসিদা. ঐখোয় অনিদা চিকনা তমহৌবনা কৎত্রো? মীয়ক্তা চরাং-চরাং জ্ঞান-মেন তাদবমখৈ তমদৌ শরুক। (In the laboratory oxygen is prepared by heating potassium chlorate and a compound rich in oxygen with manganese dioxide.



$$2KClO_3 = 2KCl + 3O_2.$$

ওক্সিজেন অমি কা মন্নুংদা, পোটাসিয়ম ক্লোরেটনা শরুক অমগীনা ৪ গ্রোম অমস্ং মেঙ্গানিজ দাই ওক্সাইটনা শরুক ১ গ্রোম তিনশিন্নরগা শুংই। মসি শুংননবগীদমক ইলেক্ট্রীকগী অমদি খুৎগী ওইবা থুৎলাই মচা মখল মখল কয়ামুক লৈ) মখোয় অনিনা পোটাসিয়ম ক্লোরেট অসি শকক কয়া হাপকদবনো হায়বসি তাইহাকতুদা থংকাও—হেক কাওখিরম্মী। অদুনা মখোয়না তাইহাক তাওনদুনা লৈরুবগী য়ানি। ওক্সিজেন শুংবগী নিয়ম অসি পাক—চাওনা হাপচগে হায়ববু, লাইরিক অসিগী মপুং ওইবা উদ্দেশ্যদি নত্তবনা হাপচত্রে।

কুচু ঙোৌবী অহুনা নোকলব্ ভৌরহুনা হায়রকই। ঐখোয় অনি অসি য়াম্না হৈদোরি জাৎনিকো, ক্লাসদি বি এ সেকেন্দ ইয়ারনি হায় অহুগা করিমত্তা খঙব্রবসিবু! মহুদা লতানা শাও-রবনা হায়রকই। এ। অতৈদি লোয়না খঙইসে, অসিদবু কাও-খিদৌনি। অহুদগী মখোয় অনিমক মী লৈদে মতাগুম্না, হৌনা নোক্লকই। কাংঙ খোঞ্জেনবু ঙমচবী নিংথিবীশিংহুগী মীনোক্লা, পিক্লবা কা অহুদগী তাওথোকখিহুনা, হাংল' মালংদা ইপোম লাংলুরি। মখোয় অনিনা লৈরিবা কাহুগী বেরেণ্টাদা, ওজা আলিম্না সুংশা য়াইরহুনা বেরোড লোইহন্নিংলবগী মতাগুম, ঘড়ীদা ঙাইহাক লৈ-তনা য়েংলহুনা, চৌকিদা ফমলহুনা লৈরি। মখোয়না ইথং—খংহৌদনা নোক্লকত্তদা, করি ভৌরগেনে নোবলিববো, করি—খঙ-ত্রগেনে, হায়না হংলহুনা কাহুদা চংশিল্লকই। কুচু ঙোৌবী অহুনা করিমত্তা ইকাই—হঙ্গোয়বা লৈতনা, মখোয়গী খঙদবহু কৎ—ফৎ হায়দোক্লহুনা, ওঝাহুদা তাকহনলম্মী।

ওঝা'হুনা থরায় য়াওনা তাকবা হৌরক্লমই। মহুদা কুচু ঙোৌবী অহুদি থরায় য়াওনা ওঝানা তাকবহুদা য়েংলমই। তৌ-ইগুম্বগুং লত্তাদদি করি তৌরবনো খঙদে, ওঝাহুবু হেক উবদগীদি অরাবা রাখলনা লাকহৎলব মীগুম্না, মমাই—ঙাংশং ঙাংশিল্লা ভুমিল্লা লেপ্লহুনা লৈরে। ওঝাহুদা মিৎকম—হোংদনস্ য়েংলমই। মাগী মিৎয়েং অহু, অচম্বা মিৎয়েং ওইরবগা হায়বস্ নত্তে। পাখৎনা অমদি য়াম্না ইকাইবা মিৎয়েংনা য়েংলমই। মহাকনা অসুম্না ভুমিল্লা লৈবহুনা, চিক্লমলবা কা অহু অমুক হল্লা চিকহনগে

থোরাংই। অদুগু মাঙ্গী থোরাং অদু থুগাইদুনা, ওনা আলিঙ্গা হংলকই ? খঙলদ্রো নংদে, করিগীনো তুমিন্না লৈরিবা ? নখোয় মুখা তাহৌ—খঙচহৌ। সাইকল হায়বগিদি অকঙ্গা য়াম। নুবনি, মতম থরা হেক থাদোকলুবগা হেক্তা কাওথিবনি, অদুনা মুখা য়েংচহৌ। অসুম্বা লেকচরগী হৌনবী প্রেং প্রেং ঙাংলদুনা লতাগী মাইথোংদা তম্না য়েংখৎলকই। লতাগী মিৎলু অনিদগী শিঙ্গাং শিঙ্গদুনা, মত্তোন্না মুখা য়েংলদুনা লৈরম্বদু উবদা, মহাক ঙকবনা লোইখ্রে।" মখোয় অনি মিনিট মঙারোম মিৎ কুপ্পনা য়েংবদুনা লৈরে।

মখোয় অনিগী মতোৎদা কুচু ঙৌবী অদুম্ব ঙক্লকলে। য়েংচবা ঙমদ্রবদুনা মমাই লুকথনা লৈগ্রে। অঙকবা অমগা লোয়নবনা, মহাকা খল্লকই। ঐখোয়গী লতাসে নহানমখৈ মঙং অমদা লৈরম্বা ওইরে। ঐবু ফাওবা কম্রিমত্তা খংবদনা থুগু না লৈরিবোইরে। মখোয় অনি ঙাইহাক য়েংনবনবা মতুংদা, ওবা ওদুনা কচ—ঙৌবী অদুদা ওনশিন্দুনা, হিক্রবা খোনজলমদা পেরোড লোইরে চৎলো হায়রমলগা, থুনা মপান্দ থোকখ্রে।

লম্বী চৎলা চংনা আলিঙ্গা খল্লি। ওসাইগী থুপীমক্তা অদুবু, ঐনা চক্কি অহুমলোমগী মমাংদা, ঐনা লঙনকথা থুপীমক্তা অহ ওইরমলেক্কো, বিক্কু। বিক্কু !! ঐনা মাবু শকখংবসি, মগী কোইরাওনবী মিৎনা অনিক্কুগী য়েংখংবা শারী মথাদা থংজিবা থকত্র মচা অদুমনা থংবা ঙমলিকো। মহাক্তা য়াম্না মচিন্না অমুকং খোল্লকই। মতম অমাদা ঐনা মাবু অম্ভুকপী মতিক্ক মুংশিনা

য়েংচরমই হায়বগী খুদম ওইনা, মহাক্কী অমুবা শমক্র মচা অহু-দনা হাংলবা ঐগী থম্মোইসিদা তাক্লয়েদো। আ! মতম অহু কয়ম্না কাওগনি। মতম কুইনা থৈরুরবা ঐগী নুংশি ইচেল, ঙসিনা নৌহৌননা অমুক চেনশিল্লরুবা! উমলত্রবহুদা ময়ুম মকৈ পানগ্রমাংল্লে, অমুক হল্লা উচবা ফংলরোইদরা হায়না খল্লরবনি। কয়া রানা কয়ারকসু ঐগী থম্মোইনা মাবু কৌহুনা রানা রানা কয়ারক কপচগ্রবনি, কয়ারকসু রাচগ্রবনি। অহুবু ঙসিদি ঐগী চিনথকগী খাদা ইচা ওইহুনা লৈরমলবা!! ঐনা চিংনরিবা অমমা মহাক্কা মমিৎদা মপি তানা কপলক্কা অহুনদি, মহাক শোইদনা মোকক্কা হায়বহ্ ওইরবজাৎনি। নত্রগা ময়ুম—মকৈ পাল্লহুনা, ঐবু উরগা নিংঙমদনা কপলিব ঙ ৎনি। অমমনা খন্দোল্লহুনা, মহাক্কী লাংলুরবা 'থম্মোই অহু ফাথরহুনা, করিগুম্বা মখলগী অরাবা অমদা পক্কনা, অহিং অহু লেনথ্রে।

লমগী চেক্লা উরুবদা, য়ুমগী পোম্বী ঙাওরক্পা।

অমহিকসুং লতাদদি থৌদোক অতুগী অহিং ফনা থেংচিল্লকুবস, তুম্ব তৌদনা খাংঙমদবা মৈচাকগা লোয়ননা লেল্লি। হৌখ্রবা পুন্সিগী নিংঙমহৌত্রবা থম্মোইগী ব্রাকৎ অদো যোংদে কগে হায়না খল্লিববা কৈংে। মখুত্তা ফলম পাযখক্ না চেজেৎ অমদা, ববি—বরিনো খত ইবি। ব্রাহৈ অম—অনি ইক্রুরবা মতুংদা চেজেংতু, ইনিংবা— ডবা ৎমত্রবা হ গতুবা, অরেম্বদা শ্রু শ্রু নোইহংথুনা, হিল্লা হিক্কা ফপালি অম্বম্বা কম্লমথৈ কপলুরগা, ফমুংদা চংথুনা হিপই, হিপ্লদি য়াদ্রে। হিপগে হেক তৌরকগা, থোকখ্রিবা থৌদোক কয়া—কযাতু নিংশিংলক্কুনা, মমিৎনা শং শং উরবই। মহাকবু কৌরবখিবা খোঞ্জেল অদুমকনা, চৌজিং হৌজিক মকগুমনা মাগী নাপদা দং দং যৈশিল্লকই।

"মেমা মেমা, এনা নঙগী মিং হংবসে, হুংশিত্তনা হংবনি, লঙনগে তৌব নত্তে, অমুক্তদি শেংনা তাক্লমওগবা"? অম্বম্বা অমুক—অনিরক্ত নত্তে, মশিং লাকঙমখিদ্রবনি, থেংনখ্রিবা খুদি নী। মাগী ব্রাকংগী পাওখুম পিবদি লায়রতুনা, তাবফাও—তাবিরমদে। নোংমা মহাক্না ইকজগে হাযনা হোৎনরিঙৈদা, আলিমনা লাক্কুনা শমবল্লে মরুমদা থুপলগা মাবু য়েংচরমাল্লে। মহুদা লতাগী মমানা আলিমদা থিরবা ব্রাহৈনা হায়বিখিবা ব্রাহৈশিংদুনা, তশেংনা মাগী নাকোংদা মৈশিল্লক্লম্মী। তুম্বদগী ফুক হৌগক্লনা ফমই ইস! হায়না তকশী শোল্লদুনা, মখুৎ অনিনা মনাকোং অনিদু মেনশিল্লম্মী। মমানা অম্বমনা হায়খি। হায় পাঙল নঙবুনহে

করি য়েংঙিগেনে অসিদা। নখোয় পাঙলনা মৈতৈবু পামচবশি, পাঙলনা অল্লা নিংচবমুক আমত্তা ওইরেকো। চৎলু চৎলু, য়েংগে হায়বা লৈরবস্তু, হোইরেল ইকুজয়গা মফি ফোৎবসিদা য়েংচরাও, অদুগা নমও হুংঙাইচরু। অসিদস্তু নওনা মীমাঙ থোকবা মাল্লবা বা কয়া কয়াস্তু ক্লান্নবিদুনা তানথোকখিরম্মী। (মমানা থিনা খিনা হাযত্লনা আলিমবু তামথোকহনখিবদুস্থ, মহাক্লা ইনশিখ্রদগীনি) হৌজিক্তি মহাক তমথিরবা মীচৈশিংদু নিংশিংলুবদা, থম্মোই কায়গদবমখৈ, মথম্মোই অদু নিকনা খাংলমই। হুমিৎ অদুদগী আলিম লৈরি হায়বসে, পুমকাও—কাওকরবনি। অদুগা ঙসিনা করম্না, ঐগী ওঝা ওইদুনা লৈরমলবা॥ খল্লু খল্লুরগা ইকাইরকনা তুম্ব ঙমদ্রুনা খাং মদনা যুক ফুক তৌগৎলমই। মশাদু লৈফম থংদ্রে, য়ামনা ওমচাকনরক্লে। যনা মমল য়ামলবা, ইলেকট্রিকগী পাংখা পান্দুনস্তু, মপাস্তোংগী হকচাংবু ইংহনগে হায়দুনা ফনা তোৎনচদুনস্তু, থপোইক্লংগী ওমচাক্লরবা মৈচাক অত্থদবুদি ইংথহখা ঙম্লমদে। হয়েংনা করম্না উনকগদৌবিবা। অস্তুনা খল্লম্বদগী অহিংনা ফনা থেংচিল্লক্লবদা, নিদ্রা ইমাগী নাওথেমনা কল্লকনে, থম্মোইহুংদা আশাগী মঙান অম ফাওরক্লবগুম, তুমিন্না য়াচরমলবী লতাদো; নিদ্রা ইমাগী তম্বাক্তা যাহিপচখ্রে।

লতা অসি ঙাইহাক হুংঙাইনা তুমচখিসনু। মহাক্লা তুমচরিঙৈসিদা, ঐখোয় করিগুম্বা থরদং হায়া খঙখিসি। মন্থুদি চহি অনি—অত্থমলোমগী মমুংসিদা, লতা অমদি আলিমহেম মখোয় নিনজ অমনা, অমবু শক খঙনখিদে। হায়বদি লতানা আলিমবু

মহাক্কী কোলেজদা লেকচর ওইরি হায়ব অসি খঙলমদে। আলিমনস্থ লতাবু মহাক্কী কোলেজদা তমলি হায়বস্থ খংলমদে। আলিমনা কোলেজতুদা লাকবসিস্থ চাউরাক্না চহি অনিরোম ফা-ফাংত্রি। মহাক্‌না লতাবু অহানবা চহিদা থেংনখিবা মতম অদুদা, লতা অসি পি ইউ সিদা তম্বদা মঙায়রি। হৌজিক লতানা বি এ সেকেন্দ ইয়ার তমলকবা চহি অসিস্থ, চহিগী অহানবা সেপ্টম্বর থা ওইবনা, চহিস্থ চিংবা যাত্রি। অদুনা লতা অমদি আলিম মখোয় অনিনা অমনা অমবু খঙনদনা, নৈনকরিবা মতম অসি, লতানা বি এ সি ফার্স্ট ইয়ার তমখিবা চহি অসিনি। মহাক্না বি এ সি ফার্স্ট ইয়ার তমলকবা, চহি অদুদা আলিমস্থ লেকচর ওইবদা হৌরকলি। ঐখোয়না লায়না খংবা ঙমই। মতুদি চহি অমা হাযবা মতম অসিনা কোলেজগী পুঙ্গিদা কযামুক তেনবগে হায়বসি। হায়স্কুলগুমনা নোংম ইজিং লাপ্তে, ছুটি তেনদে। কোলেজদদি খঙহৌদনা সময় ফিকেসন লাকই, দুর্গা পুজা লাকই, অদুগী অতৈ—অতৈ ময়ম কয়ামুকগী ছুটিস্থ মনম্ মনম্ লাকই। ছুটিদস্থ নত্তনা নৈবাক্কী ওইবা ইরাং কয়া কয়ানা ময়ম ওইদুনা কোলেজ থিংই, থিংবস্থ অরপ্পা মতম নাইনা থিংদে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা, হাযস্কুলদা লাইরিক তমবগুমনা মতম ককনা, হাযবদি পুং তয়াদগীবু ওইরবস্থ, মাপলদগীবু ওইরবস্থ, অস্থমনা অককনবা মতমদগী হেরগা, অস্থক্তা ছুটি থাবা হায়বনচিংবা অরেপ্পা মতম অমদা তৌদে। ক্লাস অনেম—অরাংগী মতংইক্না কনাগীনা পুং নিপাল মথাইদগী হৌই, কনাগীনা

ময়পালদগী হৌই। অতুগা ছুটি থাবন্থ কনানা পুং অনিদা থাখি। কনানা পুং মরিমথাই কাওব্না ক্লাস লোইনদে। অসিনি কো-লেজগী হুংঙাইবা পুন্সি হায়বদো।

ছাত্র খরনা ক্লাস তোহ্নুনা লৈরিভৈদা, ছাত্র খরনা পেয়োত লৈদে হায়রুন .কাইরাং লাংতুনা, পংচৎদ—চৎনহুনা লৈ। অমুম্না চহি অমা হায়বতু করিস্ত খংহৌদনা লোইখি। তেনগ্রবা মতম অসিদা লতা অমস্মুং আলিম মখোয় অনিস্মু অমনা অমবু খঙন-হৌদে। অহুননি আশিমনা লতাবু উবমক্তদা, য়ামনা ওকনা খনগ্রিবা মহাক্তগ নত্তনা লভাস্মু ওকনা পোকখি। মখোয় অনিনা শক খংনবা সেপ্তেম্বর থা অহুগী অহান্বা চয়েল অহুদগী হৌনা লেস্সন এ গী ওইনা চেঙ্গ কৌরকই। লভানা বি এ অহানবা তমলকবা চহিহুদদি ছাত্রিশ্ব যাম্না য়াম্বনিনা লেস্সন এ বি হায়না শরুক অনিথোকনা থায়দোকই। চহি অহুদা মহাক লেস্সন থিগী ওহনা তাকই। অহুনা চহি অহুদদি মখোয় অনি খংনখিদবগী মরম ওইখি।

নোংঙাল্লবদা অয়ুক্তী হৌনবী লোইরগা, কোলেজ নম্মকা—কাচরকই। অহুবু লাইবক থিবনা মুমিৎ অহুদদি কোলেজ থিং-লমলে। (ইং ১৯৭১ গী সেপ্তেম্বর থাগী তারিখ ২৪দা থোকখিবা হঙ্গর স্ট্রাইক অহুগী মরিদগীনি) ময়ামনা মহৈ মহৈ হল্লখিবহু উবনা, মপুকনিং হুংশিনা জি পি উইমেন কোলেজগী, নোংপোক থংবদা হৌরিবা হৈনৌ মখোং অহুদা লেপ্পুনা লৈরি। অমুক য়ামগ্রবা ছাত্র—ছাত্রিশিং অহুগী মরক্তা মহাকনা য়েংচনিংইরবা অহুবদি

মরাওররকওবা লৈখিরে। (ছাত্র হাল্লক্লিবসি ডি এম কোলেজগীনি, ইং ১৯৭১—৭৩ ফাওবগী মতুংসিদদি ডি এম কোলেজ, জি পি কোলেজ লগী অমদা পুন্না লৈরম্মী) য়ামলম্বদগী ছাত্র অমা—অনিদা হায়মক্লবা ফাওবদা, কাইদোংলক্কগী হাংহৌরবী চেক্লাগুমনা, হৈনৌ মখোং অহুদা তরক—তরকনা য়েংচরি মতোমক্কা। অহুদগী লৌশিং লাক্তুনা ওফিসদ চংশিঞ্জতুনা ইকাই—ইকাইনা য়েংচকই, য়াওরমহিকদে স্টাবদস্থ অমুক যেংচরুই, ওঝা, অম অনি লৈরমবা মক্কনা থিরকলিবা মহাক্কুদি ময়াওরমদে। নিংগুমদ নিংগুমদ হনদোকচরকতুনা অমুকমু হান্নগী হৈনৌ-মখোং অহুদা লেপচরে। কোংগুমক্লবা থম্মোইনুংগী অরাবনা, লাকহৎতুনা, মিৎলুদা পিরাং ইহোরকঁলে। অহুদগী মতোম থম্মোইদুংদা য়ানা হংচরকই? করিগীনো এগী থর্ম্মোইনা অমুক য়ারিবসিবো। ইপোকচৌদগী অমুম্মা অমুক্কা ফাওবা য়াচরকখি-দ। ভরাংদগীনা ভসিক্কা ওবা অসিনা কয়াক্কা শাংগ্রবা হুমিং ওইরিবা। অঙকব ন! এগী থম্মোইথুংদা তৌরিবা মতৌ অসিবু করিনো? হকচং ইচোক—চোকথনা, পম্বাদ—য়ারসিবু করি মতৌ কৌবগে? মাবু নু শিকুবগী মহৈনরা? মুংশিব হায়বসি অমুম্মা য়াবোইয়ে। কনাগুম্বনদি মুংশিব হায়বসি অতাংবনি হায়নবদাই। কদাই ঐদদি মাবু মুংশিক্রবনা, কৈদা মুংঙাইরিবা, যদাইদা মুংশিবনা অতাংবা ওইরিবা? থডলে, থডলে পুন্নমক অয়াবনি। মুংশিকবা ঐদগী ইরালনি, পামচক্লবা ঐদনা অপাংবনি। পাম্বীরমলোই মহাক্কদি, মুংশিবিরমলোই কৈগ, কোলেজ্জ প্রোফেলার অমনা ঐগুম্বী অমবু মিৎচিনা হুম্না য়েংবিরকবা

ওইথোক্তবনি। অতুগীশু মথক্তা ঐনা লওচখিবা ইয়াল অতুনা মহাকনা ঐবু করি ওইনা খনবিবমখিগনি ? অহুমকবু ঐগী থম্মোইশুংগী অরাবসি কোকননবা করি উপাইদি লৈ ? ও! মহাকগী খোয়্-থুমলবা মখোঞ্জেল অতুনা, হাম্নগুমনা অমুক্তং "মেম্মা" হায়না কৌবিয়রকবদিকো !! পিক্রবা ঐগী ইচিন মচানিনা, কম্না হৌনা খুমচগবা পেম্না অমুক্তং, ঐনা মঙোন্দা! ও মায়েদকো ঐদি, খঙলিরোহদকো নঙদি! অশুম্না মতোম থম্মোইশুংদা য়ানা শোঞ্জ-য়কই। কনাশু লেনয়কত্রবা অতুদ মথন্দা অঙাওবীগুম লেপতুনা লৈবা য়াবক্তুহুনা মযুমলোমদা হল্লব তৌয়কই।

চংলমদাই অতুদা, খোংথাং অমা—অনিদং থাংবা হৌয়কদা তুমিন্না লেপতুনা লৈহৌরগদগী হৈনৌ পাম্বী অতুবু খংলুং—মুং-শিরকই। অমবু মুংশিবা হৌরুবদগী অমস্তু, অমস্তু ইগুংগ-মুংশি-রক্লমান্নে! তুমিং অতুদা মহাক্না তোল্লবা হৈনৌ পাম্বী অমদি, কোলেজ অতুবু, কয়াম্বুক মুংশিবগে হাযবহু হায়কম খংদে! তুমিং অতুমক্তগী, হেনৌ পাম্বী অতুবু মচেম্মকনি খক্লকই। মতম অমদা থাদোক্লম্লগদবনি হাযনা খল্লুবদা, মমা শক্লবী কোলেজগী চাউয়বা শং অতুবু উবদা, মমিত্তা অরেপ্পা লৈতনা মপি শিম্বয়কই। চংনা চংনা মচেম শক্লবী, হৈনৌপাম্বী অতুবু নিংশিংলকই। কালেনগী শারবা মুংশাদা, ওমচাক্লয়বী অযাম্বা ছাত্রিশিংনা ক্লাসদগী মপান থোরকতুনা হৈনৌ পাম্বী অসিগী মখোংদা ফমহুনা উক্লম লাংনৈ। উখোংসিদা ফমতুনা ছাত্রি কনামনা, লাইরিক মচুংদগী থম্মোই মুংশি পাউদম লৌথোক্লহুনা তুমিন—তুমিন্না পানৈ।

কনামনা ৭শ্মোই মিংশেনগী মশক ওইরবা, লাইরিক মন্নুংদা লোয়না য়েপ্পুনা পুজরকলিবা, ফোটো অতুবু লৌথোকতুনা চিংনা চিংনা য়েংচৈ।

মরক—মরক্তা মীরং নারং য়েংতুনা, অমুক হেক হাপচিল্লি, অ না হেক লৌথোকই। অসুম্বা মখোয়গী রাববা অমদি মুং-ঙাইরবা মতম কয়াসুক্তা, মচম শক্তবী উথোংসিদা পোথানতুনা মতম লেপ্লি। অসিমক নত্তবশিংমক্ত রারিমক্ত চিকনা শান্নিংবা ওইরবস নত্রগা অম—অমবু তানবা ওইরবসু, চিক্কা ডাথোংসিদা ফমচরিবনি। উথোং অতুদা ফমলিবী মথোয় থরগী মিক্তনা অক্সুম্না উরকই। মতুদি ইম্ফাল সহরগী অকোইবদা লৈরিবা নিংথিজরবা মহৌশা লাইরেম্বীগী ওইবা নিংথিজরবা দৃশ্য কয়া কয়া। মনি-পুরদা ইম্ফাল সহর অসিবু হেনবীনিঙাই, মনিপুরগী মকম কৈ দম্ব লৈরে। হায়রিবা সহর অসিগী নোংপোক থংবা মাইগৈদা তুম্বক—তুম্বকনা নিংথিচরবা চীং মচা—মচাশিং। চীং মচা—মচাশিং অতুগী চীং ও চীংয দা শন্দে কগ্রিবা অহাংবা লবুক—লমহাং। চীং ক্তা উচাল পান্বীগী পরেং—পরেং। অমসুং পাকচাউরবা শোরোকগী নাকন—নাকন্দা, অশংবা মনানা লুমলবা, মুংশিরবা লৈরাংগী মপৈনা য়োমলবা কবুলিয়া পান্বীশিংগী পরেং পরেং। বসন্তগী মতমনা ওইবনা লৈরাংশিংগী লৈশাদা; পান্বী চেক্লাশিংনা পামেল থুদিং, উশা থুদিংদা অমদগী অমদা পাইতুনা কয়াদা চন্নাওনা য়াকাইরিবা। কবুলিযা পান্বীগী মরুমদনা যনবী-যন্নাউশিংনা শগুব শাইরতুনা লেপলি, উইন্নি-কুন্নরি।

পিরাংলক্কা লৈতাগী য়োক্লোন

অরাংথংবা মাইকৈরোমদনা থাংমৈবন্দ সহরগী মরক্তা মশিং থীঙমদনা ফুরা—দলান, চাওরা—চাওরবা য়ুম—কৈগী মপৈ—মপৈ লৈরি। নিংথিজরবা খুৎশেমগী লৈকোন কয়া—কয়ানা সহর অসিবু ফুরা দলানগী মথক্তা অমুক্কা হেন্না নিংথিজহল্লি। সহর অসিগী মনিংমক্তা শন্দোকখ্রিবা পাক চাউরবা লম্ফেল লম্পাক, লম্পাক অসিগী মথক্তা অরা—অনা কয়া কোকবিবা ঙমলবা চীংগুম চাও—শাংলবা লায়েংশঙ অমদি লৌউ—শিংউবগী লোয়শঙ কয়ামুক্কা লম্বাক অসিবু থলহল্লি। চাও—শাংলবা নিংথিরবা য়ুমশিংজু উবদা, অা লবাইগী নোং—য়ুরবা শিংগ্রেং—মাংগ্রেংগী থাঙপোকশঙশিং অতু পুমকাও—হেক কাওরকই। সহর অসিগী মনিং পাংলা লৈরিবা নিংথিজরবা চীংশাং পরেং অডুনা, সহর অসিগী ঙমখৈ ওইখ্রি। চাওরবা য়ুমগী হিথোলবু, অরাংবা লেপন্না থাচিনবগুম, চীংশাং পরেং অসিনা সহর অসিবুস্থ থাচিল্লি।

মকম অসিগী নোংচুপ্তনা অসিনি হায়রম লৈতনা চাউখংলব উরিপোক, সগোলবন্দ, তেরা, খা মাইকৈরোমদনা শিংজমৈ, কৈশামপাৎ, রাংখৈ, মখোয় ঙমমক্কা ফুরা—দলান্না থল্লবা স্কুল কলেজ কয়া—কয়ানা লৈতেংলবা, চাউখংলবা ইম্ফাল সহরগী মশা ঙাক্কনি। অস্তুম্বা নিংথিজরবা মকমশিং অসিদগী খতুগী মতুংইন্না পাৎ কোম, পুঞ্জী-খোংবাল কয়াদা—ফুগায়না থরো—থম্বাল থারিকথা পুন্নমকনা লৈতেংলকবা, অমদি সুমিদাংবাইগী কান্নুদা তমমানা কোরি চেল্লরুবদা, নামিবা মলয়ানা থম্বাল

লৈবাক্‌গী খেংলবা লৈবাক— লৈনদু পূর্না লিরি লিরি হুম-লকবা, লৈনমহুনা. যৈরদা লৌবাং গুরিবশিং অকুপী-মকাদা কব্রাকী মিভিক নুংঙাইবা, শান্তি—শানৌশিংগী থম্মোইদদা কয়াসা নুংশি—নুংঙোলহন্নিবা, অদুমনা কয়াদা নিংথিজরবা সনা লৈবাক মনি-পুরনো ? (কক্রে, নিংথিখিরে হায়রিবা মকমশিং অশিবুদি এই-খোয়গী লম্বাই—থৌবাইদনা হেন্না নিংথিজরিবপোৎনি। অদুবু ঐখোয়গী অস্বিগুম্বদি নিংশিংবিবা পোৎ নত্তে। মখোয়গী চাউ-খৎলবা মকমশিংদুনি; সনাগুম্বীশিংসিনা নিংশিংবিরিবসি)

ত্তশেংনমক. ইম্ফাল সহর অসি, পৃথিবিদা তাংলবা মার্কিন আমেরিকাগী স্কুই লার্কী মতৌগুম্না নিংথিজরে হায়রা য়াই। কনাগুমবনা ইমফাল সহরগী, রাংমদা থোক্লুনা, পৃথিবীগী মকম অতৌ—অতৌনা চংশিন্নরবদি শোইদনা উবিগনি। মহুদি চাউ-খৎলে. নিংথিরে হায়রিবা মকমশিং অদুদা মহোশা—লাইরেম-বীগা, মীওইবগী থুংশেমগী লাইরেমবীগা য়াম্না য়েংথিননা লৈনৈ কাযবসি। কলকটা, লণ্ডননচিংবা চাউখৎলবা পৃথিবীগী সহর-শিংদদি, কল—কলবা চেক—মুংগী অচৌ—অচৌবা ফুরা—দলান, যুম—কৈ নত্তনা চরু—ইগী যুমদি, চামগী মনুংদা য়াম্ন। তাগুনা অম—অনিথক্তং উবা নত্তনা খোইনা উবা ফংবিরোই। অমশুং মহোশাগী. উমং—রামংগী .মতুম্না. থুংশেমগী উ—রা, হৈকোন—লৈকোন্দনা থলহল্লি। অদুগীস্ত মথক্তা হৈকোন—লৈকোনগী নাক ফেত্না, অকিবা ফংনা, লাওখোংলবা ট্রেন—গাড়ী, প্লেন হেলি-কোপ্টরনচিংবা ইঞ্জিনগী গাড়ীশিংনা, অহিং—নুংথিল নাইদনা, নোংথক—নোংখা খোন্না চেল্লি।

আসামগী শিলং হায়বা মফমদা, মহৌশা লাইরেমবীগা খুৎশেমগী লাইরেমবীগা য়াম্না তোংন—তিম্না লৈখগুম মনিপুরগী ইম্ফাল সহরদসু য়াম্না চান্ন-মিন্না লৈ। (তোংন—তিম্না লৈব-বুদি, চান্ন—মিন্নদা লৈবনা খরদি হেনগদবোই নিংই, ঐগী মতম।) মফম অসিগী মহৌশাগী ওইবা চৌংশিংদা, মহৌশাগী নিংখিজবমা উমংনা লৈতেংলি। অমসুং মহৌশাগী লৈরাংশিংনা কুম্মী-কাক্লেন নাইদনা শাৎলি। অয়ামবা পাৎ—কোমশিংদসু মহৌশাগী ওইবা চেক্লাশিংনা লেপ্পা লৈতনা, মরাকায়দি অমহিকক্না হেনবা নামিদনা, মহৌশাদগী ঋতু থোগম নাইনা শিংলি।

নিংথিবা, ফজবা পুম্নমক অমত্তা রাৎরবা মনিপুরনি। কদি খ্বাইরাকপম চাউবগী, হৈরাং য়েংই রাৎলেদো, লৈরাং য়েংই লোগ-তেদো, পোমবী য়েংই লৈদো, চেক্লা য়েংই পাইরিদো হায়নবা মতাংতু হেক য়ৌরকলে। ওন্থোকনা। নিংথিজবা হায়মা। মনিপুর হায়সি। মপান লমগী মীওইশিংনা কঙ্গিবু হায়রমখনি অদুগা মনিপুরগা অক্তে লমগা য়েংনকবদা কনানা ফজবদা হেন্না-রমগনি হায়বদি খংদ্রি। অদুবু খংলস—খংদ্রস, ইপোৎশিন্দা পংথাদ—থাগৎবা। করিবু তৌজরগনোদা, কনম্বা ইকবু। হেক্নাখে ইশিন্নগদ লোইরে, পংহান্নদ—হাপ্পচিন্নগ হেক লোইরে, ওন্থে শক্নবা। Might is right. (মাকনবনা অচুমবা শকই)

পৃথিবিগী খুপলবা মফমদা; ডাক্তরগীদি লোয়পাক চীকাইবা মতোম চিকনা ইংনা লৈজবী অমদি হেন্নোই তরেংমকনা শাৎ-চকম ওইরিবী হৈরাং—লৈরাংনা থল্লবা, মহৌশা লাইরেম্বী

ইমাগী পোত্থানকম ওইরিবা তাংল' সনা লৈবাক মনিপুরনি। (কক্তবদা শীংথানরবা লৈবাক্তি) করিগুম্বদা পৃথিবিগী চাউখৎলব মরুম অমত্তনসু মনিপুরগুম্না তপনা-ইংনা পুকচেল ভিংনা অমগা অমগা মুংশিননা লৈমিন্নবগুম্না, মফম অতৈদসু লৈমিন্নরমগনি হায়নদি খনবিরুগনু। কনাগুমবনা খনবীরমলবসু এৈনা লোন্না অমুক্তা হায়চগে। মতুদি "লমগী মনদি মচি শাংবনি"। হৌজিক কাগুবদি মনিপুর অসি, ইমা প্রকৃতিগা, খুৎশেমগী লাইরেমবীগা খুৎশম্বনা লৈমিন্নরি। অদুবু চহি মরি মঙারোমগী মতুংদদি ইমাবু সুংশিবিরক্তদুনা, ইমানা, ইরুম, খরুম লৈথ অরাপ্পা মফমদা চেনগ্রনি হায়বসিদা চিংনদবা ওয়রে। খুৎনা শাবা ইয়োংগী ফি শিজিন্নবদি, মেচিনগী অনানবা ফি শিজিন্নবনা হেন্না সুংঙাইবগুম, মাংগ্রসনু মনিপুরগী অরিবা উ — রা। অনৌবা অশংবা মনানা লুমলবা, অরুমবা মহৈনা থল্লবা উজাও কয়া কয়ানা লাক্তুনা ঙাক্লরসনু লমবী লম্মাংনতুনা কঙাওনরবা মনিপুর। পাৎ কোম—চীংখোং—চীংয়া কয়া কয়া ফুল্লরসনু, চারাম্লরবা মনিপুর উহৈ—রাহৈ কয়া কয়া থাম্লরসনু হাংলবা মফম কয়াদা, মতুনা অরাম—খোরাংবা কোরুরসনু মনিপুর। উজাউ কয়াগী মশা—মরেংনা লিংখৎলরসনু, লৌশিংগী পুকৈ, মতুদা অমম্বা কোক্তরসনু মণিপুর! চীং-তম চীংখোং চীংক্তা অপুম্বা ফুরা-দলাম্না থল্লসনু, অরংঅরাক্তা মিং থকহল্লরসনু ঙকচকল্লবা মণিপুর। য়াইকরসনু ঙনিদগী অয় মণিপুর।

অসুম্না ক্মলিবীশিং অছুনা রাবল অহু তামলুরবা মতুংদা ইনক-নকনা উম্নকই। শূমিটিগী লৈকোয়ুংগী লৈপানশিংগী লৈশাদা পোম্বী চেক্লাশিংনা পুম্না পুম্না কাইদোংমিন্নহুনা, সুৎশি চিন্নোক্লম্নি। শোয়োকথক্তা অরাপ্পদগী লাকবা যাত্রিকশিংনা রানা রানা নোম্ব নোম্বহুনা শারবা হুংশা অহুদা, হমাং চিরি চিরি তাকমৈখ লাই-কল থৌনরি। অমরোমদা ইম্ফাল সহরগী কুইম্নেদি অরাবনি। অয়াম্বা অম্বাম্বা লমদগী লাকবা মীওইশিংনা, [illegible] ছুনা কনানা দোলানগী মচি-[illegible] চংহুনা উকম [illegible] বস মহুংদা শাংলবা [illegible] হোটেলদা চংহুনা কম্নম্নি অমলুং [illegible]' লৈতনা জীপ—কারনা চৎলিবা অমদি ফুরা—দলান মহুংদা হুংঙাইনা, অয়োকবা [illegible] মথাদা অরা—অনা লৈরবগুম, লৈরিবা মীওইশিংহুম্নু মুম্না মুম্না য়েংনম্নি। শারবা হুংশা মরক অহুদা কনানা হৈ-রা লৈহুনা চানৈ, কনানা ঈশিং থি। পুম্নমক অমি শারবা হুংশা অহুবু লৈরবা হোৎনরিবনি।

ঐখোয়না তশেংনা উগনি। মহুদি ইম্ফাল সহরগী মহুংসিদগি খেৎনবনা থম্নি। কনানা জীপ—কারদা চৎলি, কনানা সাইকল কাওবা নিংথিনা তোংবা ফংদে। মীওই থম্না রাংলবা দলান থকগী অয়োকবা মুংশিংলক্তা কলি। মীওই থম্না শোয়োকগী খোংনাং মচি মচিদা উম্নুল চানা—চানা কণলি। অসুম্না ইম্ফাল সহরদম্নু নওনা চাউখৎলবা মকম কয়া কম্নাল অনেখ—অম্নাবী অমদি অফ—মুংঙাইবগী খেৎনবসি থাবদা লোইবা নাইদে। অসুম্বা

[illegible] তাউরকনা [illegible] [illegible] [illegible], পেরেক তাবগী কুং [illegible] মরোলনা [illegible] [illegible] [illegible] ঙেকদা, [illegible] অমু [illegible] [illegible]. মথংগী পেরেক [illegible] চংবা [illegible]।

অসুমনা [illegible] [illegible] [illegible]—অম—অনিগী [illegible]। [illegible] মহাকবী থমোইদুনা; [illegible]—লৈশাকগী য়াইফনবনু [illegible]। [illegible] লোয়ননা [illegible] মহাকনা থোংথাং অম—[illegible], [illegible] [illegible] হৌরকই। কনা হয়া [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মরম্তা; মহাকনা [illegible] [illegible] থিজে। মহাকী লাং-[illegible] [illegible] [illegible] লাংতকনহন্দুনা, মশা অমু [illegible]—তাওরে। মমিং—[illegible] [illegible]—চোইরে, অমেম্বা লৈতনা কোইনা—কোইনা লেংলক্রে। উচরক্তবদা মতোম্বকী থমোইদুংদা [illegible] [illegible]। [illegible] মহাকনা ঐবু [illegible] অমুনা মরম [illegible], [illegible] মহাক কোলেজ লাকত্রবরা, নত্রগা ঐবু উনা উনা নাথৈদুনা চংগ্রব্রা? অসুমা থম্বদুনা মহাক য়ামা [illegible] [illegible] [illegible] পাংলক্রে। মহাকপু মতৌ—[illegible] য়ামা [illegible] [illegible] অমুমক য়োরমাগ্রে। [illegible] [illegible] মৈশামা ঐবদা, [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] লোংথংনা [illegible], জ্যাকোটিন্স লৈরাংবা লৈমন [illegible], লৈরাংবা লৈকা [illegible], মালেমলৈকা মিংবা কাখনা [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible], [illegible] নুংশা [illegible] [illegible] [illegible] থাংগমল—থাংগমল থাংলদুনা চংলি।

মহাক্কী মরুম য়োরক্কা মতমদা হুংখিলগী পুং তরানিথোই চপ-চাক্না তরে। হুমিংনেকা চপ—থু খংলকনে, মীংবন থাগী শারুক হুংশাদকা ওইবনে, তাইবং জীব অপুম্বা প্রো:কী—প্রোক চাক্কহক্কে. মচী—মচী খুদিংদা ওল্লাংবনা হা—হা লাওনরে। হুমিং অসিদদি কালেন থাগী মৈশাগুম, ওখোকথা য়াকনা শাগ্রে। (অসিগুম্বা মতাংদা পুংতাইবদি, মপোক করবা মীওইদনি) মাংবন হুংশাদি হায়ক্কগন্থু, কালেনগী শারবা হুংশাদা কশানা চক্না নীম থাংবা য়াদবনা, কালেন—হুংশা শক্তি হায়ক্কনর হুমাং চিরি-চিরি তানা থানা কাংকুক ওয়রি, লৌমীশিংনা লেপ্পা লৈতনা তেংবাক লৈতুম থুগাইহনা মরু—মরাং হল্লি। অসিগুম্বশিংবু উরগা, য়াইফবা কনাগী মচাশিংনা, মনা শোয়োকথক্তা নোক্লহনা "মেচিনগী মী, মেচিনগী মী" হায়লহনা নোকনা-নোকনা চংলি। The world is mostly plain and round but its like in woe and weal full of difference and differences in the world. (পৃথিবি অসি য়াম্না শাক-চাউই, তৌইগুম্বনুং মশিগা চপমান্নদা অরা—হুংতাই অনিমক্তা য়ামনা খেংনৈ অমসুং সংসার অসিদা খেংনবনা পিক থল্লি) নোংমা হুমিং অমগুদা কনানা মচা-মচু কংজবগী হুংতাইবনা হস্তাগু-কুমৈ তৌম্নি, কনা মগীনা হুংশিরবা মমা—মপা অমদি মচা-মচু থিথিক শেংনা—থাউনবগী অরা—তেংথানরি। থ বল করবা অহিংদা, শাবি—শানৌশিংগী থক্কাইদা নুংশি মকল লাম্নৈ, তৌইগুম্বনুং অমরোমদদি হুংশি কাইনা মৈশা লাংবনা, শাবি—শানৌশিংগী থক্কোইদদি, কালেনগী

নোং মংলবা অহিংদা ওয়াংবদগীম্ম হেন্না, থাবল কন্নবা অহিংনা হেন্না ওন্নাংই। হান্নবৈ মীওইবনা থাবল কবা অহিং হায়বসি; পুক্সিং চনা মুণ্ডাইবগী মশকনি। অছুম ওইনমক নিংব—কাইরব অমসুং অহা – মুংঙাইদবগী য়াথলনা লাকহৎলবা কনাগুম্বগী থম্মোই-দদি, থাবলনা অম্মম মতোইনা ফগৎলক্রগা অমদি তাইবংনা ইচিক হুৎক—হুনক্রগা অহা মুংঙাইদবগী চাং অসি অম্মম—অম্মম হেন-গৎলকই। অছুনা থাবলবু ফন্নবস্ম, থাসিবু ওইন্নবস্ম আমহানি চপমান্নে, মুংঙাইবা হায়বাসদদি পুক্সিংগী মথা পোল্লি।

অসিগুম্বা লেৎনবগী মরক'ক্লগা এখোয়গী লতাম্ম য়াওরি। মহাকগী থম্মোইমুংদা গুমচাকনয়ক্লিবা মুংশিবগী মৈ অসিনা, কা-লেনগী শারবা মুংশাদগীম্মু হেন্নোই নত্রগা অয়াম্বা পোৎ পুবদগীম্ম হেন্না য়ায়োই। নিংথিনা লু—নাপ্লবা কাহুগী থুৎশেমগী মুংশিৎনা মশাবু ইংথনবা হোৎনচৈ। অছুবু মপাম্মোংগী মুংশিৎনা, মপা-ম্মোংগী হকচাংবু ইংহজব মন্তুনা, থম্মোইমুংগী অশাকবু ইংহজবদি গুমথিনয়ে। মহাক্কী চিক্লবা কাতুদা ফম্মহুনা মতোমক্তা, য়াথল তৌবা হোৌয়কই। অহানবদা মহাকন, পান্নবদি মহাকা আদিমগা উনহুনা, মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈ অমদি হৌপ্রবা মতমদুবু কাও-থোকবিহুনা, মহাকবু মুংশিবিনবা থেমচ—নৌচহুনা, মুংশিবগী মকমদা নাওথী শাচক্লবা অমসুং হয়াওনা ওবা ওবা কৌচক্লবা অসিনি। মংাক আশা অসিমক্তনা মাংওইনথিহুনা, ইকাই—ইকি কাওথোক্লনা কোলেজ মতম ডাইওমদনা, কোলেজদা নমংৎ—চৎচক্লখনি। অদুবু লাইথক থিবনা উনচবম্ম ফংলক্লে, কোলেজম্মু মতম কক্তনা থিম্রে।

অসুম্না চওৎনরবা মতাকী থম্মোইসুংদুদা, অসিগুম্বা চিংনবগী রাখল অমসু পোক্লকই। মদুদি মতিক—মগুন নৈরবা আলিম অসি পোইদনা সুপী নৈরম্লগনি নক্রবসু মহাক্না সুংশিনবা, কয়াসু নৈরম্লগনি। রাখল অসিগা ইরোয়ননা, মখোয় অদুবু মশক খংনিংলকবগী ইখৌলাংবা অমনা মহাক্কী থম্মোইসুংদা তং—তং লাওনা পানলক্লমই। মহাক চিংনচবা অমদি সুংশা খিবা কয়ানা, মহাক্কী মথম্মোই অদু নৈতাফম খংলক্লে। মশাগী ওইনা চিংনবা অমসুং রাচবসি লতাগী মফমদসু হৌরক্লে। সুতিমুমিৎ খুদিংগী লাক্লম্বা মহাক্না, নোংমদসু লাক্লক্ত বদা অতোপ্পগী মফমদা চৎপ্রবোই খন্দুনা চিংনচবনা মতোমক্তা পংরাদ—রাচরক্লে। “অসুম্না মশাগী ওইনা সুংশিবগী মরমদা পাখৎচাওবসি, মৈতৈ মুজা শিংগী ওইনা, সুংশিবগী ইতিহাসদা তোপ—তোপ্পা গুন অমনি”। সুতি মুমিৎ খুদিংমক্কীদি মহাককী নৌচরিবী মাইথোং অদু শকয়েং—মিংশেল মাংদা খান্দুনা, কেচ নৌচত্নুনদা নৈচরিবনি। অদুবু মথ্বাই সুংঙাইদবদগী, ঙসি অযুক্তগী হৌনা য়েংখিদ্রে। ও! লতা নংসু রাররা? সংসারগী মায়াগী লাংদা নংসু থুররা? ইনাক—কৈরাক খুনলবা, অচৌ—অশাংগী মচা ওইরিবী, কেচ—নৌচবনা নশরুক ওইরিবী হকচাংদা চরৈ—নমথাং রাৎরবী, শেৎব-চাব ননীং ওইরিবী, নংসু অরাবা হায়বদু মশক খঙলবোইরে ঙসিদগী! (ঐখোয়না হৌজিকগী মতমদা, ইনাক—কৈরাক খুনলবা মীওইশিংবু, রারমলোইদোবদা নিংই) অসুম্না তৌরিঐ চৈরক অসিদা, মৈসু লাকখিদ্রে, ইলেক্ট্রীকগী পাংখা লেপখিবগা লোয়ননা য়াম্না

ওমচাক্লরক্লে। অঙকনি! সংসার অঙকনি! ইনাক খুনবম্ন রাই, লাইরবস্ রাই। শক ফজবস্ রাই, শক থিবস্ রাই। তাইবং মীওইরা পুম্নমক ইরাদ-রাই। করাস্ সুংঙাইবা যাওদে, কনাস্ রাদবা যাওসে। অদুবু অরা—সুংঙাই মরুপলা? কয়গা—নোকবগা মচিন-মনাওরা? অরা সুংঙাই মরুপ ওইরবদি, করিগীদমক রানিংলি? কয়—নোকবা মচিন-মনাও ওইরবদি করিগীদমক্তা কপনিংলি? নাম হাংথ রাদবা তাইবংলা? ঐখোয়না খঙহৌদে, "মী অমনা সুংঙাইরিঙৈ পুংজাদা, অরাবা হায়বা অদুনা মী অদুগী পুন্সিবু লাকশিনগদবগী লুমদুনদা লৈ"। হরাওনা নোকলিঙৈদা, কুংদা কপ্পগদবগী পোরম উহৌদে।

সুংথিলগী পুং অমরোম তাপ্রে। মহাক হৌজিক ফাওবা, অরা—সুংঙাইদবা রাখলনা ফুম্বংনদুনা লৈরি। নোংপোকলোমদা লাওনা ফাৎলিবা, মিহুৎথোং অদুদা ঐখোয়না য়েংশিন্নদা, মাবু তশেংনা উরি।

মহাক য়াম্না রারবগী মতোদা, মখুৎ অনিনা মতম্বাক্তা থমলদুনা, মাই লুকলবনা, লিকিগী চৌকি অমদা ঙাথরদুনা ফমলি। শেমচিন—শাচিনবিদ্রবা, মাগী মুনা চোইজাইনরবা শমলাংগী মপৈনা, খজাই নাক-য়েৎ অনিবু থনচিন্দুনা, তরেৎনি পাম্না থাজগী মাইথোংগুম, নিংথিরবী চেংলোডুবু কুপশিল্লি। অদুম ওইনমক শমলাংগী মপৈনা কুপশিন্নদা থুংহৌরবা, নাতোন নাকচি অনিগী মতাই ওইরপ্পা, পাম্লোইরিবা, কোইরাওনবী মিৎয়া অনি অমদি পাররবনা, তঙাংলবা মচিথান মচা অদুদবুদি, ফজবগী হায়নিংঙাই

লৈতে। ইথুৎমক্তা অশেংবা কোটো পায়দুনা য়েংত্রিমথৈদি; কনমক্ হন্না হন্না য়েংতুনস্থু, থম্মোইগুংদদি থক পেল্লা লৈররোই।

মহাক অসি হায়নবী য়েনা ফজৈ, মথোক কাররুবীগী য়ং লাওনা ফজরবা মতাংনি। মহাকগী ফজকা, শুপ্রগী ওইবা প্রমান অম—অনিদংগা, চাংবম্মনা য়াই। শরক থাদা, নোংপোক চীংদোন্দগী, হুমিৎনা তরং হুন্দোরকদা, থম্বাল কোম্বী লৈরাংনা, লুরবা লাইজ ইয়ায়থক্তা, লৈরাং লৈনানা তঙ্গাং—তঙাংনা, পোম-শাৎনরক্তা অদুগুমই। নত্রগা নাকেন্থাদা, চান্ন' লৈরাং কনা য়াওদনা, মতোম্মক্তা তরক তরকনা শাৎচবী, য়াকচিংগী অত্তর-গুলাপমকনি। মহাকগী বুচুদি ময়াম্না পাম্মরিবা অদুমনদি ঙোদে, মুই।

অদুমকবু মুরবগু, হকচিম্না কুচু মুরবীমক্তদি নত্তে। "মুরবস্থু শীংঙেল কাকলৈগুম্না, মুনা রাশী লৈবিনি"। কালেম্থাগী লৈ-বাকলৈগুমনা, নোদ—নোচরবী লৈরাংনি। লৈরাংগী জাৎদা, হায়রগা লশিংগী মতৌগুমনা মওন মওনগী শকলোন পুরবীনি। রারে—রানা ফজৈ, নুংঙাইনা হরাও মোমোন নোকলে, নিংথিজৈ। পুমনমক ইফদ—ফজরবীনি। নুজা ওইবীগী ফজবগী শীংথান-বদা, ইরাৎদ—রাৎদ্রবীনি।

তপ্না ইংনা নিংথিজরবী, তরেৎনি পানবা থাজগুম মকা-লামলবী, মাইথোং অদুনা মহকগী চিক্লবা, কা অদু অমুককা হেন্না চিকনা, তুমিননা লৈহল্লি। শুম-না হাৎদ্রবস্, ফজবগী হোনবী, ইকন-ফজৈ শেমচিন—শাচিনদুনা ফজবা শকতগী,

শম-না ইকা—ফানা রানা লৈবসিনচুম, মওং অমদা হেননদুম্ ফজৈ। মসিনা শকনা ফজবগী মাংত্রবা গুননি। পাবিরিব-শিংদা ঐনা য়ামনমক হায়চনিংবা অমনা, ঐখোয়গী লতা অসিগী ফজবনা, অদোমগী থম্মোইসুংদা লাৎলিবা, সুংশি প্রতিমা অদুদগী হেননা ফজৈ হায়চবমক্তি নত্তে। অসুম হায়না লাননদি থন-বীয়ু। কনাগুম্বা মীওই থরনা হায়রি। নারক্তা শাৎবী শীংঙেল কেতুকীগী. মেংনা সুংশিরবা লৈনমবু পাবিননিংঙাই লৈতে। অদুবু মীওই থরনদি, কোচি পাথী শীংঙেল লৈরাং চিনি-চম্প্রাগী, খোই-থুমলবা লৈনমবু মফম কৈদা ফজনি? অসিনি! লৈতোন শরু পাপ্রবা, মীওইবগী থম্মোই। ঐনা ফজৈ হায়রিবা অসিগা, অদোমনা ফজৈ হায়বিরিবা অতগা চাংদমনবদা, ঐখোয অনিগী ইথকতা বিচারপতি ওইবিনবা, কনাসু লৈতে। অসুমনা মীওইব থুদিং মক্তা মশাগী মপোৎ মরল„ অমদি মশা মশাবু থাগৎনবদা মপামনৈ। "অসিগুম্বা মরক অসিদা, মশাবু থাগৎবা পামচদবা, অমদি মশাগী ওইচবা থিত্রবা মীওই অদুদি, রাকচিংগী নোংগুম অতাংবনি"।

ময়াম্মকসু তাবিরিগনি, পেনাগী শৈহেক্তা হায়নরি। ৬সি-ফাওবদা লৈমনচনবা তৌদনা, শীংঙেল লৈরাংলক্তগী অথোইবী, ফজবদা শীংথানরবী, মুক্তা ওইবী মহাকপা, শীংঙেল লৈরাং ওইবী অমদনসু, প্রমান তৌনবদা, মুক্তা মাদনা হেল্লবী ফজৈদা! মোইরাংগী থোইবীদো! খোংদগী তোন ফাওবা চুং—কিয়াল চারবী, শমলাং শাইকরুবী, শেঙ্গোই শক্তাদো নিংথিজৈদা! মুক্তা মাগী ঙৌগ্রোক ঙৌরবা, মপাম্মোমবু উবদা, থম্বো-মক্সু লাইজ

ইরোম্নংদা লোৎখিল্লে। অো। অদুগুমী হুজাহুগী মৌরবী চেং-লোদো, উরকপা, ওজিগা থানা চহি চহুম হেনক্রেনে ইপলপিং।

নোংজুপলোমদা উরক্লী কোম্পুংগী কোকিল অমা খোংলকলি, কুম্বী—কালেন নাইরনা। "পুর্নিমা থাজগুম মপুং ফারবী; থাজ-গুম ইংনা—তপচরবী, পুজা মাগী অমাখা মতৌবু উবদা, নিং-থিবী মাগী মতৌবু তমচরিমাল্লে। বনগী উ—বা, উরি—রারি খিবিল্লা, উনা অম লাওবা লেংদনা হুমিন—হুমিন্না চপ চপ লেপলি। শজি—শঙাই, উচেক—রাম্না পুন্নমক্না চেক মোক লাওনখিল্লে। অমুক নির্মখিবী মুজাসিগী কোলোয় মিংলেনদি "শগুন্তলা।" হায়না কৌইদো।

লাপ্পবা লমদম, মোংচুপ সমুদ্র তোর্বান রাংমদগী ইথিল্লা লাক্লুনা, শুসিকাওবদা শাবি—শানৌশিংগী খম্মোইদা নিনলরি "Helen of Troy" কল্লবী হেলেন মশুংলাংগীদমক্কা, Troy সমাজ মাংখিবা, নিংশিংননিংঙাইনি। অসিদস্ত নত্তে, ইতিহাসগী লাম্নাই কয়া কাক্লুনা য়েংলুবদা, ফজবদা শীংথানবরা কয়া কয়া লৈখি। ঐগী কলম অসিনা মখোয় অহ শীংথামজবদা, চিথ-হৌরবা ঙাক্তনি। আলাউদ্দিন খিলজিনা, ফজরবী মহারানী পদমনীবু, ফংজরনি খল্লুবদা কয়াদা, ঙাওচখিবা। মশামক কম-কমলাংদগী হৌগৎলুনা, মশামকনা রানী ওকবা চেক্লোকখি। অদুবু মযামদা লাইরিক অসিদদি, রারি অসি মৈনচরম্লোই। রারি অসিদি, ইতিহাসনা ময়েক লানা ল্যানা ইজুনা লৈরে।

কনাগুম্বা করি অমদি লাইরিক—লাইগু হৈরবা মীওই-শিংনা হায়রি। মদুদি শক ফজবা হায়বসি, ভাইরাকীদ ওইবা অয়ুকগী লিক্লাগুম্বনি। অমস্মং চুম্নদা মরামগী মিৎয়েংনকম ওইবা মপাম্মোংগী ফজবদনি। মথক্তা হায়রিবা রাকমশিং অসি চুমই। অতুম ওইনমক থরমখৈদি থম্নিংঙাইনি। অয়ুকক্তা লিক্লাগুম্বা, ভাইহাকগীদ ওইনা ফজরমলবসু, ফজব অতুদগী পোক্লকবা মনুংগী অথুববা রস অতুনা, অতৈ হিয়ম কয়ামুক্তগী পোক্লকবা রসদগী মুংশিবা হেনহল্লি। মথোয় ঙম্নমকনা ফজবগী মপাল তাংজব ভাকনি। হায়নিংই শরত থাগী অয়ুক অঙনবদা, মুমিৎকী মশেংগা মালেমমসে ভাঙ্‌নরবদা, হুপলা থ়রানা থল্লব অহ্‌ম্বা পাৎকী লুরবা লাইজগী ইয়াইথক্তুদা, থম্ব ল কোবী লৈরাংনা, কুগায়না শাৎলকবা উবদা, উরুরিবা মী'তুগী থম্মোইদা, হায়ফম তোকম থঙদবা ইখিন অমনা যৈহুনা, মী অতুগী মশাদা কয়াদা মুংঙাইবা? মুংশিজরবী, নিংখিজরবী মুঙাগী থাজ মাল্লবী মাইথোংতুবু য়েংলি-ঙৈদা মাগী নিংথিরবী চেংলোংনা শুম্বহৎখিদুনা, মপালগী কয়িগুম্বা অক—কত্ত রাথল অমদনা থম্মোইদা চংলকা ঙমদে। তশেংন-মক "হুনিয়াসে পাগলহে" হায়বদুনি।

ঐখোয় ময়াম্মকগী মাংদা, জগোই শাবী অম থোরকই। নিংথিবা থুৎশেমনা লৈতেংলবা মাঙোবগী ময়াইদুদা, মুপীমচা অতুনা থোরকবদো ওখাক্লা ফক্তগ্রে। কুচুনা চৌরিবা, মশকনা ফজরিবা, মচিঞ্চননা তঙাং—তঙাং, মিৎচি—নাচিনা ফরিবা; মশম—মনানা নিংথিরিবা; মখুৎ মশানা তবে়ব্‌—তবোবলদনা;

য়েংবগী পেনবা নাইদে. ওম্ভোক্সু ফজগ্রে। সুপীমচা অহুনা মন্নাম্মককী মিৎবু শুমহৎহুনা, শাগৎলকবা জগোইদো কয়াদা ফজগ্রবা, শককৎলক্তা ইশৈ অহুনা খোম্না কয়াদা মেংনা সু শ গ্রবা। ইস! ফজেদকো সৈত্য! হে জগোই শাবী! খঙহৌদনা ঐখোয় মন্নাম্মককী চিনদা হায়দেকখি। ভৌইশুম্নসুং সুপীনচা অহুনা শাখিবা জগোই অদো, তান—মেন চানা, জগোইদা শুমহৎনা শাবা হৈরবী, সুপীমচা অমদি নত্তে। মহাকনা শাখিবা জগোই অহুদা. তান কয়া চাখিদবা, জগোই খুৎথেক কয়া শোইখিদবমক্তি নত্তে। মহাকনা শকখিবা ইশৈ অহুদা, খেমৈ কয়া শোইখিদবা, অমদি খোনশি কয়া চংখিদবদি নত্তে। অহুবু মহাক্কী ফজরবা শক অহুনা, ঐখোয় খাইগী মিৎবু শুমহৎখিহুনা, মহাকনা শাখিবা জগোই অদো অহুম ফজখি, মহাকগী ইশৈদুম্ন অহুম্মক সুংশিখি। ও! শক ফজবা হায়বসি কয়াদা কান্নত্রবা মপাম্ভোংগী ফজবদনা, মসুংগী অথুপ্না রসবু ফুদোক্তুনা, কয়াদা ঙকহল্লবা !!

অসিননি ফজবনা অতৈ রসদগী হেল্লি হায়রিবা। অমসুং অতৈ রসনা ফজবগী মপান তাংই হাযরিবগী মরম। কনাগুম্বনা য়েৎবিরকবা য়াই। অসুমনবু হায়হুনা, সুংশিবনা অতৈ রস পুম্নমক্তগী ইহেন হেল্লি "Love is Blind, Love is poison"

Its what question ? There is no proverb. সুংশিব হায়বসি, ফজবদগী লাকচবনি। অপামবা মিহৌবা পুম্নমক, ফজবনা থোকহলকলিবনি। ফবু - ফজরবদি পোৎ খুদমক

পাম্লকই, অমসুং ফবু ফজরবদি, মুজা মাইথোং খুদিংগী য়েং-নিংলকই, শুংশিরকই। অঙৌবনা মচু পুম্নমকয়ী মকোক ওইরগুম, ফজবনা অপামবা মিহোৌবা পুম্নমকগী মকোক'ন।

ইস। শোইরে, শোইরে। ঐখোয় লভাবু কাওথোকচনা, ঐখোয় ইশেন ভাক্তা ফজবগী মক্নমদা পুংয়েত্ত ক্লেৎসল্লনা লৈনরে। হৌজিক লতাবু করম তৌরিবগে? অমুকতা য়েংশি, অমুকতা য়েংশি। মহাকবু চসাই মুংখিনগী পুং ১২ রোম তাবা অক্লুয়াই-দগী অতুম্বক ময়হ বগী কাদা তুমিন্না কমদুনা লৈরিব্রা? নত্রগা মগাকবু করমবা ফীবমদা লৈরিবগে? অমুকতা মুন্না য়েংশি। হস! কল্লিনো, মহাক মওং অম তৌরেনা সিদে। চাওরাক্লা পুং অমরোম বা—সান মচেৎ অমত্রা ভাংদনা তুমিন্না অসুম রাখননা লাকহৎবদগী পংথদুনা লৈরনা, মশা অদু লেকথররক্লে। মমাই অদুসু হান্নদগী হেন্ন লুকথরক্লে। মথাদা ইল্লিশ মফি মচা অদু লেংজুমদগী হায়থরবতুনা লৈবাকতা তাখ্রে। মমিৎ অদুসু হান্না য়েংলমবা, মিৎয়েং অদুদগী কুপ্পা লৈখিদে।

নত্রে, নত্রে মহাক অসুম্মক পংথদুনা লৈরবদ, শোইদনা হার্ট—ফেল ওইবা তারে। ভল্লক অসিদা মহাকবু কৌ—লাং দুনা, মশা অদু অমুকতং শোকবিরবদি, মহাক হিংবা য়াই। হো মপান্দা বনা কনা লৈবগে, নত্রগা ইস্নুংদা কনামত্তসু লৈত্রবরা? অয়ক—মুমিদাং খুদিংগী মহাকবু পোকপী পালেম মমানা। মুমিৎ—খাগুম য়েংচদুনা, মচাবু কৌচবদা, কেনা মুংশি ইনোৎ হাপ্রত্তুনা, লতা, লভাবি, জীবলৈ, মেমচা অসুম হায়না মুক্তি—মুমিৎ খুদিংগী

মচাবু নাওথেম্মচবা, অহুগুম্বী পলেম মমাদো, ঙম্বিনা মকম কৈদবু চৎক্লিবা ? করম্বা তাইবং কৈথেলবু কাখিবা, করি নোংদম থিহ্না, মাম্বী মরাইবক্তা মমোম কায়নৌ তমগ্রবরা ? হোয়েল ম.না হল্লকদা খুংশিন্নবী মচাবু, করিগুম্বদা উনহৌগ্রবদি মহাক্কী থম্মোইনা করি ওইগদবা ?

মতাং অমি য়ৌরক্কদা, লিয়বা মৈতৈ মুজা বাম্বিবু নৌহৌননা নিংশিংই। লাইবকথিবী মুরা থম্বালমু, পলেম মমা—উনহৌদ, করি থঙদ মপর। অশিশক, মথাক্সংদা অয়োইনা ওইনা কোনশিঞ্জ, মপু মাম্বী নোংদমবু য়েংহুনা কায়র' থম্মোই পুঙমদ, লাইজ্ঞ ইয়োম্মুংদা লুপখিবা।

পোক্কবদগী চয়ৈ ফিথুংচখিক্লবী, নোংমদা চম্বা নাম কানা চর.নখিদ্রবী, নৌরিবী মুরা কুঞ্জমাল্লানা পাম্ব—কৈনা শোক্লমদাই, মুরা কোয়োথক্তা য়েং, পলেম অপোকবী মমা কৌহুনা কপলকবা, মচাম্বী মত্তোবু উবদা লাইওইরবী মমানা, বৈতরনি ঃয়েল থোংবান্দা লেপলগা, তাইবং থোক্লা থুম্বদি ময়াদ, মপুক্তগী তাবা মমোমবু পাম্ব-কৈগী থায়াত্তা তাবা উবদা, থম্মোই খুংতুম শুহুনা, ফ্রং ফ্রং চোংনা থাজ্বিবা, আ! অরাবনি ! মুমিৎ—থানা মুংক্সিমথৈ, অমুম্বা বারিবু করম্নদি কাওগনি।

শনা লৈবাক্ক মৈতৈ পোইরৈ লমদমসে, ভারতকী নোংপোক চিদাইদা মতোম ঙানচবা মনিনি। অম্মুম্বা লেম্বাকসিগা হায়না, লৈয়ক্লবা পোইরৈঙী বাম্বিবু তাবদা, ৎর্মোইদা কিশি থাং মিৎ-লুদ পিরাং কংদনা কাও'গে কাওড্রমদ, তায়য়োই তাঙমদ, থম্মোইদ

অয়া—মুংশি য়ায়না, মুংশি-মুংঙোনন্দুনদা মরৈহিকই। তাংলবী পোইরৈসিগী য়ারিগা, অতৈ লমদগী য়ারিগা চাং য়েংনক্রবদা, লমলেন অতৈদা কৈদা হেনকনি। কাওঙমাদ, থমুং—শরা তানগ্রবী "ইবেনবোকগী য়ারি," নমু তাইবংগী ওইবা, পলেম মমানা মচাবু কায়নবা, পোক্রবী মমাংগী শরো, লৈবাক য়াদনবনি হায়ত্থুনা লৈয়াং লৈচম্রিবী নৌরিবী শীংঙেল মাবু লুরবা লাইঙমুংদা ইথৈনখিবা, অমুম্বা য়ারি কয়া কয়ানা মপুং ওইরবা মৈতৈ পোইরৈগী য়ারি অমদি থোইদোক্না পোক্রবা মপাগী শরো থাংবা ওমম্থুনা চেল্লা লাংমৈ" ওইনা পাইখিবা পুন্নমক কাউদনিংঙাইনি।

অসিগুম্বা মুংশি মুংঙোলগী য়ারিনা, চিক্লা—ইংনা মতোম ঙানচবী পোইরৈ লমদমসিগী পকচবীনি। নায়ক্কী লৈয়াং কেতুগীগুম, ইংনা মেংনা মুংশি লৈনম চাওবী, পোইরৈ—লমদমসিগী য়ারি ঙাক্রনি। য়ারিসিবু তারগা অথং—অহৈ কয়ানা চৈবিরকপা য়াই। পোক্রবীগী য়ারিবু তারগা, কয়িবু করবগে? চাউখত্ত য়ারিনি, অসুম্নবু হায়রুনা। লিম্না চিক্লিবা মীনা লিনগী হু খঙবা হৌনদে হায়নবগুম, পলেম—পম্বৌনা য়াত্ত পাত্ত নাউকোল্লিবা কয়মবা মচাশিংনা, করমনা পোক্রবী মমাগী শরো খঙগনি। অমদি মীগী অবাবা করমনদি উগনি। "চান্না নাম হেনবদা য়ারিবা মীওই অথুনা, চয়া লাক্ষ হেল্লক্রবদা শোইদনা হন্দোকনি মহাক্কী অবাবা"।

কদাই হৌজিক ফাওবা হঙ্গিল্লকাদ্রিব্রনে, অসুপ লাপ্পা কদাইদবু চংথিবগেমে ইমা! নচা লতানা ত্তোল্লিবা মতৌ অসি অমুক্তদি য়েংংহৌররোকবা ইমা! মিকুপ অমদং থিদ্রকবদি, নচাবু

উনহৌরায়াইনে ইমা! সুতি—সুমিৎ খুদিংগীদি লৈকাইগী অঙাং-২ ৩ লাক্নুনা কাসিদা অচা—অথক য়েংহুনা, শ্রু শ্রু নৈশিন্দুনা শান্নরৈ। অহুবু ওসিদি কৈদৌগ্রবা? চেক-মোক লাওরম্রে। পিক্রবা হৌদোং অমুবী মচা অহুম্ম, গুংঙাইনা তুমহুনা লৈথোকই মপুক লামলবা মতমদদি খোংদফাও' নস্তনা মচেমগী মথাদা শ্রু শ্রু নৈশিন্দুনা শঙোম অথুম—অহাও পীবিনবগীদমক, ভিয়্যাও ভিয়্যাও হেক মকপ্পা। ওসিনা মচেমগী র রবা মতৌ'সিবু মমিংনা হঙংনা ময়েংদবা, অমুক্ত কাওবা ভিয়্যাও হায়না মখোংদবা। হে! তোল্লব জীব। মীগী সুংঙাইবদবু মউবা, অরাবা কোবদা মথংদবা, মীয়োল থোকত্রবা জীব, তোল্লিদকো নখোয়সে।

ও! লতা! মহাক্ *হার্ট এটেক্ট ওইশিন্দুনা লৈমাইথক্তা তুথ্রে। পান্সুইদকো! তাইবংগী নৌরিবী লৈরাংও। নৌরিবী শীঙেল নংবু করম্না মালেম খোলাওনহল্লসিবা? তুরবা অসিম-ক্তদা হৌগংবিনবা কনাস্থ লৈত্রবরা? কনামত্তদস্থ লৈত্রবরনে? লৈরবদি থুনা অমুক্তা চেনশিনয়ুবা, অমুক্তা চেনশিনয়ুবা।

সাবাস! ও দেবনন্দন্। অঙকনি! হে ইশ্বর নংগী থৌজাল। লচানা তুথ্রিবা মিনিট মথাইরোমগী তাল্লক অসিদা, পুঙ্কক চাওরবী ক্ষুপীমচা অমথক্পা হোবে—হৌবেনা লাক্লগা, লতানা লৈরিবা কাহুগী, হান্নবা হাংলহুনা লৈরিবা থোঙ অহুদা চংশিনখি। মহাক অহান-বদদি লতাবু উরমদে, মমৈদদি লতানা লৈরম্নিবা ফীবম অহু উবদা,

* হৌজিক্কী মতমদা হার্ট ফেল ওইবা হায়বসি; ছাত্র—ছাত্রি অমদি রাখলগী থবক তৌবা মীওইদনা থোক্কল্লি।

পাখংবনা খাই লাওগ্রে। খুদৈ খৎনা লতাবু মথাদা কোরখৎ-ফুনা, কমুংদা লোংনা হিপহল্লে। নাতোন—নাকচি অনিদা চনম ওংগাইদুনা তৈবিরে। লৱ.ই—লেঙ্কৎ্ৰা হল্লা হল্লা ইাৎং য়ৈরল্লে। মখুৎ—মশাশিংঃ কন্না হল্লা চিংলল্লে। তাঙ্গা অসিদা মৈশু লাকতুনা জেপলমলবা ইলেক্ট্রীকশী পম্বাচো, মপা লৈতন উংলল্লে। অমুম্না য়াম্না য়ানা হোৎনম্নবশী তুংদা, মিন্নিট মতারোম লৈম্নবদা, উচিন—নাচিন্না, খৱ শাংনা অমুক্তং হোল্লকথি শোয়ারেলনা নিঙ্খায়দুনা নল্লগনি হায়না খল্লুনা, মনম্না লৈপাক থেং, মথোংনা নোংদোন তমদুনা পাখৎচাওল্লবা উচেক শললংকাক্, অয়েখদা মিপাই চাও-চরুই, ওক্ল’ তাইবংসিদ।

লতানা ইয়েন্না জ্ঞান লাক্রবদা, মমিংদা মপি শিম্নহনা, লতাবু মথাম্নুংদা চেংনা কোনশিল্লগা, অসি’ য়াবু হায়তুনা কপলকথি। ইচেশী ইবেম্মা, কৈনো নংনা তৌরমলিবা মতৌশিবু। ঐনা লাক-লমজ্রবা অতুগা নংনা চংখিবনা হায়মলবদি, লাইবকথিবী ইচেমদি করি ওইরমগনি ইবেম্মা! ইনাওশী মপালনা, নত্রবদ্না, ৬সি ইচেমনা লেংব—চাব পুম্নমক ইনাওগী মপাল তাংলিবা। ইচেম্না মিকুপ অমদং, থিম্নরমলবদি ইনাও কায়ম মৈশা লাং, কোলেজ খুদিং, কৈথেল খুদিং, অঙাওবীগুম্ ইনাও য়াওবম্না য়েংলমকনিকো ইচেগী ’বেম্মা! মতুং তাবদদি অসি থোকতনবা, পীনহৈবা ইশ্বরগী খুয়াদা চংজসিকো, অসি হায়তুনা চেজেংনা মনাওবু কোনশিন্দুনা কপালি। মচেম্না কপ্পদা হায়না য়াক্লবা, লতানা অম্মোইদুংগী অরাবা মখে ফুদোকতুম, মচেম শকনীতুগী মথাদা হিক্সা হিক্সা কপচন্রে।

কয়গা লোয়ননা মচেম শকবী অয়ুবা হংলকই | —ইচেম ওসি ইমাবু কদাই চৎখিবগে ?

—ইমাদি লরাইদা, নং-মামগী অনাবা য়েংবা চৎথ্রবনি, ওসি-গীদি হয়ক্রয়োই। নংবু ওাইবা ওমদহুয়া ভাক্রমত্রবনি। অতুলগীদি মচিন—মনাও অনিমক তুমিয়া লৈগ্রে। মচেয়া হিক্লা হিক্লা কপ-লিবি মনাওগী নমদা হয়া হয়া কানবিরকই। লোয়ননা কক্লাং ঘড়ীদা পুংজ্রাগী কাটানা মরিমথাই য়েশিল্লকই। তময়া কোত্রি চেল্লকই। সন্ধ্যার্তিগী মৈথুনা, মাইগৈ থ,ংনা শিল্লকই। পুজা—আরতিগী কং কং লাওবা কাংশি মখোলনা, ইম্ফাল সহর পুম-নিল—নিনলক্রে।

INTERMISSION

লৈরাং অনি চাংকররকবা।

আলিমগী কানি, কাদুদা খাগী মকপ চাওবগী কন্নি। আলিমনা পাক্কবা মেট অমদা, ফিটম ওয়্যেচিনচিংবা লুপা মঙা-মূখী অচা—অমক পুষদুনা চংলকই। চাওবনা মহাকী এথ্যাঁর কোন অদুদগী লিক্লি অমা লৌথোরককই। অদুদগী মথোয়—অনি মিখচি থংনদুনা লোক্কই। তাইহাক চা—থৱাব মতুংদা আলিম্মা হংলকই? চাওব নং কদ্যম তৌরি; নংগী রাগ্নি হায়রোনা? এ! হুংঙাইরিসিনিনে শুংঙাইরিসিনিনে, কমদোথা হায়বু। মুপী থোরেকো, লৌস্রিবরা; আলিমনা অমুকন্থ হংলকই?

—কদাইদগী মুপী লোগবনোনে; ফংদনা কাংলিসিনিনে। মরুপগীদি লুহোংলগনি হায়না তাইনা, অচুম্বরা?

—অচুম্বনে থোরকবা কাইরেনগী মঙানি পাথদা হোংলগ-রবনে। নং শোইদনা লাকউকো।

—য়েরা। করিগীদমক লাক্কদগে, মরুপগীদমক্তবো, লাকনি লাকনি; শোইদনা লাক্কনি।

চাওবনা মহি অদু হৈ; শারিবা রারি'দু তাইহাক লেপই। মথোয় অনিমক শুকথরদুনা, মমিৎশিংদু পৈরব—পৈরবনা, মথুৎ শাংনা শাংনা তিংথোক্লুনা; অমম্বদা পোৎ মাদুনা খিবগুম, মথুৎ-শিংদু শুপ্রংদা হাইরদুনা, গিলাসহু তাপ তাপ পাইথৎনরদুনা, কুৎ কুৎ হেক থকচিল্লি। অদুগা লোয়ননা আলিম্মা, আ! মুং-শিবী, মুংশীদকো সৈত্য। মুংশীথোইবী হে য়ু। অরা—অনা কাওহথা ভমবী; নংমুক মুংশীবা সংসারসীদা কনা লৈরমখীগবা?

অসি হায়রগা খুৎতেম্বীনা গিলাসতুদা ভেং লাওনা কাপই। অহানগী মখোয় অনিমক বা বা হেক নোকই। মখোয়না লাং-বতুদা থংনবা কাশিংতুনদি লাংমল্লি হায়দুনা থাম্বা শাওরি। অতুবু থংনবা কাশিংকুগীদি অয়াম্বনা অতাং ওইবনা; হেক হায়চবদি ওয়বদে। মখোয় অনিমা লৈরিবা অসি, খুমিৎদাংগী পুং তকক তরেং তানরকবা, অমদি অতাংশিংনা লাইহিরিক কয়া পাথৎনরকা তাম্বা অত্তু মরি।

অসুম্বা মখোয় অনি অমনা অমা হাং. অমনা অমা হায তৌদুনা বারিতু লেপ্পা লৈদনা, পংশাম—শারকই। চাওবনা হায়রকই। ঐনা ৎসাই লম্বীদা লাকদা; ওঝাখোয়গী কোলেজ-দগী ছাত্রি অমখক্কা থোয়রকপা মোমোন মৌমোম্বা নোক্লগা য়েংলকা মিৎয়েংদো; ওস্তোক্লা কজক্রেবু সৈতো। কনানবু ওইরিগবা? আলিম্বা চাওবদা, মিৎচিগী লোযননা নাওোম্বনিনে; কনাদবু ওই-গবনো? মাগী মোমোন মিনোক্কো, মাগী মোমোন মিনোক্; ময়োল খোইতক তৌরদুনা আলিম্বা ইশৈ শককৎলকই। অদু-দগীদি মখোয় অনি মশা অত্তু য়াম্বা হাই—হুমলদুনা, হৌনা—হৌনা নোকথৎলকই। মোকতুদা চাওবনা থংহোদনা টেবলদা থেংচিন্দুনা, টেবল মথক্কী গীলাস অতু লৈপাক্তা তারদুনা কাযরে। আলিমনা কায়রবা গীলাস অত্তু থুনগৎলদুনা, ইহে। ইহে নোক-বদা গীলাসতু য়াওক্রেদহে। শিকি মাংলে। য়ে! শিকি নক্নে মথায়নি—মথায়, হয়া হয়া তকশি শোয়দুমা কায়রবা গীলাস অতুদা, মুননা য়েংলদুনা লৈ। মাগী মতো অতুদা চাওবগী য়াম্বা

শাওনিংলমাল্লে, মমিৎ শংকৎনা; মখোয়দো শাওগৎনা আলিমদা য়েংলি। ঙাইহাক লাংনরম্বা মতুংদা, আলিম্বা মমিৎ উইশিল্লহুনা মশা অহু ইরেক—লেকথনা, মখদাংগী 'কোই অহু নাল্ল-নাল্লহুনা অল্লা অল্লা শোল্লম্বদগীদি, ইশাং—শাংনা ফমুংদা উপ্রাক্লা হিপগ্রে।

কা কহুদা লৈবদা য়াম্বা ওল্লাংমল্লি হায়দুনা, মপালদা হক-চিক্ লাংননবা চাওবনা শোরোক্তা হায়রং—হায়রংনা চথোরকই। শোরোক অহু লাম্থোকতুনা, মথা পাংনা, পোস্ট মখোং অনিমুক চৎথ-রক্লগা, বোম্বুং মমাংগী লম্বাক অহুদগী নোংপোক পাংনা লৈরিবা চকবিকারোং লাইনগী, লমবী মপান্দুদা হৌরিবা হৈনৌ পামবী মরি—মঙা অদুগী মরক্তা, মুপীমচা অমথকনা য়াম্বা কননা পাখং অমবু তাননরকবা অদু উবদা, মহাক য়ামনা ঙকনা য়েংই! মুপী-মচা অদুনা তানশিল্লকনা হেনমনখিবদগী, পাখং অহু চেনবা ঙমগ্র-হুনা হৈনৌ পামবী অমগী মরুমদা পাকথহুনা লোৎগে হায়না তৌরম্মী।

মহু উবদা মুপীমচা অদুনা লাওনা হায়রকই। হোৗগৎলু! -াইহাৎবা নংনা কদাইদনো চেনগদবা। পাখং অদু হৌগৎলল্লে; দ্গা য়াম্বা শাওনা থাংগা লোয়ননা, মুপীমচা অদুবু হেক্তা লোইশিল্লগে মতাগুমনা, মুপীমচা অদু তমনা চেনশিল্লকই। অদুবু শুদক্তা পাইরিবা থাং অহু থাদগ্রে। (মুপীমচা অদুনা পিস্তোল শুমহুনা লৈরমবা উবদা)—অমুক্তা খোঙফম চানা লেপ্লিম্ন। ঙসিনা অদোমগী Last days নি। পামবীরবদি য়াগনি; অনিংবমখৈ হায়বিরমবা তাঙ্গাসিদা।

—(মখুৎ অমদি মশা নিকশিন্নতুনা; শোম্বাংননা; ইংলিশ-লোন্দা চুৎ ওন্থোক্তুনা হায়রকই) Oh ! my dearling. Now I am sorry again and again on to you. Please pardon, pardon by me. Now I am much sorrow and revented when my crime of the previous day.

অসি হায়রগা চংশিন্নক্তুনা; মুপীমচা অতুগী মখুত্তগী পিস্তোল অতু হেক ফুথরম্মী অতুবু মহাক্না ফুথবা মতমদা মুপীমচা অহুনা হান্নৰা শাক্তেন্দা লৈরম্বনা; পিস্তোল অতু তাবমক্তি ঙমখিদ্রে। পিস্তোল তাদ্রে থংলবদা, পিস্তোল পাইবিবা মখুৎ অহ্ তম্না শৎ কাওশিনলকই। অতুদসু মুপীমচা অতুনা চোংথোকখিবনা হাথনা; মুপীমচা অতুগী মশাদা থর শোকবা নত্তনা থোইদোকনা কাননবা ফংখিদে।
(মুপীমচা অতুনা পাখং অতুদগী গজ অহুমলোম লাপনা হন্দো-কতুনা লেপই। মিনিট অমরোম্ ব্না ভাংনদনা তুমিন্না য়েংনহুনা লৈ)

ভাইহাক্ লৈরবা মতুংদা, মুপীমচা অতুনা অরাবগা লোযননা, হিক্লবা খেংনফমদা তপ্না তপ্না হায়রকই।

তামো, তামো নহাক্কী থম্মোই অসি অতুকী মতিক কল্লি-দকো; ওন্থোক্লসু মুংশি হৈতেদকো। লাইবক থীবী নচলনা করিগুম্বদা হান্না খংচরমলবদিকো ! ঙসি ঐনা ওইরিবা ফীভম অসিবু হুন্দোকতুনা চেনগে, হান্না খনবীবা ঙমলিবা; নংগী থম্মোই 'সিবু; সোরারেনগী বজ্রমকনসু হেনঙমলোই।

তামো অমুক্তা নিংশিংবীয়! অমুক্তদি নিংশিংবীয়ুনে তামো! নোংমা থাবল কবা অহিংদা; নিংথিজবরা পুঞ্জী মপান লৈকোয়ুংদা; ঐগী থম্মোই শুমহৎনা নংগী "রাশক" অতুগা অমনা ঐনা নহাককী নকমদা। নাপ—চিকনা হায়চখিবা "মুংশিচাওবা" মু'তি'গী লাক-উকো, লাকউকো হায়না পাওমেজখিবা; অদুবু মদু পুমনমক অদুনা অরেম্বদা, কৈস্ত লৈদনা; ইখৌলাংবী নোঙ্গৌবীশুম তাহল্লবা! অসি হায়রগা মমিত্তগী মপি থিংবা ঙমদবমখৈ চিরি—চিরি তানা কপই। মথুত্তগী পিস্তোল অদু মথাদা চেৎনা কোনশিন্দুনা; অরোইবা মিৎয়েংনা—য়েংলগা চুপই। অদুগা লোয়ননা হায়রকই। তামো নচননা লানথ্রে; নচনবু শাকবিয়ু। ঙসিস্ত মহৌশাগুম্না অমুক্তা মুংশিনা কৌচগেকো। অসি হায়রদুনা খোংকাব অনি অহুম-লোম থাংচিল্লকগা "থেয়ো থেয়ো" পিস্তোল অদু অনিরক নমকাব কাবলকই। মুপা অদু চমস্বপা লৈরিঙৈদা, গুলিনা অনিরক পান-শিন্দুনা শোরোককী নালাদা লোংনা হায়থথ্রে।

হা হা হা চৎলো; নশাগী পাপ্‌গী লম্বীদা; নশামক্লা নরক্ কোম্‌দা চিংথচরো। নখোয়গুমবা সমাজগী তীল কয়া কয়ানা ঙসি মৈতৈ সমাজ নোংম—নোংমগী লৈখা তাংকল্লকইবা নত্রা? (অস্তুম্না লাওনা শাংলমবদগী, অমমবা মরকদুদা মথোং থাংবা ঙমবগুম—ঙমদগুম য়াম্না রানা মথা—পাংনা চৎবা হৌরকই) চৎনা—চৎনা মচিন্দা অতাওবীগুমনা শৌল্লকই। হৌজিক। ঐনা ঐ—কদাইদা—কদাইদনো; ঐগী লমবী! ঙসি সমাজনা পাও-খোকবিরবা অমদি ইচিন—ইন্নাওশিংনা তুককচবিরবা ঐনা; ঐগী

ধ্রুবতারা মকবু ইথুংমক্কা; অমমবগী লৈচিননা খনহনখ্রবদা; হৌজিক ঐনা চংগদবা মকম কৈদনো ? সমাজগী কয়াক মিংয়েং কিক-বদগী, ইথুংমক্কা ইপুকমুংগী মনিফাওবা 'লোথোক্তুনা, কয়াক—মিংয়েং' য়াংমা লাহুল্লবা হোৎনরুবা. মতুংগী মহৈনা ঙসি য়িরোম য়াওখ্রবা হিনাওগুম, মাইকৈ খংদ তাওথরি। আ! আ! হা হা হা ঐ চংলে। কয়াক—মেংথি লৈত্রবা, মীচান-মীয়ায় নাইত্রবা; অচুমবগী লৈবাক "পাতানলোক" অশিবগী লৈবাক্তা। অসুমনা অঙাওবীগুমনা লাও—খোংলহনা চংখিবনা, মশক্ উয়ক্লে।

ঙসাইমখৈ চাওবনা, মখোযনা তৌনরিবা পুমনমক অহু, ইয়োইকোমগুমবা পিকথ্রবা কোম মচা অমদা লোংলত্তুনা য়েংলমই। মখোয়না ঙাংনখ্রিবা য়া পুমনমক অহু তশেংনা তানা তানা, অমদি মুপীমচা অহুনা পাখং অহুবু পিস্তোলনা কাপতুনা হাৎলবা অহুসু উনা উনা, মখোয়না করিগীদমক্তা অহুক কপ্পা য়া ঙাংনরিবনো, অমসুং করি মরমগীদমক্তা মুপীমচা অহুনা পাখং অহুবু শাখিনা হাৎলিবনো, হায়বসিগী মরমদা মহাক করিগুমবা অমদা তাব্ তাবা ঙমলমদে। অসুমনা চঙকননা লৈরিবৈদা, মনাক্তা লৈরিবা অশিব অহু উবদা কিরহনা, আলিমনা লৈহৌরিবা কা'হুদা থুনা হজিল্লকখি। নোংঙাললবদা মথংগী অযুক পুং তরামুক তারকবা অহুরাইদা, মশি' লাকঙমদ্রবা ছাত্র—ছাত্রি কয়ামুকনা লেপটনেন্ট গবর্ণরদা মেমোরেন্দম অম ইস্তু তৌহননবগীদমক লাকলম্মী। মেমোরেন্দম অহুদা অসুমনা ইরিঃ—

১। সেপ্তেমবর থাগী তারিখ ২৪, ১৯৭১ গী হজব ট্রাইকদা

ফাখিবা ছাত্রশিং অদু, মখোয়গী মথক্তা করিগুম্বা অয়েংবা অমত্তা লৈতনা থাদোকবিয়ু।

২। চেং-চাক তাঙবগী মরিদা ইনক্কারী তৌবিয়ু। অমসুং খুনমক চেং—চাক তাংলিবসিগী মমল হন্থহনবীয়ু।

৩। থবক ফংদবা মীওইশিং, থবক ফংহল্লু। লাইরবা প্রজাগী অৱাবা সমস্যা কোকহনবিয়ু

রাজ ভবনগী মমাংদা ছাত্র—ছাত্রি পুন্নমক্না পার্টিগী হুকুম ঙাইরতনা; পুং অনিরোম ফমলদুনা লৈরি। অসুম্না ঙাইরকনা পুং অমরোম তারকলবদা ছাত্রশিংনা তকশিল্লকবদগী রাজ—ভবনগী গেট অতুদা, পুলিশ এ, এস, আর, অমগা: কন্সটেবল অনিগা থোরক্লুনা হায়রকই। নখোয়গী মেমোরেন্দম অদু থম্রহৌরি। অদুনা হোইরেন মুংথিলগী পুং অহুম তাবকদা চংলকবা য়াগনি। মদু তাবদা ছাত্রশিং অদু য়াম্না শাওনরক্লে ঙসাইনা পুং ১দা ঙাইয়ু মহায়বা; হৌজিক্না পুং ৩দা অমুক শাংথহল্বা; মচিন থিবা রানি। য়ারোই হৌজিকমক চংগনি, থোঙ হাংদোকউ।

ছাত্র খরনা রাজ-ভবনগী কম্পাউন্দ মনুং তমনা মুংনা পংথাদ থাজিল্লক্লে, খরনা থোঙ নমথায়রে; খবনা পুলিশগা ফুনরে। অসুম্বা ছাত্রশিংগী মচোক্ মপাক নাইদ্রবা, অমদি ঙাইঙমদবগী মতাঙুম তপনা—ইংনা রাখল খম্থবা ঙমদ্রব। মতৌদুদা, সিঃ আরঃ পিঃ অমদি পুলিশশিংনা পুনশিন্দুনা, ছাত্রশিংগী স্ট্রাইক অদু চাইথায়রক্লে। অদুগা থর থর মকোক্ মকোক্ ওইবা ছাত্রশিং-মখৈনা ফাজিন্দুনা জেলদা পুশিনখ্রে।

অসুমনা ভৌরিবৈ চৈরক অমিদা; হায়বদি ময়ামগী ইরাং—ফলাং অমদা য়াওদবমখৈ ছাত্রি খরনা সনা সোরোক লমজাঙদা হাইনা—হুমনা চৎলি। ছাত্রিশিং অহুগী মতুং ইন্নবগী লোযননা ছাত্র অম—অনিনা, হরাওনা য়ারি শানরি, নোকলি, গুংঙাইরি। অময়োমদা ছাত্র খরমগীনা মখোয়না মতুং ইনবদা অমদি মমিং—মথানচিংবা হংবদা থুমদে হায়হুনা ময়োল অম শাওনরি। ছাত্রিশিং অহুদা থির—থিরবা য়াহৈনা হায়হুনা লঙনরি শাওহল্লি। অয়েৎদা কবুলিযা মখোঙদা ফমলিবা ছাত্রশিং অহুনা অমুক, শাওনিং—শাওনিংনা মুপী মং° ইনলিবা ছাত্রশি° অহুগী মথক্তা করেম—কথায়নহুনা ইকাইবা পিরকই। অহুদগী ফি-শেত্তবা য়া ঙাক্তা হায়নরকই। অসুমনা ব্যেবহার কায়নয়কবদগী, খুৎ থোকনা হেক্তা লাও খোংহুনা ফুনরকই। অসুমনা অয়াম্বা ছাত্র—ছাত্রি কয়ানা মথৌ গুদশদগী, মখোয়গী ব্রেন অহুদা নত্ত—নত্তবা য়াখল কয়া কয়া খলহন্দুনে; অয়েম্বদা মাং—তাকনবগী মশক ওইরকই। ছাত্র কযানা ফুন চৈনবা পামলকই; ছাত্রি কয়ামনা—ইয়াংদা তাওবী, লমচৎ-নাইদবী কানগী লৈশাবী ওইরকই। অসুমনা লম্বী শোরোক খুদিংদা ঙাওত্রং-ফৈত্রংনবনা পিক থনখ্রে।

হৌজিকী মতমদা ওন্ন তৈনবা অমনা; লাইরিক—লাইশু হৈ-হৌদবা নহারোলশিংনা তৌগদবা অচোব—অয়েমগী থবক কয়া, হৌজিকী লাইরিক হৈয়বা নহারোলশিংনা মখোয়গী মহুৎ শিন্নরে। অয়াম্বনা নেশা চায়ে, শা—ঘু, চুরুব—হিদাক, পানা—ক্বাদা তাওয়ে। অময়োমদা মহৈ—মশিং হৈচহৌদবা নহারোলশিংদি

ফনবু—ফরি। মখোয়দি লাইরিক ৈহদে, মীনা নোকখিনি হায়তুনা রাঙাং—শাঙাং, লমচৎ—শাচৎ অমদি থবক খুদিংমক্তা, মীনা লাইনা য়ানবা হোৎনচবদা, মপুন্সিতু ফনা য়াচরে। তৈ ইগুম্বম্বং লাইরিক হৈনবা নহারোলশিংগী মথক্তা, শম্বল খাও, লৈপন—নোংবন অতৈ থবক—ইনথাং শুচিন-যেংশিল্লুবু হেক হায়কববদি, অা লাইরিক তমদবা মচাশিংনা তৌগদবা অচোববা থবকনি; হা অতু—অদা হায়তুনা মিংচিনা হল্লা যেংদে। অদুগা শোয়োক্তা চাশিন—থক-চিল্লগা ওকগুল্লা ওল্লি, তুরি,। মতুনদি অফবনি, অয়েম্বনি হায়না থিল্লি।

থবক শুদবগী হৌনবী য়ায়েম ঙাংনিই। বায়ম ঙাংবদগীদি, ফুন—চৈননিংই; অতুদগীদি খুৎথোকনা যুনৈ—চৈনৈ অতুম ওই-তুনা শোক—পম্ব' যাওরকদগী শিনবা যাওরকই। অতুদগী য়াথোক—লানথোক্কবনা অয়াবা ওইনৈ। মতুদা উকিলশিংনা ফুরিংখাও চোয়ৈ; ডাক্তরশিংনা শয় চনিং তানা হোনচবা শদে। য়া য়াম্না হাযকবগী বাল্লবা লৈদে। মতুদি অপংবদনা লান ওইনাহোই, অশিবদনা কান্নহেই। য়াবদি য়াবনি অতুবু হেক্তিকী চাউখৎ-লবা মতমসিদা; হিনবগী লম্বীদা থোইনা য়াননিঙাই মরম লৈদে। "মী অমনা মী অমদগী করিম্থু হেনবা লৈদে। হেক্ হেল্লিবা হাযববু, মীওইবগী থক লেংমদা য়াংনা লৈরিবা কোক অসিদনি। মতুদি কোক্ অসিগী মপাল্লা কনংনা—চৌকি ফমলি, কনানা নোংথকতা পাইরি, কনামনা য়াই—শিংলি।" ঐখোয়

পুন্নমকনা মসিবু হুমিং হেক থোরক্কদগীনা - তাবফাওবগী মমুংদা উহুমদা লৈরি।

ছাত্রশিংগী ষ্টাইকনা হান্নমা থিংহুনা লৈরুরবা কোলেজ অহু অমুক হন্না, থা অমরোমগী ওইন। কোলেজ থিংহুনা মথা—শাং-থ'গ্র। লৈপাক্কী অমদি প্রজাগী ওইনা ত্রুরবা ফেংদোকলিবনি হায়দুনা কোলেজ থিংলিবনি। চুমন্দা চাক তাওবা অমম্ভুং থবক ফংনদবগী রাদস্থ নত্তে। (মনিপুরগী থর'ইগী মশক ওইরবা "ষ্টেটহুড" তানবগী ইরাংনস্থ, অকনবা লিচিং অম ওইহল্লবনি। অহুমকবু মনিপুরনা চহি অনিরাম র'না থাংচবকবগী মহৈনা খুঃ ১৯৭২ গী জানুয়ারী থাদা "ষ্টেটহুড ফংজখি। ষ্টেটহুড ফংলক্কগা লোয়ননা, মনিপুরগী মচি মচি খুন্দিমক্তা, বসন্ত যেন্নিং হুল্লকখি, হৈরাং কয়া পানলকখি, লৈরাং কয়া শাংলকখি, পা'মল উনা পুং-লকখি, তমাল মহৈ চুমলকখি। অশুম্না মনিপুরনা অরাংবা আশাগী মপাল তাংবগা লো'য়ননা, মনিপুরনা ষ্টেটহুড হেক ফ'খিবা হুমিস্তগা মনিপুরগী মশক—ফাবম পুম্নমক অফবা মওংদা পুমহোং হো'লকাখ) ৫ৌববুদি ময়ামগী ওইনা কোলেজ থিংলিবনি। অহুবু তেল্লবা মতম অসিদা ফাদোক তারবা মীনা জেলদগী থাদোক্কদবা অরেপ্পা হুমিংমক্ থলবগ্র; নাইহুমদনা হুমিং মশিং পা'হুনা, জেলগী চেকপল মহুংদা, খোরো খোরো হেক খোংনা থাংবগুম, বুমগী পোম্বী অমথক্তদি রাজবনা শদো থোংলক্নে। কলেনগী শান্নবা হুংশাদা, চেক্লা নোঙ্গোবীনা কোরৌ থকবু য়েং, কুক্ কুক্ কুক্ খোং, নোংমদোন লাইজবু কৌ—লাংহুনা রানা খা'চবা অহু, পূক

থল্লিবা অরাম খোৌরাংবা পোক্তিৗবা কনাগী থম্মোইনা, কল্লিবু খঙবিরুগনি, কয়ম হায়নবু ব্লাবিরুগনি, চেক্লা মাগী থম্মোইন্নুংগী অরাম—খোৌরাংবগী মৈনা চাক্লিবা অরাবা জতুবু, চেক্লা মতোম ব্লাজবা নত্তনা, তাইবং কনানা খঙবিনি। অরাবনি! চেক্লা মতৌবু উরগা অহোইনদুম নোক্লবি তাইবংনা।

খেংলবা অহিংদা মুমিত্তুগী, তরাতরেংনি পানখংলকবা থাঙগী মেংলবা মঙাল্লা মালেম শিন—থুংনা চামথোকললক্লবদা; মুরা ওইবী অমথক চাওর' শঙ্গাইগ্নংদগী লৈকোন পুথ্রী মপানবু তমনা তপ্না মপালবু থোরকলি। লৈকোন পুথ্রী মপান্দুদা লৈরাং থাবল্লেবু য়েং, মুজা তুমিন লেপলি। লৈরাং—লৈমন চল্লবী, লৈখোং থাদা পংদুনা লৈরবি অমনা পোমশংনবী কয়ানা লৈনারক্তা লোংলিবি লৈরাংশিংদুগী মতৌবু উবদা মুজা 'পুল্লিং মুংশিরক্লমাল্লে। নিংথিরবী মুজা মাইথোং মকশিন্না, লিল্লি হুম্বা মালংনা চোইথোকবিরবি মুজা শমলাং মপৈবু থোমচিনচ, লৈচিল্লক্তা লোংলিবি থাজ মাবু য়েং, লাইরৈবাক্কী বীনাগী খোঞ্জেলবু ঙমজনা মুরা মিংলু অনিদা তম্ন লাইজ্জ ইহোৌনা, লৈকোন পুথ্রী থুমহংনা মুজা শৈশকলকই।

থাজ থাজ নংবু উবরা
ওইনচাওবী লৈরাং থাবলৈনা
ইকাইনা ফীরু থুমলি'সে।
কোয়ৌ মুমিং তাবদগী
থাজ নংবু ঙাইচবনি
থাজ নংবু য়েংচবনি।

অহিংনা মিন্নিবী মঙোম্দগী খিতুং হথী অতুদা
মিপাইচাওবী থাবল্লৌদি লকশিন্নরে। হুপীমচা
রাজবনা অয়ুকী লিল্লা' পিরোইনরে। অবা
ও থাজ ও থাজ
থাজ নংদি লৈর্চিল্লক্কা
নিংঙাইবা লৈতনা
কেকু লোংবি শান্নরি।
করমনা উবিদে, করমনা খঙবিদে
রাজরবী থাবল্লেদি, মালেমলৈদা লুক্কুনা
নিংব কাইনা লৈরেদো।
থাজ থাজ নংবু উবরা।

ইশৈ 'সিবু শক, লৈখোংখাদা তারবী লৈমন চল্ল' লৈরাং অম—অনিবু খুন, ল্‌রবা লাইক্ত থক্কবু হুম্বরমলগা, মুরা কাদা চংগ্রে।

চাওরাকনা থা অমরোম কোলেজ ছুটি ওইকরবা মতুংদা; অমুক ইনৌ—নৌনা কোলেজ কানরক্লে। কোলেজ হাংবদবু রানা ঙাইচরমলবা লতাদো; 'পুক্লিং তয়াং—তশোইবগা লোয়ননা, মশম—মনা হাংজবফাওবা শংদনা ময়ামদগী ইঙন—ঙন্না থোক-চরক্লি।

অসোমদনা কুমদোরি; আলিমদি অয়ুকী পুং তরেৎ—নিপান ত্তাগ্রকাওবরা মহাক্লী লুহোংগদবা চাওরাক্লা থা মরি—মঙারোমদা

থল্লিবা অরাম খৌন্নাংবা পোক্তি্বা ্রিন্তুনা কেলেঙার য়েংলহনা থঙবিন্নগনি, কন্নম হায়দ্রিগী ইং জাতি অমদি মুসমান্নচিংবা কাঙবু-অরাম্রে অখাঙ্বনা সুপী অসি অহন-লমন্না হায়ন—শিঙনদুনা; চহি অমন্নোমগী মতম কাইথোকলগা, মতুদা অওং—অউন য়াম্না তম-দুনা হন্নাও—কুম্মৈ অমদি অচা—অথক য়ামনা চাওনা চা-থক্তুনা লুহোংনৈ) ঙাইহাক য়েংতুনা লৈরুরবা মতুংদা থেংলে হায়হনা হোবে হোবেনা কোলেজদা কাররে।

ক্লাসগী থোংচিনবান্দা লেপলদুনা; লতানা মাগী আলিমবু লাকবা য়েংলি। য়েংনা য়েংনা আলিমস্থ ক্লাসদা চংলক্লে। আলিমনা ক্লাস হেক চংলককদগীদি; লতাদো ইকাইথিবী মতোবু ওইরক্লে। মতম চাদনা অমুকতুদা হুমাং শোবা হৌরক্লে। মহাক্কী থম্মোই অত্থদা ইকাইবা অমদি পাখৎবগা লোয়ননা মিহুন অমনা দং দং হুনকৎলকলি। অস্থম্না “লতাদস্থ নত্তনা ইনৌ—নৌনা মুংশিবা হৌকৎলকইবা শাবি—শানৌশিংগী থম্মোইদা; অসিগুম্বা অরাবগী লাং অসিনা কনা ইচং থৌরমলবা মাইথোং অত্থবু মক্-শিনহন্দুনা অরাবা হেক হেক পি”। চপচাবি প্রমানলোমদা হায়রকনা ইকাই মুংশি য়াম্নবা হায়হুনি। ময়াম্না প্রাকটিকেল কন্না হোৎনরি। অত্থগা লতানা পেরোড লোইরমদাইদুমকতা করিগুম্বা অমদস্থ হোৎনদবমথৈ; মতৌ করম হায়না তৌরগা আ-লিমগী মথুত্তা চিঠি লানশিনবা য়াগদগে হায়না থক্কদুনা মহাককী মাথা অত্থ শাবা তৌকৎলক্লি। উপাই লৈরক্কবা মতম অত্থদি ক্ খংহললরোই হায়না থল্লুরবা য়াখল অত্থনা থুপঙমগ্রত্থনা,

মহাকমক্তা প্রাকটিকেল তৌমিন্নরিবী মঙোন্দগী থিঙং হন্বী অদুদা থ্‌না ইঙ্গিৎ তৌদুনা পিরুনবা নমদক—তকশিল্লক্লে। মুপীমচা অদুনা খুদকতুমক্তা পাইরক্কী লৌশিং অমগা লোয়ননা; অচমবা চে অমদা, ক্লাসতুগী ওইবা প্রাকটিকেলগী রাহৈ অম—অনিদং ইশিন্নরগা, চে অদুনা মথক্তা, চিঠি অদুনা মথাদা, অনি পুল্লবনা লোনশিন্দূনা ওঝা অতুঙ্গা হেক পিশিনলি। ওঝা অতুনা করিনোনে মালা, কদাই যেংগে যেংগে? অসি হায়রগা মখুৎ তিংখোরকই। অতুবু মুপীমচা অংনা থোরবা মিৎচিগী তেনগা লোয়ননা মমিৎ অদু থক কুপশিন্নদুনা লোন্না ইঙ্গিৎ তৌরকতুনা; মহাক গুক্লবনা লৈবিবা ছাত্রিশিং অদুদা হাইফেক্তং কোইরুবনা য়েংলমলগা, চে অনি অদু পুল্লবনা অমদস্থ যেংদবমখৈ, ফুরিৎখাউদা প্রোক প্রোক লাওনা নমশিনখ্রে।

ক্লাস লোইরদুনা ওঝা অদুনা ক্লাসদগী থোকথ্রবদা; লতানা অফিং—অফাই ওইনা মমান্নবীশিং লৈ—লৈদে য়েংদবমখৈ খংনোক হেক নোক্লতুনা মালাদা তাব হেক কোনশিল্লম্মী। মতুদা মালানা করিনোহৈ মসিবো। মীবু অফিং—অফাইনদৌনা হেক কোন-শিল্লকইসিবো; করিবু তৌরক্লবনো? অস্থম্না মালানা করিস্থ খঙদ-শিন্ন শারতুনা মশাদগী লতাবু হেক ইস্তোকই। পাঠক! মালা হায়রিবী মুপীমচা অসি, ঐখোয়না ইহান হাপ্পদা লতাগা লোয়ননা ওক্সিজেন শুংবগী মতাংদা থেংনচথ্রিবা অমদি লতানা হার্ট এটেক্ট ওইতুনা লৈরমলবদা যাম্না রানা লাঙ্গৈকন্নচখিবী মুপীমচা অতুবুনি। মহাক অসি মী ঙৌই, মমাই শাংই, চপই। মমিৎ অমদি

মিথয়েং—নায়েং পুন্নমক শক্তি মিত্রাদ—মিত্রামক্রি। অদুমকবু মহাককী মাইথোং অদুদদি হকথেংনরক্রব অমদি য়াররা মতমদা হথা লৈত্রবী; অদুগুম্বী ইচং-থৌবা, থৌনাগী গুন্না লৈতেংই। মহৌ-শানা শক্তি মিত্তা চংবী মুপীশিংদি লায়কনদে।

চিঠি অদুদবু য়ৌখিবা ঙম্নবগীদমক্তা ইশ্বরবু মথাদা চেৎনা কোনশিল্লহুনা, য়াম্না লাংতক্লবগা লোয়ননা লৈজরুরবা লতানা মালাগী মতেংন্না ঙমজরবদা, মহাককী থম্মোই অদু হয়াও—তুজুং-বগী ইয়াং অমনা থ্‌মহৎলকতুনা, মশা অদু ইতাও—তাওখৎ-লক্লগী। অদুগম্মু ম্নপুক্লিংদা অশুম্না খনচরমই। ‘মীওইবা হায-বসি মীগী মতেং ইয়াও য়াওদ্রনদি, মতোমক্তা হিংজবা ঙমচপে ৎ নত্তেদা” তশেংনমক ঐখোয় মীওইবা হায়বা অসিনা মীগী মতেং মুকয়াও—হেক য়াওদনা কৈদৌঙৈদস্‌ মশা—মতোমক্তনা, নাই-তোম—তাহুনা হিংচবা ঙমদে। মী অমনা ঙমদবা থবকতু, মী অমনা ঙমই। মী অমত্তা লৈব পোৎ অদু মীপুম খুদিংমককী ওইনা লৈনদে। মরম অসিদা মীওইবনা মরুপ—মপাং, শাটে ঙাই অমদি অচৌ—অশাং যামনা খল্লরিবনি। কনা হায়দুনস্‌ ইনাক খুল্লবা মহৈ হৈরবা মীওই অমনা কনাগীস্‌ মপল তাংজরোই, কনাদস্‌ নপচরোই হায়না খল্লিবা মী মহাক অদো, মহাককী মপুন্সিদা মুংঙাই—যাইফবা হ যবদুমদদি থকু ওই-থোক্লোই। হায়বদি মথক্তা হায়জরিবা মীওই অসিনা, মহাককী পুন্সিদা লন—থ্‌মদা অমদি মহৈ—মশিংদা মীঙোল্লা হায়চ—তাংচক্লরা য়াই। তৌইজৎস্‌ মহাকনা মরুপ—মপাংদগী হয়াও

মুংতাই মীনোক অমদি মীপুম খুদিংমকনা মহাকবু ইকাইখুম্নবিবা হায়বদুমদদি খক লৈররোইদবনি। নুমিৎদাংগী পুং নিপানমি, আলিমনা মহাককী কাটস্নগী ক্না অদুদা য়াম্না লাংতক্নবগা লোয়্-নন্না চিঠি অদু পাবা হৌরকই। মালানা তাক্লকপগী মহাক্না চিঠি অদুগী মপুম্থু মশক খংলক্নে। শোবা'বন মচুবু শংনা ঙমচবী, নিংথি-জরবী চেনা দুনী মথক্তা নিংথিজরবা মুক্না খুৎনা তক—তকনা ইরদুনা লৈরম্বা অদু উবদা মহাককী মথম্মোই অদু অমুকক্না হেম্না লাংতক্নহন্দুনা, চিঠি অদু নমপা—হেক প খৎলকই।

নুংশিথোইরবা

নহাককী নফমদা করি খংজদ্রিবী নচম্না, নংবু নুংশিজবনা ঙাওরবী ঐগী থম্মোইনা মতম কুইনদগী ফোংদোকচব ঙমদ—ঙমদনা রা অম—অনিদং তমথোকচখিবনি, নুংশি নকাদা। অদুবু নোংহৌ খঙদ্রবা ইঙা থাগী নোংলেনগুম নত্রগা অয়ুক্না ঙাবা লিক্লাগুম, করিনত্ত' কংখিনি খনবিদুনা লৎনবীগত্রনে নুংশিবা।

কৈদৌঙৈ, করম্বা মতমদা নুংশি নংগী খেশাদা খুপচবা কং-গদগে খনচ'রবী ঐবু, শীংংল লৈরাং নাওইতোংগুম লৈরাং লৈনম যাওদবীনি খনবীদুনা পামেল উমংলক্তা পৎ—পুমদুনা, অরেম্বদা মাংহনবীরগত্রনে পাখং ওইব নংবু। ঙসি লাইবক খিরবী নচম্না চেজেৎ অসিদা নুংশি হায়চবা নত্তনা, নাপ—চিক্না পাওমেজবদি ঙমচত্রেকো ননাওনা ইপোক—খিবনা। অদুবুনে মাজ ও লোংমতজ ওইরবস্থ, মুরা 'কান্দা খেংলেংবিরকউ। কোয়ৌ

মুমিৎনা ময়ুম চংগ্ৰবদা, ঐখোয় য়ুমগী নোংপোক থং' পুগ্ৰী মপাল লৈকোল্লুংগী কবিরৈ মখোঙদা, চেক্লা নোংইন মানা থাজবু য়েং-চবগুম য়েংচরমগেকো, নংগী মাইকৈ তমনা ......।

নিংচরিবী অম
নহাক্কী
জীবললতা

চিঠি অদু পারগা, আঃ মুংশিদকো ইবেম্মা। হন্না হন্না চুপই। অমুকম্বু হঞ্জিন্না পাই; হন্না হন্না অমুকম্বু চুপই। অদুদগী অস্তম্না খল্লকই। হযেংমক য়ুমলোমদা চত্তুনা ঐগীদমক্তা ঐখোয় অহন লমল্লা হাযবিক্তরে হায়বা লিনি কৌই হায়রিবী মুপীমচা অদুবু য়েংলুখিগনি। ঐগী লতাগা মহাকক্কা কনানা ফজবগে হায়বদু য়েংগে। কয়াবু ফজরমগবনোদা শক্তাথী; পাঙন মুপী মাগুম্বনবো। মহাক মশামক পাঙলনি হায়বা কাওথোকখিদুনা মশামবকী জাৎবু নোকনজরম্মী।

মথংগী অয়ুক্তা লিলোং তানা চত্তুনা মকমতুগী মমাননবা অমগা লিনিবু লোল্লা য়েংলুরে। ভানু—খুমু যোক্তুনা, যেঞ্জাং—নাপী থাদুনা ইচম—চমনা পুন্সি লেনচবিবী লিনিবু উবমকতদা, শাওখিবনা ব্রা—লান মচেৎ অমদ ফাওবা ভাংলমদনা ইন্ফাল তমনা থ্‌নুা অমুক হল্লকলে। মুমিৎদাংব্রাইরমগী পুং ২ রোম তারকলবা অদুব্রাইদা মহাক; মহাকক্কী কাটরদা থ্‌গৈল থুংলবগা লোয়ননা মথুক্তা কলম পাইশত্তুনা পাকলবা চেবাং মথক্তা লৈরাং অনিগী মগুন থাদুনা "লৈরাং অনি চাংদম্নবা" হোরকলে। মদুদা

মহাক্না হেন্না লুংশিজবা লতাদবুনা ৱাংনা ৱাংনা থাগত্তুনা ইখৎ-লকই। "অস্তুন্না মহাক্তস্থ নগুনা মীপুম খুদিংমকনা মশা—মশানা লুংশিবা মীওইশিংদবু; থিগে—থিয়ো ফজগে—ফজো, মখোয়না লুংশিচরিবা অমদি পামচরিবা পোৎশকশিংতুগী মগুণবু পংথাদ—থাগৎনৈ"।

মহাকনা লতা অমস্তুং লিনি মখোয় অনিগী মগুনগী মরমদা মচা থাই—থাইতুনা অস্তমনা ইখৎলকই।

লিনি : ঙান্নু-খুন্নু য়োকবী, শক—চু থোক্তবী, কেচ-মৌচ হৈদবী পুরা লরাইদ—লরাইন্দুপী।

লতা :- ইনাক্—কৈরাক খুনবী, অচৌ—অশাংগী মচা, চাউখৎবা লমগী মীওই। মশক্তা—মতৌদা, মগুন্দা সোরারেনগী মচান্নুপী অতোম্বী। ক্লাসনা বি এ সি সেকেন্দ ইয়ার (বেষ্ট ফৈ ফৈ। অপসা হোগা, অপসা হোগা। মপুক্সিংদা অসি হায়-রভুনা মগুক্ নোমই)

—লৈরাংগী জাত্তা হায়রগা খোইদৌচাকবী "নাতোনচাবী"।

—সহরমক্তা শাৎচরবস্থ মীনা কংগে হায়র্না য়ো—য়ো লাওনা তান্নরবা, লুপাক্লুংগী লৈন্নুংশি শীংঙেল লৈরাং কেতুকী।

অস্তুন্না লিনিবু থাদ, লতাবুনা থাগৎলুনা ইরকনা; লিনিগী মরমদা অমুক মথা তানা ইরকদা, য়েরাথে! করিবু কান্নগবনো, অসি হায়দুনা লিনিগী মরমদা মথা তানা ইকরবা রাহৈশিং অত্ত কলমনা থবৎ—থবৎ হেক ককৃথৎলি। অদুদগী চে অদু টেবল মথাদা লংথগ্রে। ভাইহাক লৈরগা হায়বদি মতম অমদা লতানা

মহাকবু কয়া খিনা তৌবিরকখিব অম—অম, থেক্সাং—থেক্সাং, কয়া—কয়া অদুবু করিস্ত লৈদনা খনদোরক্তুনা, করিগুম্বা মতমদা লতানা মমান্নবীশিংগা রারি—রাত্রাই শানবদা করিগুম্বা মতমদনা মোমোন্না নোক্লকপা, করিগুমদনা মপুং—ফারবী পুর্নিমা থাজগী মাইথোংবু শুমচনা মাইথোং মকা লামনা নোক্লকপা অদুগুম্বী মীনোক কয়া—কয়া অদুবু তংনা নিংশিংলকলি। অদুম হাইনা নিংশিংলকদগীদি মহাক্কী পাকলবা ক'গী ফকলাং অদুদা, নিং-থিজরবী লতাগী শুমংৎন মনোক্কী মাইথোং অদুন; মহাকক্কী মমিত্তুদা শং—শংনা হেক উরকলে। ফমলম্বদগী ফুক হোগত্তুনা ফকলাং অদুদা মথুৎনা লামগে তৌরকই অদুবু ফকলাং য়োদনা য়ুময়াই অদু খোংফম হঞ্জিন্না চপ লেপলগা, মথক্তা অঙাঙবগুম মোমোন্না নোকলকই। মহাকক্কী মত্তৌ অসি তশেংনমক মুংশি-বনা ঙাওরবা হায়বত্তুনি। অদুদগীদি কা অদুগী থোঙ অদু চেৎনা থিংচিন্দুনা; টেবিলদা খুৎকাপ্পী কাপলহুনা মথরাই মুংঙাইনা ইশৈ শককৎলকই।

মুংশিগী লৈকোন্দা চত্তুনা
থরাইনা পামচবা লৈরাং
হেকলুসি লাওনে, হেকলুসি লাওনে।
মুংশিগী লৈকোন্দা চংহুনা
থরাইনা পামচবা লৈরাং
পুন্সিগী তাংলবা শীংঙেল লৈরাং
থন্দুনা, হেকলুসি লাওনে, হেকলুসি লাওনে।

থম্মোইগী লৈকোয়ুংহুদা
শাংলমনিকো লৈয়াংদো
থরাইনা তাচখা লৈয়াংদো
লৈরাং মাবু হেক্তুনা
রাখল মন্দির শাকসি
মুংশি মংলান ওইরুসি
ওইরুসি।
মুংশিগী লৈকোন্দা চংহুনা।
মুংশি লৈরাং মাবু হেকতুনা
থম্মোই লৈকোয়ুংদা লাংলুসি,
লাংলুসি
মাংত্র' রাখলগী রাংমদা
মুংশিগী লৈকোন্দা চংহুনা।

অহিংসা চেক্লা নাইকৈ থিরকবা

লতাখোয়গী মুমদা মৌনহা তনাব—তনাববী অমগা থর মীয়াই চল্লবী অহল অমগা লোয়ননা লুপী অনিথক লাক্লমই। লাকলিবশিং অতু য়াম্না ইকাই—খুম্নব যাবা মীতা মাল্লি। মখোয়না লাক্কদা জীপ অমস্তু লোয়নয়কই। মপাদস্ত মমল য়ামলবা ফি—রোল ঙাক্তা শেংলকই।

মখোযনা মাঙ্গোল কাযক্তি হৈঙদা, লতাখোযগী মমানা চেন-থোকত্তুনা ওক্ই। অমম্তুং মচানুপী লতাবু কোয়হনা ফক—ফিদা-নচিংবা পুথোকইল্লি। লতাদি লাক্লিবশিং অতুগী অরাং—অপা চুকব—মৈনচিংবা ভাইহাক যেংশিল্লমমগা ইমুংদা চংগ্রে।

মীয়াই চল্লবী অহন অতুনা হৈ—ম্না লকোইনচিংবা অচা—অথক ভারি অমা হেক পুথোক্লহুনা—সে সে ইচানা চানবা হায়-হুনা করিস্ত নত্তসিবু পুক্তয়কইনে। ইচানবু চাবু—চাবিগত্রা খঙদেনে তৌজরিসি।

য়ে! য়ে! ইমাইপেম্ম! করিগী অস্তুক য়াম্না পুরকই'নো ইচেমসিদি। ইচেমগা ঐখোয় লতাকবু কনাবু ওইরবনো? করিগী অহুক হঙ্গোইবিরিবনোনে? ইচেমনা পুবিরকলি'সিনা ময়াইবক্তুম ফৈ। অসি হায়রগা হরাও—হরাওনা পোৎচৈশিং অতু লৌশিল্লি।

অমুম্না মখোয়—মশেল য়াম্না ভক্তি ব্যেবহারগা লোয়ননা য়াম্না চৌং—লেম্বা 'ম্না ঙাক্তা চাংনৈ। করিমত্তা কোইনদনা য়ামনা ফজনা চা—থক্লহুনা লৈনৈ। মখোয়না লতাবু ফনা কৌবনি অতুবু লতাদি থোকবিরক্তে। ঐখোয়না য়েংবদা মখোয়গী মতৌ অহুনা;

লভাখোয়গী মমাগা লাক্লিবশিং অহুগা হায়না থগুন—চায়ডুনা লভাবু লুহোংনবগীদমক হায়ন-শীংনবা লাকবা ওইনা নিংই। অওইবমকম মতুমকনি। অসুম্না মখোয় মশেন য়াম্না নোক—খেনা য়ারি য়াতায় শানরবা মভুংদা চৎননবা থোয়াং তৌই। লভা-খোয়গী মমানা মখোয় অনিবু হোজংক্লাওবা থিন্দোয়কই। লোয়ননা মখোয় অনিমক্ গাড়ীদা কাখৎগ্রে। গাড়ী অতুদদি মৌনহা অতুনা থোগগৌরি। ভাইহাক অতুদা মখোয়—মশেন কায়নরমদাইগী হৌনবী মহৈ মহৈ ওক নোম্নরতুনা, মুংশি মিৎচি—মীনোক্গী লাংনা জগৎ শুন্মমথৈ থক্কৎহল্লমলগা, মহৈ মহৈ কায়নগ্রে।

মখোয়না চৎগ্ররবদা মমানা মচাসুপীগী কাদা তপ্না তপ্না মচা-সুপীবু কৌর কৌরতুনা চংলকই। মমানা কৌরকবা তাবদা লভানা চেন্থোরক্লগা হেক মায়খিতুনা; মমা—মচা অনিমক খোংচিন্দা হেক ওক্নৈ। থাজ—য়োনচ য়ারবী মচাগী মতৌবু উবদা, মথাসুংদা পমতুনা খোমলাং অমৃত ইনলিভৈ অমসুং অঙাং নাওবা ওইরিভৈ মতোওয়া, হৌগ্রবা মতম অতুবু তশেং—তশেংনা নিংশিংলক্লমী। মথুৎনা মচাগুপীগী মশমদা হম্না হম্না নানবিরতুনা; অরা—মুংশি য়ায়না হায়রকই। ইচাসি চাওরেদো; পমগে হায়ববু য়াররোইনে হৌজিক্তি! লভানা নোকই। অতুগা লোয়ননা হায়রক্ই—হৌজিকবু ইমানা ঐবু পম্মে হায়বরো, ঐনা ইমাবু পম্মদৌনি। অসি হায়রগা মমাবু চেৎনা কোনশিল্লি। অসুমনা মখোয়না মমা মচা ওইবগী মুংশিনবগী অয়োবী থাকগী শরুক অমা উংলকই। ইমাগীদি হিক লৈত্রা কাইবিগে; লৈ‌ংউ—লৈরেনবু ওমচবী তুম্বক

ভুম্বক তাবী মথুৎশাশিং অহুনা মমাগী শমলাংলক্তা লোনশিন্নকই। ঙসিদি থেংলে হুয়েং কাইরুসি; ইমা রা হায়খিগে চেকশিন্না তাও।

—ঙসাই অসিদা লাক্লম্বা ৎপী অনি অহু করিগীনো খঙব্রা ?

—খঙদে ইমা করিগীনো ?

—নংবু হায়রবা লাকইবা।

—ঐবু হায়রবা লাকইবা. কনাগীদমক !

(লতানা পাথৎনা হংই)

—ইন্দক্তা পুলিশ ঐ এস আই ওইরবা; অষ্টার'কাদি অনিকা কারে হায়রবা; অা নংগী তা'মা কৈশামপাংগী দিল্লোহবু খঙব্রনে ?

(রা অহু তাবদা মহাক তুকচবা অম পোক্লমই)

—ইমা অহুগী ওইরবদি লাকহুযো, ঐ তল্লি।

—হায় করিগী তন্দোরিনো ? অহুক ফগ্রবা ইনাক-কৈরাক খুনগ্রবা ইমু'গী মচানিনে। পুলিশ অচোবা ওইরবনিনা রাথোক লান্থোক্লবদা ফরগদবা, অদুগা অমনা নং পাবুংনা তৌরিবা থবক 'সিগা ওস্থোক্লা নাইতে চানগ্রপোৎনিনে পঙগন্নে, অপঙবী !

(লতানা শাওনা খুমই)

—পঙদে ইমা কৈস্ব ! ঐ হৌজিক বি এ তমলিবীনি, তমলিবী। অা মহৌশাগী শো—সা তমলিডৈগী রা নত্তে ! (হিক্লা তিক্লা কপই)

—হৈমা কপইনহে, কপকত্তু পিতুম পাম্মুই ইচাসিদি (মচাবু কোনশিন্দুনা মুংশিনা নানবি, 'পি তৈথোকবি)।

"রানা থা তরা নাওপুহুনা পোক্লবী মচাশিংগীদমক্তা পলেম

ওইবী মমাশিংনা; মিকুপ—নাইদম অৰ্মান্দু ৱাঁবা লৈদে। "মচাবু মুংশিদবা মমা সংসারসিদা লৈরম্বদি য়াঁই; তৌইৱম্বনুং অয়াম্বা মমাশিংনা মচাবু মুংশিবনা নম্ম ই" লতাগী মমাদু মচাগী মপুক্লিং খংলগে খলদুনা হংলক্‌ই? অদুদি ইচানা শামত্রে হায়রবনিনা; ইচানা খোইতাবদো কনানো? ইমাগা অমুক্তা শেংনা হায়মুদনা! লতানা হেক হায়গে তোরকদা; মহোশাগী খোদোক অদুনা হেক নিংশিংলক্তুনা কাখৎলুরবা মচিথান অদু চিকশিন্দুনা খাংই। অদুদগী হায়দবা য়ারক্তবা মতাং ওইবনা; শাজিন্নবা ৱাহৈনা হায়রক্লে। তশেংনমক। হৌজিকসী মতমদা লাইব্রিক তম্ব মচাশিংনা ওইদব ৱা ঙাংব হৈবস্কি; ইশিংদা ঙানা হৈনবগুমবনি।

লতানা মমাদা অস্মনা হায়রকই। ঐখোয়গী কোলেজগী ওঝানি, মশক মতৌ য়ামনা কজে। মহাক্‌না ঐবু মুংশি হায়, অদুগা ঐবু মীঙোন্দা চৎখ্রম্, ঐগা লোয়ননা লুহোংসি হায়নম্ম হায়রকই। অদুদম্ম নত্তনা লাইব্রিকস্ন ময়ামদগী ঐবুনা হেন্না হেন্না তাকবি। মচাগী ৱা অদু লোইকাৎত্রিঙেদা মরক খংনা হায়রকই' হৈমা। ওঝাদবু লৈবা হৌনত্রো, খাইনদগী হৌনরক্তে, লৈগদ্দু লৈগদ্দু! নং পাবুং তারদিনে ফু—চৈজরকনি। তুমিন লৈজৌ নঙ। নকম্ম—নরবা, ই—শাওম্ম ইখং—খংনরবা অসিদা লৈয়ুকো। ইমা চাক—ইশিং খোংলুখিগে অসি হায়রমলগা কা অদুদগী মপান থোকখ্রে।

মমাকা খোঙ্কঙ্ক অকুপা; মতোমকা খাজরোই। মিতো হায়রিবা মুপা-মনিবু ঐগী মমনা ওইগনব্রে? চহি হায়রা কুন-খুম্বুক শুরক্ত অতুগীন্, মথক্তা মমা—মপাকা কেথোক খোংখোঙ্গা য়োঙ্কনবা অমসি ইমাক—কৈবাক খুনবা মচাশিংগী হৌনবী মী ঊশিক্তবা চাব—থকমনন্ হালেংবা লৈত্রবা মীওই অমনি।। মহা ওইরিঙৈ মতমদা মীকু—মীচৈ; হুন্নান—চিঙ্খিদা ভোহুনা লেমক্রবা মপুন্সি অহুনা কাম্নকম খংলকত্রহুনা তাঞ্জা য়েংহুনা পুলিশ লাইমদা চংলকনি। মশামকনাপুলিশ ওইরগা, শা, য় অমসি ময়াই কাবা নেশাগী চিঞ্জাক কয়াদা তাওতুনা লৈ হাম্নবসি লতামদি তশেং—তশেংমা খঙলিবনি। অদুগুম্নবা মহাকী মকমদা লভাগী মুংশি-বনা কৈদোউৈঙদস্ খুত্থম চনবা ঙমলোই। মহাকগুম্বী কয়া কথা লৌখিবদা হালেংব—লৈরম্নোইদবা মীতানি।

অমবোমদা লভাগী থম্মোইদনা, আলিমগী মাঙাং মাতা মজবা, চী—লেমবা পুকচেল তপবা অমদি মুপা ওইবগী মতিক চারবা গুন পুম্নমক গুনা চেনবগুম তোরবা অদুগুম্নলবা আলিমগী শকক্ম—মূর্ত্তি অহুদনা মতম চুপ্পদা ঙান্দুনদা লৈরম্মী। মহাকনা অহুকী মতিক চেৎনা নিংলম্মী। মদুদি মহাক্না মতম কুইনা চেকশিন্না লেংজরিবা আশাগী লৈপরেং অদু; আলিমদা কৎপ নত্তনা কনাগী মকমদদি কৎলরোই। অদুদগী মুংশিজরবী মমাগী কল্লবা মাকম অদুবু থম্লুবদা; মমাই অদু মোনদা ঊপাশিন্দুনা পহিং অদুমা কপনা কপনা লেম্লম্মী।

কন্তব পাও খুনা শন্দোকই হায়নবগুম, লতাদা মাগী চিঠিগী পাওজুম বানা ভাইজবগী মথুত্তা, খুমিং মখি—মঙালিনী মনুংতুনা মমাঙবীশিংগী মকথদগী অমুত্না ভারকই। "ঐকোয়গী ওঝা আলিমগে ল্হোংগদবা বা অময়োমদা ভাইরেয়ে; অদুনদি মহাক্না খুত্তিমকী য়াম্না কেনা—কেন্না লাকই'নি"। অদুক বানা, বাংলেমথৈ শাগৎচরুত্তবা মহাককী আশানা, লমথাংবা লম্ফুরকবদা, উপাই নৈত্রবা মীগুম; মহাক পুন্নপং-পংত্রে। ইকাইখোই—শাওনিংখোই তেতুনা হায়গুম্না নোংমদস্ চাং—নাইনা কোকোক কাত্রে, পেরোড শুনা য়াওত্রে। অয়াম্বা মতমদা আলিমনা উখিদনবা হোৎনবনা মহাককী মকমদা য়াম্না অকায়বা অম ওইরক্লে। পিশক—পিল্লিচৈদগী নোংমদক্তাওবা স্কুল কাখিনবা খুমিং নৈখি-ত্রিবা, মহাকনা থেংনরক্লিবা পুন্সিগী অহোংবা অসিনা মহাককী পুন-সিদা, অরাবগী মথংদ—মথং অম অমুক শমথবা হৌরক্লবনি।

অময়োমদা আলিমনা য়াম্না য়ানা খুৎ—চংনা ইদুনা লৈরবা মহাককী চিঠি অমত্তু লতাদা হনখিনবা ভাঙ্গা ভাইরি। নোংমনা মালাস্—লতাস্ হেক লাক্কে। নোংমনা মহাকনা হেক চত্তে। অস্মনা অমনা লাক, অমনা লাক্ত তোত্তুনা হৌজিনখ্রিবা খুমিং তরেৎনি—নিপাননি ওইশিনখ্রে। অদুগা মহাকনস্ নোংমদস্ লতাখোয়গী মস্মলোমদা চৎলম্বস্ ভমত্রে। করিগুমবদা মহাক্না চৎকে হায়না খল্লক্রবস্; মশাদা অকিবা অম লোয়নরক্তুনা চৎদি—চৎনিং চৎব ভমদ—ভমদনা অদুম মতোকলে। মহাকগা ওঝা ওইমিন্নবা, খোয়াথোক্তদগী মৈতৈ ওঝা অমথক কোলেজতুদা য়াওই।

হায়রিবা মৈতৈ ওয়া অসিগা মরাকপি য়াম্না নুংশা তিনবৈ। অয়াম্বা মতমদা কাপ্পি-জোগামগু তৌবৈ অমসুং অরু—অরুবা বারিনচিংবসু শাবৈ। লোমদি মখোয় অনি "অঙম মখোয় কোলেজগী ছাত্রি মশক কক্কব—কক্কদবগী মরমদা বারি অসুম শানরকদা; হায়রিবা ওবা অতুদগী থাজব য়াব ঝাকম অম তাররকই। মখুদি "শ্রেখোয়গী ছাত্রি লতা হায়রিবী অসিদি মশক-মতৌ কক্কমন্দুনা ক্ষৌরমালে; কোলেজতু লোইদনা লৈবু—লৈহোংখিদো-রেবু হায়নে"

—কনাদা। (আলিমনা পাখৎনা হংই)

—অমা মখোয়গী দিগো হায়রা কৈনো খংদেদা; কৈশাম-পাংগী জেন্টলমেনছুদনেবু হায়বগুম তৌইদা! বা অতু তাবদা আলিমতু ওইহাক পংথতুনা লৈ। অতুদগীদি মপান খোকল্লিগে হায়রগা ফুক হোগত্তুনা চৎখ্রে। লতামক্তবু নত্রবসু মালামক্ত নমদনা হেক্তা পিরগে ঙসিদি, অসুমনা থল্লহনা পুক্সরকবা মহাককী থম্মোই পাওদম-চে অদু, করিসু লৈহবী নুপীমচা মহাক্না ঐবু লোৌনমলিবনোকো থল্লুবদা, শাওনিংখিবনা চে অদু শ্রু শ্রু নৈ-হৎলগা ইউঁরিন কোমদা লংথক্রে।

অচুম্বা-ওইনদি আলিমনা খঙথিদে অমসুং মহাকনা লোম্না "লতাবু মীগী ওইঞকদবনি" হায়না খনখি অওইব—ওইনদি মতু নত্তে। ঙসিফাওবদি লতাবু কনাগুম্বা অমত্তসু পিংখিব লৈত্রি। অহাথদা লতাবু হায়ব-লাক্কব থুমিং অদুদা "মখোয়না ইহান—হান্না হায়ব চংলকবা থুমিং ওইবনা" থুমিং অতুমকতদি লতাখোয়গী

অহন—লমনশিংনা কনমক পিনিংলবস্থ হৌনদবদগী মচানুপীবু লানখোকখিদে। মখোয়না অস্থম্না হায়খি। ইচেমখোয়নবু পান্থু—পাম্বিরবদি, খা অম খংদে, মওানি—ত্তরানি খংদে, নুমিৎ অকবা অমদা অমুক্তং হনবিরকউ, খোক হেক লাম্থোকচগে।

অমনা অমগী পুকচেলবু খংনদবনা, লতানা আলিমবু খম্মোই কনমল্লি সুংশিহৈদে হায়না শাওরি। শাওবদা নত্তনা; আলিক্সা অতোম্না সুপী অমগা লুহোংগ্রকনি হায়না তাব সুমিত্তদগী হৌনা লৈফম—চাকম খংদবমথৈ, মচি—মচি খুদিংগী থেঙ্গাং—থেঙ্গাং খুদিংদা কপ্তুনদা লৈজররুবনি অমরোমদা আলিমনা মহাকবু লৌনম্বীনি, অমসুং মসুং—মমায়বীদস্থ নত্তবা মামকগী ওঝামক্তবু হেক লৌনস্বা ছমবী, মৈতৈ হায়বা জাৎসে লৌনম লাংবু থাক্তুনা, লৌনম ওাখি যোন্দুনা চারবা জাৎনি। অস্তম্না আলিক্সা মহাকদবুস্থ নত্তনা মৈতৈ জাৎ পুন্নমকবু চেম্বইন্দুনা মরোল অম শাওরি। মরম অসিদগী মহাক্না লতাগী মরমদা করিগুম্বা অচুম্বা ই—পাও অমদা মখা তানা হংথদ্রে। শাওনিংখিবনা মহাক তুমিন্না যৈশিন্দুনা লৈগ্রে।

থা অমরোম লৈরবা মতুংদা; হায়নখিবা মতুং ইম্না লতাবু হায়বা লাক্লে। মহাকবু দিল্লোদা নমহ্নুনা পিগ্রগনি হায়বসিদা, মহাক জ্ঞান তারক্লে। কম্বীখক্কী লেমলৈ ওাগুম ক্রং ক্রং চোংহুনা, কপ—লাওনা খাংলক্লে। মহাকনা কনা হায়চৈ। দিল্লোগুম্বা মুপাদা লৈদৌ শরুক পুল্সিচুম্না ব্রহ্মচারিনী ওইচগ্রগে। নচাগী অরাবা য়েংহুনা; নচানা হায়চবসিদদি ম্রাবিয়ু ঐগী

ইরাইবকনা খিবনা খুংশিংইরবা নখোয়বু হন্দক মপোক অসিদা ইমা—ইপা শকব কংজক্নে। ইমা—ইপা শক কংজবগী মতিক খুংগাইজব হায়বদু ওইচগে; হায়চরিবসিদদি য়াবিদু। ইমা ঙসি অপোকবী নমোমনা পোক্কবী অমগুম্না হায়দ—হায়চরিবসিবু য়াখি-য়রোইদ্রনে ইমা। মচাগী বাতু তাবদা 'হরে। হরে' হৌক্লিকানগী লাইরিক তম্বীশিংদি মিথয়েং—নায়েংদ নঙনা অা য়োনরবী অা য়োরবী! আইম্না হৈরিবা, শো য়াননা কল্লিবা ঙকচরেদকো সৈতা। (অসি হায়রগা লাকইবশিং অতদা ওনশিল্লদুনা তাবু —তাওনহে ইচেমখোয় হায়রিসে। মথুৎনা মথবাক য়ৈরদুনা, নোম্মরগা ইশি শিনা নোকই)

মপানা মচাগী বাম্তু, ইমাগী বাম্ত লাওহৎদুনা চিন নম-হৎলগা মচানুপীবু লাকইবশিংদুগী মখুত্তা লাম্থোকখ্রে। মহাক্না অমুম্না ফাগি ওইনা, করিম্ম নুংনাংবা লৈতনা হায়রম্মী। ইচেম-খোয়—ইবাইখোয় অঙাংনা য়াদে হায়দুনা করিমত্তা নুংশা থীবি-কগম্মু। ঐখোয়না অদুম ফনবা শিনচরকগনি। হেরা। নুপী হায়বসিদি যন্দ—যন্ত্রীদা। মপুকবু লামহল্লবা, লামলবা মপুক অদুদা চরু—চনা ইশিং—মশিংবু খর পিথক, মতু খর হেক নান তৌবু-তৌখিরবদি হুম্নি কাপোৎ নত্তেদা! হোই হোই; ইবুংঙোগী কৃপানি (মহাকী বাতুদা লাকইবশিং অতুনা মপুমক্তদি হয়াওরবম্মু, হেক কম। নোকদি য়াফাৎদসনিনা মচিথান্দা কংনোক নোকই) ঙসি ১৭ নি শানবা যুমশকৈশ অসিদগী লাম্থোকচরবনিনা; চৎলিবা থা অসিগী মেরাগী ২৫ নি শানবা ইরাই খুমিৎসিদা হোংলনবা

তৌহৌরসি; হুমিং-থানা ফরিঁগে অসিদা। থর কুইনা থমচনিংবনে অদুবু হৌজিককান অসিনদি কংনত্রবনিনা, থমচনিংত্রে। য়াহৈদগী "নিংঙোল পোকবী পাপচেনবী" হায়নরিবনিদো! অদুনা ময়াম খ্রাইমক হনবিখ্রো; য়ুমদা হৌনবী মপোং—মচৈ অম—অনি লাংবিরু। অস্না লৈশি—লৈথোয়দুনা; মহৈ—মহৈ থুরুম—থাকমনদুনা, লুচোংনবগী অরেম্বা হুমিং থানয়মলগা চংনখ্রে। [মীগীদি মচা—মশু লোন—লৈনরবা মতুংদা চহি অকোন—অকানগী মতুংগ্না ইচেম—ইবাই কৌনৈ। অদুবু মখোয়গীদি লোন—লৈনখ্রিবৈদগী হৌনা, ইচেমগা—ইবাইগা। ওম্মোক্লস্ পিনিংথ্রমাল্লেদা!]

মপাগী য়া "সুপী হায়বসিদি, ঘন্দ-ঘনগুঝনি" হায়ব হুংশি হৈত্রবা য়াহৈশিংদু তাকবদা মথম্মোই প্রোক-প্রোক হেক চাকবমথৈ শাওরদুনা ঙাইহক জ্ঞান মাংদুনা য়াম্থকরবা মতুংদা; মনাক্তা লৈরিবী মমাদুবু "চৎখ্রো চৎলু, ইনাক্তা লৈবি-লাকবিয়ু হিংচাবী" অসি হায়বদুনা মমাবু মপান্দা ইম্মোকখিবগা লোয়নননা, মহাককী কাগী থোঙশিং অদু চেৎনা লোনশিন্দুনা য়াম্থবমথৈ কপলম্মী। অদুদগী অঙাওবীগুম ফুক হোৌগত্তুনা, নিংথিরবী হুজা শকফম ঙদুনা মশম-মনা ইকা-কানা, মথুৎ—মশা কনদোক্লহন্না ভৈরবীগী শকফম ওল্লকই। শাওরবা নোংশানা, য়েক্ল লানফমগী মৈরক্তা লাও—খোংদুনা চোংশিনগদবগী প্ৰথি নিকনা ঙংলক্লগী কীবনগুম, মমিং—মনা শংকৎনা মশা নিকনা, ফি ফি কাম্লহনা লেপলি। মক ককী মমিত্তা জগৎ অপুম্বা করিস্, লৈদনা উরক্লে।

জগৎ অপুমবা ঙাইহাকগীদা ওইবা, মায়াগী লাংনা কুপলিবনি হায়বসি মহাক যৌজিক্তা ভাব ভারক্লে। "ভাইবং মীওইবনা হু চেন্নবা লিনবু শঙোম শিথক্লুনা য়োকবদি, লিন অহুগী অক —সুংঙাই ওইনবা য়োকব ওইরমদে । মখোয়না শুংশিত্রব কল্লক্রব মীওইশিং অহুদা, খাজিন্দুনা চিকহল্লগা মশান। লঙচগদব পাপ অহুবু, লিন অহুদা লংচহনখিবা ওইরমলে! উচেক মপিনা অকথা নোং—সুংশিং মরক্তা মহুম--পোঙেন শাহুনা, ব্রানা কৌজেং—হারৌ ফাহুনা মচাবু চাওনব য়োকলক্কনা, মচা অহুনা মহুমদগী হেক পাইখোকখিবা সুমিত্তগী হোন। মপী—মচা শক খংনদনা, মাগী মাগী মীচং শক্তন নাইহুনা মহৈ মহৈ চিক্কবা! অসুম্না শা—উচেক্ত নত্তনা ভাইবং মীওইবনা হেন্না তমথিরবা! ঐবু ই মতুমদগী চাওনবা য়োক্লুনা, জীপ—কারদা লাইরিক তম্মু হায়হুনা খিনবিরকগী মহৈনা ঙসি মচা ওইবা ঐনা হায়চবদা অমুক্তস্ হন্না খল্লবিবা লৈদ্রবা। কৈ! ঐনা কনানো; মখোয়না কনানো? ঙসি ঐ মখোয়কা করি মরি লৈনরি, করি খোল্লরি। মেরে খুরসী জায়েংগী হে। জগৎ কুপউ। নংগী ওইদ্রব মা-য়াগী লাং লক্কা—লক্কানা তাংগী লাং থাকউ নথক্তা নেংতুনা নোকনা নোকনা চংপিগে ঐহাক"। [লাওনা-ঙাংই]

অসি হায়রগা লোনলিবা খোঙ অহু হাংদোকতুনা; মপানদা চেম্ভোরকই। খোঙচিঙ্খাদা মমা লৈরমবা উবদা অমুক হননা মহাককী কা অহুদা চেনশিল্লি। অহুদগী কা অহুদা লৈরিবা পোৎ পুম্নমক, ক্রোং ক্রোং অমদা থাকতবমখৈ লুংথায়ব হৌরকলে।

মহু উবদা মপানা চেনশিল্লকতুনা; খুপাক্লা হন্না হন্না থাবিরে। লোয়ননা অস্নুয়া থিনা চৈবিরম্মী। লাইরিক হৈয়গা লাইশু থংদবী। মমানা—মপানা মচাগী মাংনবা শিনবা হোনব্রো? বুহু নংমুক পংবী নুপী কনা য়াওরিনো হুনিয়াসিদা! ঙসি নং নখোং—নখুৎ পাং তিংলগা ফুথো হায়রবো? মপাগী য়াহুদা মহাক য়ামনা থুমনিংবনি। অহুবু অমুক্তস্ন মপানা নং হায়নকাওবা থিত্তং কনবা য়া অমত্তনস্ন পন্দুনা চৈরকথিদ্রিবা মপানা, ঙসি তোংলকলিবা তমথিরবা মঙং অহুনা কাযরবা মথম্মোক অহু খুতম চেৎনা তাশিন্দুনা কনমক থুমনিংলব মচিনবান অহু খপ্-খপ্ চিংনা থাংজরম্মী।

মুমিদাং পুং মরি—মঙা তারব ফাওবদা, মমানা কপলিবী মচামুপীগী নাক্তা ফমহুনা থেম—নৌরি। মমাগী মতৌ অহু; মশানা যানা হাযদোকখ্ৰবা বা অদুবু হৌক্তিক্তা নিংঙমলক্তবগুমনা নৌরি। মচানা কপ্পদা মহাকস্ন কপ্প য়াওরি। অস্নমনা ঙাইহাক মচাবু থেম-নৌরমলক; চাথুম কাদা চংথিহুনা চাক—ইশিং পানংৎনবা লাকনরি। লাকনবগা লোযননা চাক—ইশিং চাননবা শেম শাবা লোইরক্লে। মমানা অস্নুয়া লাংলিডৈ, মপানা মহাক্তী কাদা বাযেন লাইরিক পাহুনা লৈরিডৈ, মুমিদাংগী পুং নিপাল্লোম তারক্লবা থেংলক্লবা অহিংগী তাল্লক্তদা, লতানা লোয়া মপান থোরক্তুনা, আলিমগী কাটর তায়া চেল্লক্লে। মঙাক আলিমবু মুংশিবগী মৈনা ঙাওখীবনা, মশাদা করীমত্তা অবী-অথং লৈরমদে।

অঙকনি! মুংশিবগী মৈ হায়বসে, ওস্থোকনস্ত মহু চাওইদা! অকি – অথং লৈতে; ইকাই—ইকি চংদে। মুংশিবগীদমক শিবক্কাওব চিংনদে। "থোৎন নৌরবী লৈব ক্লৈ নঙনা—নঙগী ভনৌরবী লৈয়াং—লৈনানা শারবা কালেস্থাগী লৈকং খিনগাযতুনা থারকবা, কমদৌনবু ঙকলোইদগে? কেজ—নৌজবদনা নাওথী শারবী থোৎন —নৌরিবী লতানা থেংলবা অহিংসিদা মী লাই কিদনা মুংশিবগী নাক য়ৌন চেল্লকব, থৌনাফবীনি কয়মনা হায়দগে? অওই-বমক মৈতৈ চন্নুগী অশেংবা মচাশিংদি থরাবা খুদোংথিবা থেন —লেংনরগা থোইনা—থোইনতুম থৌনা ফবা হেল্লি"। মহুগী শাক্কিদি মোইরাং থোইবীন, মথংলেন থম্বগী মথরাই কন্ননবগীদমক অহিংদা লোননা মথুত্তা ছুরি পায়তুনা চেনখি। মহারাণী লিস্থোই-ঙম্বীনা মবুংঙোগী মাই ঙাকনবগীদমক, মরৌশিং—মথৌনানা য়েকন লোই চনখি।

মেরা থাগী থাশিরমদাই ওইবনা, নিংগমথানা চংলকনা মতম অসিগী মুমিদাং পুং নিপাল—মাপল তারকব হায়ব সফনমক থেং-ত্রবস্ত খরমথৈদি থেংনবা অহিং হায়বতুনি। অসিগুমবা অহিংদা লতানা আলিমগী কাটর তান্না চেল্লকব অমদি অহিং অহুদা মখোয় অনিনা চেনখিবগী মথা তাবা রারিদি; এখোয়না লাইরিক অসিগী "অহিংদা রাকৎচাওবী লৈরাং" হায়ব রারীগী মতাংদা থেংনবিত্রব অতুনি। পাঠক! এখোয়না রাকম অম থেংনখি। অহিংদা রাকৎচাওবী লৈরাং হায়ব রারিগী মতাংহ্ন।। মহুদি লতানা আ-লিমদা হায়খিব "তামো নহাক্কী রাশক অতু অমুক্তা নিংশিংবিয়ু।

ভামোগী য়াশক অতু কায়বিগে শায়নদি থনবীগনু”। অনুমনা আশিমনা য়াশকখিব মতাং অম ঐথোয়না থেংনখিবগুম্বদি ভোই। অতুবু হৌজিকফাওবদা য়ারেং অসিনা, করম্ব মতাংদা অমশুং করম্ব মতমদ আশিমনা করি হায়না য়াশকখ্রিবনো হায়বতুদি ভাকখিবা লৈখ্রিদ্রি। অওইবা য়াবু ওইম্রিগদ্রা নত্রগা অয়ানববু অচুম্বা শাবয়া? অতুমকবু শকখিদি হায়রিবনিনা অচুম্ব য়াকমদি ওইরম্বা য়াই। অতুনা লাইরিক অসিগী অধুববা করম্ব মকমদ য়াওরিবগে হায়বতু অমুক্তা মুম্বা থিজিনসি। ফংদ লাক্তদি শুকয়া - য়ায়োই, ফংনব থিনি।

কম্বীথক্তা লেমলৈ—ঙানতৌ'গুম

ভোগেল জর্জ ঐগী ইচাম্নপী মকনা; পাঙলমক্ত চেনবকো! হরে কৃষ্ণ, হরে কৃষ্ণ! ঐদ শিজ্জগ্রগে। ঐদ শিজগ্রগে। (মথবাক য়ৈরক্সনা, মখোঙ—মখুৎ ক্রিং ক্রিং চোংলহ্নুনা, শিগদবমথৈ লাওই) মপামকবু চংহাৎ—হাৎপা ঙম্বী, নংবু ঐনা পোকপা ইচারা? মাংবগী জাত্তা হায়নরব মপান্দগী ইমুং থোঙজিন লানশিনহন্দ্রবা; পাঙল-মক্তবু চেন্দুনা ইপা—ইপু মায় খুহন্নব শিনবা। হুম্! ঙসিদগী নং ঐগী ইচা নত্রে। নংনা ঙম্মে চেল্লু। ঐনা ঙম্মে লাক্নগে। শিগে—শিয়ু। শিরোই—হাযরবস্ন শিয়ু। সেরা! হুইনাও মচা-ফাওবদি চাওনবা য়োকলুরবস্ন লৈতোনবু লেকবিয়কই। কৈমচাবু য়োকলুবদি মপু চানবা লাকনরকই। কৈ মচামকস্ন নত্তবা, অপোকপী ইচামক্তস্ন শাহিং—চাব শাদগীস্ন হেন্না তমথিয়ব! কৈ! খঙল্লু ঙসি। (মচান্নপীগী মশম ফোইহ্নুনা, হনব লৈতনা ফুরম্বা অহুগা লোয়ননা কাংথোনকা পানা থেরিনা ক্রক ক্রক লাকমথৈ পুমশিল্লমই) হে! মমা। পুনলিবসি থাদোক্লমুকো। হেক শিদ্রি-বমথৈ পুনকদবনি, খঙঙরা। করিগুম্ব থাদোক্লমলবদি, ঐনা পায়-রিবসি উরেদনা—উরে! (মুখুৎ নিক্লহ্নুনা; পিস্তোল পিস্তোল) ঐ চংথোকলুখিগে। পাঙল শরীদো মতিক থোকব লাক্লরুখিগে।

মরাল লৈজদবা আলিমগী মথক্তা, ওঝানা ছাত্রি চিংই অমদি মীনা পিগ্রব মুপীবু নমহ্নুনা চিংলমবগীদমকনি হায়হ্নুনা, মহ'ক্কী মথক্তা চাওরব কেশ পানখৎত্রে। ঙসি মেয়াগী ২৫ নি পানম। হায়ন থানগ্রবা হুমিৎসিমক্তা লতাবু দিল্লে দা নমহ্নুনা লুহোংলে

লুহোংব অহুনদি ওঙ্গোকনা অরাঙগী মতৌনি। অচৌ—অশাং ইমুংগী মচা—মশু লুহোংবগী হৌরবী অচা-অথক কুশ্মে—ফিয়োংনা কয়াম চাওখ্রিব' অওং—অঙনবী য়ামখ্রিব; য়েংবদা মহা অঙক অম ওইরে। অচৌ—অশাংনা কয়াম তিনখ্রে অদুবু অরাবদি, অদুক চাওমা অদুক লেমনা ময়াম মমাংদা লেম্নদুনা চাওরেমখৈ হোংলকদব লুহোং মহো' অদুবু, তবেম্বদা ফাগিগুম থোকলে। ইমুংদা পোৎলোয শেংবী অদুনা রাজবনা চুমাংনা লরাই কাংলে। মুপী পুথোক্রমদাই পুংকম য়োরক্লব ফাওবদ; শেম্ব—শাবগী অরোইব নাইখিদ্রে। থরাই হামচৎনরর, লেপ্প লৈতনা তাগ্রবা পিরাংবা অমুক তাররুব লৈরক্লব মায়থোংমা মুঙহুম্না কনশিনগ্রর, মর হোনবগুম হোনদবগুম অশাব মুক্তিগুম্না লৈগ্রব অদুগুম্নগী অরাবগী কীবমনা খুয়োনরবী অদুদা খুৎশেমগী লৈস্তোংনা চন্না হন্না নাপ্পদি করিদবু কান্নকগনি। অঙাংনা লাইথি লঙনদুনা শান্নবগা পাংথক্লি।

লুহোংবগী পুংকম য়োবদুনা কৈন্যা পুথোকনব লাক্লরকই। কৈন্যা শেন্নবী মমা অহুনা মপুক্তগী তাব মচাদ মচাগুম্মা থেম—নোদ্দুনা লতাবু চীংনা—লেমনা ইরেঞ্জনা ময়াম মমাংদা থোক্লব হোৎনক্লে। কান্নরকত্রবদা ম'ঙ্গোল থোঙচিনবান ফাওবা মথুৎ পায়দুনা চিংথোরকই। (লুহোংবগী কৈন্যা শেন্নবী—হায়রবসি য়াম্ন লুব, অমদি য়ামনা হৈ—শিংদব য় দব মতাং অমনি। হায়রবদি মুপী মশানা কনমক য়ানিংদব ওইরবস্ব, হুমিৎতুগী মমাদ - মমা-গুম্না অপোকবী মমা শারিবী,, কৈন্যা শেন্নরিবী অহুগী থেম—থৌব বাঙাং—রাঙা কয়ামুকনা, মুপী অহুবু মপুক ওহলন্দুনা

য়াহনলকলিবনি অমদি য়াব য়াওহনলকলিবনি। অদুবু লৃতাবু শেৱরিবী অসিদি লতানা খঙোই কনখিবনয়া নত্রগা মহাকনা থেম—নোব হৈদবী, রাশী চেন্দবী অম ওইবনয়া; হুমিৎতুদা মহাক্কী হোৎনচমন করিস্থ কাল্লব লৈখিদে) মাওপ মচিদা লুহোংবগী কুশৈয় য়েংলিব পাখং মচা মশু খরনা; লতাগী মতৌবু উরগা অসুম্না হায়রকই। মুপীনা অদুক য়াদবসিবু নমদুনা লোৌগনি খল্লিবসিবু করি মীনোনে 'সিবু! মখোয়না ভাংনবদু তারগা, লতাখোয়গী অহল—লমনগী মীওইব, মীওই খরনা অসুম্না চৈরকই। হেরা খংদনা পংভাং হেক ভাংই নখোয়স্থ। মশানা য়াচনা হোং-লিবনিনে। মশানা য়াই হায়দুনবু লুহোংবদবু কন হেক চোং-থোকলগা হোংগে হায়ত্রো? খর রাশিল্ল, খর কপশিল্ল তৌদনবু করিগ ফজনি হায়গেনে। অসুম্না খরমনা তাথনা ভাংলকই; খরমনা তাথরিব রাহবু থাংগৎনবা হোৎনরকই।

পাঠক! মতাং অসিদা ময়'মনা অদুমক খংবিরমলগনি। মতুদি মুপী মশানা সুকয়া—য়াদনা লুহোংব হায়বসিনা য়েংবদা কয়ামুক তনবগে, অমদি কযামুক ফজদবগে হায়বতু। অসুমনা লতাগীস্থ, মহাক্কী মপুন্সিগী অরোইব ওইনা অদুক্তং হোংব অদু অফ-মুংভাই ওইখিত্রে। য়েংনিংদ—য়েংনিংদনা অদুমক লোই-শিনখ্রে।

লুহোংব মতুং, তরেৎনি লৈরগা লতাবু চাকৌই। চাকৌ-নবগীদমক হৈ—রা অথুম—অহাও মথল মথেন্ শুনা থা—চাক ভারী অমা বামোন মুপা অনিনা নিংগ্রী তাখৎবমথৈ লাংই।

মুম্মু—মুম্মুয়েম্বী অনিনা চাক চাব লাকব অহন—লমন অমদি মচা-মুপীনচিংব খ্বাই পুম্নমক্তা দান কৎনবগীদমক ল্পা মঙাচৎপী, ভরাচৎপী নোট অহনবা প্রেট্রেক প্রেট্রেক লাওবমখৈ থীগস্তুনা ভয়ারিদা লৈরি। মুমিৎ অতুগী ক্ষনা খেংলব কাওবদা ঙাইরোমগী মী অমত্তম্ম লাকখিদ্রে। ঙাইমল্লবদা ঙমলক্তুনা; মী থাদুনা কৌহল্লুরে। অতুবু লতানা নাবদগী লাক্তব ওইরমলে। অতুক চাওনা লাংখৎল্রবা অতুনা অমম্ম—অমম্ম চাদবমখৈ, ইরাং লাংনা ইচায়—চায়খাইনদুনা শোক্লে।

মচান্মুপী নারে তাবদা, পাখৎচাওগী মমাদো ইমুংগী পোৎ চৈ অমত্ত যেংশিল্লমদবমখৈ অফংব রিক্লো অমদা তোংখত্তুনা চেনখ্রে। ঙাইহাককী মহুংদুদা মমাও—মপাও, মচেমও—মবাইও মক্সপ—মপাং অমদি ডক্তরনচিংব অনাব যেংব লাকশিংনা পিক্ক হেক থনলি। মমাদদি পাখৎচখিবনা লোইরে। তৌইশুমবম্মুং লতাদদি খোইদোকব নাব নত্তনা মবো তৌনা নাশিল্লরিবনি। শেলগী যুগ ওইবনা, লাক্লিব শেলগী ডাক্তর অদুনা হায়। অনাব অসি খোইদোকপদি তৌররোই। মতুদা মসি, মুপীমচা অসিনা অঙাং ওইরিঙৈদা, হাযবদি মহাকনা অসিদা লাকত্রিঙৈগী মমাংগী চহি অম—অনিদুদা, রাখল মুংঙাইতবদগী থোকখিব অচৌব লাইনা অমদি পকলি। মরম অতুনা নৌরিঙৈ অসিদা খর নিংথিনা য়েং-বিহোত্রবদি মতুংদা য়ামনা অরাবা ফীভমদা লৈরক্কনি। অতুনা ঙসিগীদি ঐনা লাকচরবনিনা ক্ষনব অদুম হোৎনজগে? মতু তাবদা লতা মমানা, য়ে! য়ে! ইবুংঙো, ডাক্তর বাবু ডাক্তর

সাহেব্! নংনা ত্রমন্নকপা নহৈ পুম্নমক শিকিনদুনা হোৎনবিগ-দবনি শোইব্—লাকব য়াপোৎ নত্তে। নংগী অন্নামনগী মখক্তা কোক্কথোং অম হাপ্তুনা পিগনি ইমানা।

ফগানি ফংনি ইথা হোৎনজগে। অসি হায়দুনা চম চম্ব হিদাক অম, "হিদাকসিগী মমিংদুবু করিবু হায়গদবনো কাওব্ কাওথোকল্লে" হায়বদি হকচাংনা নাবি—নাবি, কোক ডাওরি কৈরিনা তোকব মতমদা, হান্নরিবা হিদাক অাস হেক কাপল-বদি কৈ। অদুগুম্বা হিদাক অম কাপশিল্লি। গুলি অম—অনি নমদুনা চাহল্লি। অদুদগী পুরক্লিব সেলিন্স (ডাক্তবনা ইঞ্জেকসন কাপনব; লিক্লিগী পম্ অদুব্ খঙনৈ) অমদি লিক্লিনচিংব পোৎ —চৈ অম—অনিদু অমদা—অম অমদা—অমা ক্রোক ক্রোক হেক তোদুনা, পুং অমগী মতমব্ অরেংদা হোকল্লি। অদুদগী অরাকমল্লে হিদাক—গুলি মমল্লে প্লা লুপা কুন্থ্রাগী বিল শা-গৎলকই। শেল অদু পাশিল্লগা লৈরিব মযাম অদুদা "ময়াম খ্বাইদগী হনবীনব কে বিবে বো. ছসিগীদি এনা কাপচরমলিব হিদাক অশিনা যরনি, করীস্ থোইদোকব ত্তৌররেই হায়না থল্লে। বরীমক্তা ন শা পীবিনরল্ল" চৎচবে চৎচবে। ময়াম পুম্নমক অমত্তু ওইনা, ফনী ফরী ইবংঙো লেংঙো, লেংঙো হায়-নরকবনা চপমাল্লে।

পুন্সিগী লম্ফাংলবা লম্বোদা লম্যুক্তরবা মীনা নিংক কান্নরব চৈনাগী খোনক্কম মাইয়োক্তদুনা, মোংলমবগী ভায়োল্ল—কলমগী মখাদা শিব হাইনা পুন্সী লেল্লব মীগুম্না, ঙসি লত্তানা হেক

লুহোংলক্ক গুমিত্তগী মী পোং লৈদ্রবা অচিকব মচি—মচি, থেঙ্গাং—থেঙ্গাং খুদিংগী মমিত্তা মপি কংদনা, কনা খংহন-উহন্নিংদনা হিক্লা হিক্লা কপ্লুনা মপুন্নোইবগী সেবাবু তৌজন্নকলি। মমল য়াওদ্রব, অরেম্বদা কুরাবান্দনা কুপলবা হকচাং অসিবু তুম্বখৈ, কললক য়েংথ মাংদ শিজিন্নরমলগে মতাপ্তুম্না, মহাক্লা মপুন্নোইবগী সেবাদা অতৃক্কী পুক্রিং লুপই। নেংমদস্তু মশাগী অন্না—মুংঙাই থিদনা অকে-অমৌ য়েংদনা, মীনাইদ—মীনাইনুবীগুমনা মপুন্সি লেল্লক্লি। "অওইবমক! নিংব কায়রব অমদি শিব ঙাইনা পুন্সি লেল্লব মীওইশিংগী পুন্সিদি, তেপ তেম্না সংসারগী ইন্নাংদা ঙাওন্নবা মুনি—ঋষিগুমনা অন্নাবগী মশকনি"। অসিগুম মীওইশিংগী শক-কমদি অঙাওবদ—অঙাওবনি। মখোয়গী মাইথোং অতু মতম পুম্নমক্তা ইন্নাদ—ন্নানা, তুমিন্না ইপং—পংশিন্দুনা অতুমক লৈ। কনাগুমবনা হংব লাকস্, মহাক্তি মপান্থোংগী চিন্নানদা কংনোক-দমক মনোকই। অদুগা থম্মোইন্নুংদনা, থম্মোই য়াওদ্রব মীগুম অশিবগুমনা তুমিন্না লৈ" মখোয়না মতম পুনমক্তা ন্না ঙাংদে, নোকদে। মখোয়গী মমিত্তা ববিমধা হন্নাও—নুংঙাই মিৎয়েং অমত্তনস্ য়েংদে। মখোবনা চৎনু—চৎলুব মফম খুদিংদা কমই, লেপই, তুমই। অসুমনা মখোয়গী ববিমৎতা অবেপ্পা মকম—মতম নাইনা লৈদে। অঙাওবদ অঙাওবগুম চাব—থকপদ অহাও হাওদ থিদে, অকে—অমৌ থনদে। অসুম পংথৌদ-মরৈ।

মখোয়না মতম অয়ামবদা বা—লান ঙাংদনা তুমিন্না অসুম লৈবনা মখোয়গী হৈনবিনি। মীনা অনিন্নক—অহুন্নক ন্না হংলগা

মখোয়না অমুক্তমক মথুমই। অসিগুমলব মখোয়গী মতৌ অসিনা ঐখোয়না মখোয়বু পোংলিবনি, চাওরিবনি হায়দুনা মখোয়গী মথক্তা খিরেমখৈ, অশাওবগী কেশ পানখৎলি। মখোয়গী মপুক-নিংদা করি করম্ব অরাব রাখল খল্লিবগে অমদি করি নিংব থুংত্রবগে হায়বদুদি ঐখোয়না করিমত্তা খম্থবিবা নৈতনা "শক-মুংশিদেককা" হায়গৎলদনা ঐখোয়না মতম অয়াম্বদা মখোয়গী মনাকতা চংবিদে অমসুং কৌবিদে। ঐখোয় ইশা ইতোমদগী রাখলনা, ইশাবু অশিংব শাই। হে! মীওইব, নংসিদিকো!! খংসু—খংদনা নতোম শিংলে, নতোম হৈরে খল্লিবকো হেক কাও-থুগদবা রাখল!

লতানা ফনা মপুরোইববু মুংশিবনা খুদুম চনশিনহন্নবা হোৎনজদুনসু কান্নবা লৈখিদ্রে। ইশ্বরনা রাও হায়না তমগ্রব মীওইবগী লাইবকতা, ফনা হোৎনজদুনসু অরাবা ফদুবু পুমহন হন্দোক্লব শকতিদি মীওইবদা লৈজদে। মকাকী মথকতা মপু-রোইবগী অশাওব মিথয়েং, মুংশিদনা মুংশি শাক্তিন্নদুনা লঙনব, চলাক কালাক অমদি অঙকপা মওংগী ধমক কয়া—কয়ানা খাংওমদব চৈনাগা লোয়নননা নোংম-নোংমগী হেজৎলক্লি। মহাকপু অসুম্বা ওৎপিরিবা অসিগী মরমদি; মীনা ঙাংনব তাব মুংঙাই-তবদগী থোকহনলিবনি। "মীঙোন্দা চেল্লবনি, মশানা য়াদনা নমদুনা লৌগনি। তদুনা—লতানা মপাল ইপান থোকতবমখৈ ইমুংদা কপ্পুনতা লৈরিসিনি" অসুম্বা তোকঙা ঙাংজনিংলবা

মীওইশিংগী মচিনদগী, শিব য়ানা ইকাইরবা রাকম অসি মহাককী মপুরোইবনা ইতৎ—তত্তুনা ভাই।

মরম অসিদগী মহাকপু অদুককী মতিক মুংশিদনা, মপামদা হনখিনব, অরাব কয়া—কয়ানা ওৎ—নৈথিরিবনি। হান্নন থক-লমলব য়ু অত্থদগী হৌজিকনা শাথিনা থককৎলক্লে। নোংমদমু মতমচানা য়ুমদা হঙ্গিল্লক্লে। নোংমনা নোংয়াইদা হঙ্গিল্লকই। নোংমনা নোংঙাল্লমদাইদা হেক মরাকই। অদুদগী কব্রিগুম্বদা মহাকনা হঙ্গিল্লকপদা নোংম ফাদোক লতানা তাদহুনা হৌগৎ-হৌদ্রবদি, হৌন খংদবী, হা অত্থ—অদাককা হাযগৎতুনা মশম কোইহুনা চিংই, ফুই--কাওই। লতাগী মতৌবু উবদা ওম্বোক্কা পুকনিং মুংশিদ্রে। মুপীগী মপোক হায়বসিমক্ক, শুকপোক হেক পোকচররোই। মুপা ওইনা পোকলিব অসিমক্ক, মতুং মপোক্কস্‌ মুপাদ মুপা ওইনা পোকচরগেককা থদ্রি। অস্‌মনা লতাদস্‌ নত্তুনা অসিগুম্বা মুপাগী তমথিরব মীওৎ মীচৈ অসি অহল—লমননা লৈগমু হায়রকাওবদা, মশানা যানা লোন্না চেনখিবা কাঙবুশিংদস্‌ ফংদব নত্তে। মখোযস্‌ মঙদ মঙগুমনা অসিগুমলবা তমথিরব মীওই—মীচৈ কয়া কয়াস্‌ থাংনরিবনা কোঙ্গায অমনি। মখোযগী অসিগুম্বা ঘটনা অসিগী মরম অদুদি, রারেং অসিমক্কদি নৈনজর-রোই। কাওবিবোক্তদবা রাফম অমনা স্নাগুম্বী ইবেস্মশিংনা; মুপা খুদিংনকপু তমথিব ঙাকনি হায়নদি খঙ্গীগনু।

মী অমাদ য়ু পুরা ঙাওরি। মী অমদি য়ুবু য়ামন তুককচনা থঙবা অমদি মনমকাওব তাব য়াদবা মীতানি। মখোয় অনি

যাম্মা চাম্মা তিম্নজবা মকপনি। যু ঙাওবা স্নুপা অতনা, স্নুপা অমত্তুবু করিগুমৰ রাফম অমদগী হবাওদুনা কোনশিল্লি চ়ুপই। মহাক্না কোনলমদাইদা অমত্তুনা তুকচমনখিবদগী, মখুৎনা ঙাক্কুনা যে' য়ে! য়াবনি য়াবনি হাযদু। কোনশিল্লক্কুনৰ লাক্লে। অত্তুবু মীনা পৌরার হেনগ্রবনিনা মীনা অক্সুম্মক হুমত্তুনা চুপখ্রে। অগ্রাওৰ অত্তুনা চুপলকপদা, মহক্কী মাইথোংদি জগৎকী অথিৰ মথৈ শুগৎলক খাংত্তুনা লৈরমলে। তনি অত্তুগী মতে দু যেংবদা ওঙ্গোক্লা তনখ্রে। পাবিরিব মৎপখোযস্থু হাযবিদে—হাযনি, হায়জরিসিনি। করিগুমৰদা হিদক হাওবিববদি, ঐগী ইনাকতা স্নুকচং হেক চংবিরককনু। কবিগুমৰ লম হেন্দুনা চলক্কলবদি কাওবদা হেক শিননি। ঐনী বাখংদি তসিনি। কলি যুগ লোইরকপদা, যু হ যবসিন্নু খিক যাওবিগ্রদিকো – যাওবিগ্রদিকো '। হে। য়ু, চাওখগুব, নংকো—নংকো।'

লভাবু ওৎ'পবনী মরমদা মীমাং তোকন পাওতমৰ য়াদ্রব রা কযামুক লৈ। অত্তুবু মথাদা তমজবিবা বা তম অনি অসিনা ময়ামনা মন্নুংদা লৈবমগদবা অ়ুপা রা কযামুক্তু তুমিন্না বাখলদা অত্তুমক খংবিবে। নোংমনি অযুকনি। লভ দা ইশিং থকৈ, ইশিং পিযু হায মহাকস্থ হবাওনা ইশিং তৌকত্তুনা পিজৈ দিল্লো। মহাককীদ মপুবেহৈব অত্তুনা, পিরকলিব ইশিং কোল অত্তু তাপ লোই। খর থকশিন্নে। নেকশিন্নত্তুনা অস! হাউ-ঞেদকো ইশিংসি'দ নংগী নশক মাল্লা থুমইদকো হায়রত্তুনা মপান্দা ইশিং লংথোকখিগে তৌবদা শোইখিবগী মতৌগুম খংহৌদনা

লতাগী মমায়দা ইশিং চাইশিল্লগী। অতুলা লোয়ননা, চৎথোকপ ম্যাক্রো অপঙবী য়ুমলিবো। [কয়াদগী ইশিং অতুনা লতাগী মমায় তমনা অমুকসু কামশিল্লি] অসিদুদি লায়নু-নায়রি। অসি গী মথক্তা অসিবু হেল্লব লাক্ক-লাক্ক তমথিরব মওং মওংগী কয়া-কয়া থেংনখ্রিবনি। অসিগুম্বা থমক অসিদি বি এ তম্লবী লতাদদি হায়কগনু পোকপদগীনা চহি ১ দগী ১০ কাওকনা ঙায়রিব অঙাংনফাওব লায়না শংগনি। অসিগুম-অসিগুম্ব তম- থিরব কয়া কয়া অসিনা মহাক্না লাকপ থা মরি—মঙারোম হেল্লবুব অসিফাওবদা, নোংমজাসু মমিত্তা মপি কংদনা; কপ্পুনদা বানা পুন্সি লোইবদ ঙাইদুনা নোংম নোংমগী চাবা—থকপ থিদনা, মুমিৎ থোরকপদগীনা ভাখিব, ভাখিবদগী থোরকপ য়েংদুনা বানো থাংজরবা থম্বাথকী লাইজঙমল' পুনসিনি।

সুমিত্রুগী মুমিদাংরাইরম পুং-মরিরোম ভারকপ অদুরাক্লিনা থিল্লোগী মযুমদা, পুলিশ এ এস আই ষ্টার অনি কারবা মথক মতৌ য়াম্না কজরবা অম, য়াম্না চাং লেম্না চংলকই। দিল্লোনে মখোয় অনি লেং অমতনি, থবকসু মাঙ্গে। মকম চাওবসু মাঙ্গে। লাক্লিবদুনা হেক হেল্লিব হায়রবু শক্তনি। মখোয় অনি ঙাইহাক পোৎথারবা মতুংদা, রাজদুড অমদা পুন্না তোংদুনা চৎথোকল্লি- ররক্লে। লগী চৎনা-চৎনা দিল্লোনা বারী হৌরকই।

—ভাই মকপ! ঐখোয় অনিনা হায়নথিবদু ঙজিনিকো।

—অংযাম্নি মাম্নি অদুনা ঙসি লাকচরিবসিনি।

—অদুনদি ঙসিদি শোইদনা পাংথোকলুম্না ভারেদো।

অসি নত্তব অতৈ—অতৈ পাওদি করি তাই ?

—ঐনা তাবদি, মহাক্ বেক্কলগী ময়ুম শারনি হায়ত্নুনা লুপা লিশিং তরামণ্ডারোম পুন্নুনা ওরাংমক চৎখ্রে হায়না তাই।

—সাবাস ! লুপাম্নু লিশিং তরামণ্ডা কংবা ! মশাম্নু মতিক চানা লমন খুমহনুনা, মথবাক শেৎগায়রম্নবা ! হাই ! নংগী খুৎ-লাই য়াওরক্লব্রা ?

—কবিনোদা মরুপ ! কৈনা ময়া হুন্দোক্লুনা চৎপা হৌনব্রা ? [হা হা Good Luck; অনিমক খুৎ শেটৈ]

লিলোংংনি, আলিমগী অশেংব যুমনি। মুংদাংগী পুং ৯ তারকপ মতমদনি। মহৌশানা অরাপ—অরাপ্পা লরাই—থরায-শিংদদি, মুংদাংগী পুংশিংনা ৯ তারকপদি, কনা থেংলব অহিং হায়বদু ওইরে। মখোয় অনিমক মপান্দা অচিকব মকম অমদা পুলিশগী পোষাক পুন্নমক হোংদোক্লুনা ডাকুগী ফিজ্রেত্তা চংলক্লে। অহাম্বদা য়ুম্বুরেগ্ বৌহনুনা থোঙ হাংদোক্লবা; শক খংনবা মীনা তৌবগুম থেম-নৌহনুনা হোৎনরকই। অদুবু হাংদ-হাংদোরক্লবদা দিল্লোনা থোঙ অদু কাওখায়বমক। থোঙ অদু কাওখায়বদা করিম্নু ওইথোক্লমদে। মকাক্লা থোঙ কাওথেক্লকপদা, কান্নানা থোঙবাদা লুন্নহনুনা লৈরম্বা, মী অদুনা নমফুদ দিল্লো তম্না লৌরি থাংজোনা য়াম্থরকই। অদুবু মহাক্কী মরাইবক লৈরম্বনা, মহাক্কী নাকন্দা লেপ্লিবা মুপা অদুনা মহা কপ্ খংইন—ইম্বোকপিবদগী, শফু কল্লবা থাংজো অদুনা থোঙচিপ্পান্দা মথোল হেনা ককশিল্লম্মী। অদুদগী খুৎলৈ থুনা মুপা অদুনা, ইদুংগী মী অদুনা থাং হায়গৎপ নংত্রিরৈদা, মশাগী থাংনা খিন্দুনা

হাৎলে। হাৎলব মতুংদা মখোয়না ইমুংদা চংনববা খোঙজিন কানশিল্লগে হেক তৌরকপদা, য়ুম অদুগী মথা পাংবদগী অল্লাং পাংনা শুমাং ময়াই ফাওতুনা চৎপা য়াবা লম্বী অদুদা মুপা অমথক মযুমলোমদা পরপ্ পরপ্ লেক লাকপদা মখোয়না তৌনরিবশিং অদু উগ্রে। ডাকুশিং অদুনস্থ মাবু উরে। মহ কস্থ পাখৎপাই করি-বোই চেথদি নংদনা, শুমাং ময়াইমক্ত লৈরিবা অম অদুগী মকমদা হুৎ লৈশিন্দুনা পকখরং। মশাদগী পিস্তোল শৎতুনা মীশক য়েংতুনা কাপ্লবা হোৎনলকই। মখোয় অদুম ওনশিল্লতুনা ঙাইহাক কাপ্লরবা মতুংদা দিল্লোগী মকপ টেক্সাসয়ালা অহুনা, মুপা অদুবু কাপ-থেক্তুনা অরোইবা য়াহিপ তানহনখ্রে। অদুদগী মখোয় অনি মক্কম অদুদা অমুক পন্থবা তৌদনা; মযুমলোমদা হল্লক্লে।

মথংগী মুমিকী খবরদা পাও ফোংলকই। "ঙরাং অহিং মুমিদাং পুং ৯ মুক তারকপদা লিলোং হাযবা থুন অদুগী য়ুম অমদা লুট পার্টি খবনা চংলক্লুনা য়ুম অদুদগী শেল—থুম যাম্না লৌখ্রে অমসুং যুম্ব অদুনে লৈকায়গী মী অমনে নোংমৈনা কাপ্লুনা হাৎলমলে হায়রি। যুম্বু অদুগী মমিংনা মহম্মদ খোলিহেম কৌই, অমদুগীনা আসলাদ্দিন কৌই হায়রি। লুট চংলিবশিং অদুগী মথক্তা হৌজিক পুলিশনা অকনবা থৌদাং লৌখৎলি অমসুং ফাব খোংবগী পাওঁ অসিনা থোইদোক্লা মথা তাথদ্রি হায়রি।

রিপোর্টর।

লম্বুলেন্দা লৈব, য়ু অমসুং শাগী হোটেল তৌব, খোইনা চাওদবা কা অদুমগী য়ুম অমগী অহাংব কা অমদা আলিম

"লয়য়ানবা" লৈবাক মসিগী অমানগী মশক ওইবৱ চেফোং অদু পারকুনা লৈরি। মতম অদু অয়ুকী পুং অৱামথাইরোম অাবা মতমনি মহাক্না লৈৱিব কা অদুদা চাওবনা য়াম্না পাখৎপগা লোয়ননা প্রজাতন্ত্রগী খবর অম পুরকুনা চৎশিন্নকই। আলিমনা করি পাও য়াওরগে ? [খবর অদু তাপ লোক্নুনা পাই। চাওবনা হায়ব—লাকব নংহোদে] মহাক খবর অদু শাব লোইকাওনা, কিনা ফুক হোগৎলগা, মুংগী মুর্তিগুম চপ লেপতুনা লৈরে। লৱাইগী শম য়ুংখ্রে মতোদু উবদা চাওবনা কৈদৌরগে মরূপ নহাক্কী ইমুং—মমুং থোকপরা ? [মহাকও য়াম্না পাখৎকপা লোয়ননা হংই]

চাওব! ঐ—ঐগী গাভী, গাডী। ইমুংদ লৈরিম ভেলপা অদু গ্রোং ইন্থোককুনা রা মথা তারুমদনা, মশক উদবমখৈ, মুং-শিংগী মমাং থানা থৌখ্রে। মহাকনা ফিংনা চৎখিব উবদা, নন্দানীনা চাওবদা, পাব ঐথোয় মাম্মোসে কৈদৌরগে ? কৈ-দৌরগেমি, পাবনা করিবু হায়রুরনো ? [আলিমগী নহানমখৈগা মামদবা মগুং অদুদা, নন্দানীনা মপাবুং চাওবদা ইথক—থককৎনা হংলি।]

—সে! সে! য়েংউসে। খবরদা য়াওরিসে। ওৱাং অহিং লুট চংবদু মথোয়গী য়ুমদ ওইরমাল্লে। শিগ্নিব মহমদ্দ খোলি-হেম হায়রিবসিনা মহাককী মপা ওইরমাল্লে। আসলাউদ্দিন হায়রিসিদি, ঐসু—মশক খংই। নং মাম্মোগী চান্নখ্রবা মচাথোকবা লৈকায়গী মীনে। অদুননি মহাক্না ফিংনা চৎখিসে।

—হুপা অনিত্থ শিরজাৎলো ?

—ঙরাংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা শিরেয়েনে।

—নোংমৈনবু কাপ্লদি শিরয়ব্রো ?

—হা ইস ! করিনো মসি অঙাংসিবো নোংমৈনা কাপথেক্লদি পুমতোয় তোইরবনিনে। শিবদি লায়রদনা !

—অদুদি ঐখোযদি কমদৌ—দৌরিবা ?

—ববিবু তৌকনি ! কারিগুম্বদা ঐখোয়না মীহাৎপশিংক্ত মশক মুন্না খংলক্লব মতম অদুদা; মতিক থোকন পেম্না লমন খুমগদবনি।

মুংশিজবদা মপা অমদি মথ্বাইদগী হেন্না চানজরবা মহাক্কী থাজববা মকুপ, মখোয় অনিনা মীশি থিনা শিরদুনা লৈরম্ব উবদা জ্ঞান মাংলদুনা রা লান ঙাংদনা তুমিন্না পংদুনা লৈরিঙৈদা, পুলিশনা অশিবশিংদুবু গাঙৌদা হাংপবৎপগা লোযননা মহাকপুম্ব ফাদুনা ইম্ফাল জেলদা পুরক্লে। অশিব অনিদুবুনা মীবেনশংদা পুশিনব্রে। অদুগা মহ কপুনা কোর্টদা পুশিন্দুনা জবান হংই ?

—লুট চংথ্রিবা নুমিৎ অসিদা নহাক নথুমদা লৈব্রা ?

—হায়বিবিবা নুমিৎ অসিগী মমাংগী নুমিৎতুদগী ঐ য়ুমদা লৈজদে।

—অদুদি নহাক কদাইদ লৈকই ? বনাগীনা হুরানবা চৎলুই ?

—ঐ কনাদম্ব হুবানমা চৎজকদে। নুমিৎ অসিগী মমাংগী নুমিৎ অদুদা লম্ব লেন্দা লৈব ঐগী মকুপ চাওবগী হোটেলদুদা ঐ লেকই।

—করিগীদমক নংনা ভুমিত্তুদা ; মক্কমত্তুদা লৈরিবগে ?

—পাবনা, ঐনা মতম খর থবক তৌহুনা তাঞ্জকবা শেল অহু যুম শানবগী মখোঙ মখুৎ লৈননবা লৌক হায়বদগী State bank of India, ইম্ফালদগী লুপা লিশিং তরামঙাখক লৌ-থোক্লগা, শেল অহুনা হৌজিক লৈখ্রিদ্রবা ঐগী মকুপ অসিদা শিন্নজখিবনি। অদুগা ঐ ইশানা অতৈ অতৈ ওফিসদা চৎগদবা থবক খর লৈবদগী মক্কমত্তুদা লৈথোক্কপনি।

—নংনা শেল অহু লৌথোকপ মতমদা, নংনা খংবা মী কনা কনাদি খংহৌই ?

—ঐ অদু খংজহৌদ্রে।

—ফরে। অতুম ওইনমক আইননী মতু ইন্না নোংম নিনিদং-দদি মক্কম অসিদা লৈখিব তাবি।

হাই ! ইকাই খংদবী। চৎখ্রো চৎশনে। নংবু ঐনা নপামদা চৎলো-চৎলো হাযরকইসি কযা কুইবগে ?

—মদু ওইথোক্কব ব্লাফমনি।

--করি। করি হাযবা ! করিস্নু লৈতবা মীনাইনুপী নংনস্থ। [মখুত্তা পাযরিবা লিক্লি অডুনা, লন্তা তন্না থারকই। অদুবু লত্তাদদি পান্দনা, টেবিলদা পানশিন্দুনা কাযরে]

—করিনো। করিনোনহে ? ইবুংঙো নংনা তৌরিসিবো ?

[থংনবা কা অমদগী মমানা লাওবদুনা দিক্লোগী কাদা চংশি-ল্লকই] অস্নুক থেংলবা অহিং অসিদা মীবু চৎলো তাগ্না হৌনব্রো ? নংবু মীরো, শারো। হুমিৎ চুপ্পগী থক্‌চিন চাশিল্লগা শাগুন্না লাও-

খোংবা ! খিক থুনা তোকপিরো পুলিশককা ওইবি লাকপিরনু ।

—হেরা ! ইমাগী নথো নৈতে, তুম্ব-তুম্বুরো চথলো ।

—এবুদি তুয়্নি । নং অমুক হন্না-ভক্তি-ব্যেবহার লৈতবা রা ছাংগনু ।

—মচাস্ত পোক্তবী অসিবু কৈদোন য়ুম অসিদা থমদৌরিনো ? চাক তিংনবা ।

—মহু য়ারোই, মহু য়ারোই নং তুমিন্না লৈয় !

থেংলবা পুং ১১মুক তারক্লবা অসিদ য়ুতপ-তানা ছাওবমখৈ থকচিল্লুরগা, মখুত্তা যু লিক্লি অমা পায়রদুনা লাক্লগা লতাবু ওথল-রিবনি । মহাক্লা লতাবু মচা পোক্তে ! অমস্তুং পোক্লরোইদোব শোইরব অমনি হায়না খল্লি । তৌইগুম্বস্তুং মত্ত নত্তে । মহাকনা মহাক্কী সহথম্মিনী । ওইরিবী লতাবু নোংমদস্ত সুং শ মিৎয়েংনা য়েংবিদবা অমদি লতানা ফনা রান। মরাইবক্তা তম্নব মপুরে ইব-নিকো খন্দুনা ফনা হোৎনজরবস্তু অরেম্বদা মত্তারবা, পুন্নমক অসিগী মথক্তা হোৎনজমন মহৈনা থির-থিরবা ৱাহৈ কয়া-কয়ানা নাকোং শীংজা যৈবমখৈ তাবা অসিগুম্নব নত্ত রাখল কয়া অসিদগী লতানা, মহাককী মফমদগী অঙাং অমত্তা পোকজনিংখিদে । মরম অসি-দগী মহাক্লা ডাক্তরদগী হিদাক লাংথক্কচিংবা লোম্না শিজিন্নহনা, মতম লেনখি।

অস্তুম্না লেল্লকপনা খা অমরোম লৈরব মতুংদা, দিল্লোনা চোইশী কোবী Traibal মুপীমচা অম ইমুং অহুগী মো ওইনা পুশিল্লক্লে । হৌজিক মহাক্ মুপী অনিগী মপু ওইরে। চহি

কায়মদাইগী নোংমগী অহিংদা চোইশীনা কপ্পা-কপ্পা মচেম লভাবু য়েংলতুনা য়ারি তৌরকই।

—ইচে! ঙসি ঐ অরুবা রা অম-অনিদং হংগে? ইচে শেংনা তাকউকো!

—করিনো হংউ।

—ঐনা অসিদা হেক লাকৈঙদগী, ইচেমগী থরাই নুংঙাই-তনা, মতম অয়াম্বদা কপ্পুনদা লৈবসিবু করি মরম্ননো? ইচেনা য়াদনা অহন-লমল কীবনা অসিদা লাকপরা। অদুগা ঐখোয় নুপানা ইচেবু অসুক তাথিনা তৌরিসিনা করিগীনো? অমুক্তা শেংনা তাকউ ননাওদা। ঐসু ইচেগুম্না পুন্সিদা নিংবা কায়থবী অমনি। তাদনা নুপী অমত্তা লৈত্রি হায়বদগী, ঐ মক্ষমসিদা লাকপনি। অদুগা ঐনা সিদা হেক লাকৈঙদগী নোংমতসু ইচেগী নুংঙাইতব অমত্তা তৌজখিদে। ইচেমনা হেন্না খঙবিরিনি। হৌজিকসু ইচেনা নুংঙাইত্রবদি ঐ হেক্তা চৎখিগে। হায়রো অমুক্তা ইচেগী য়ারি হায়রো। [মমিত্তা মপি তানা কপ্পুনা মচেগী মায়থোং তমনা, খৌরাংবা মিংয়েংনা য়েংলি]

—চানি! ইচেগী ইবেম্মা। নং করিগী চৎকদৌরিবনো। অদুগুম্বা রা অমুক হন্না হায়রসু। ইচেগী থম্মোই পুব য়ারক্তে নে, ইচেমগী তোম্বী। ঙসি ইনাওনা লাকপদগী, ইচেমগী নুংঙাইব হায়বতু ঙইরবনিনে ইবেম্মা! [মনাওবু কোন্দুনা হিক্লা কপই[

—ইচেমগী য়ারিদি কোন্না হায়রগে। ইন্নাওগী য়ারি অমুক্তা হায়খো।

—মতম অমদ ঐনা লক্ষেল Civil Hospital দা Nurse Training তৌরিদৈগী চহি লোইরক্লবা মতাংদুদা, শীংজমৈদগী নে কায়দুনা পাখং অমনা ঐবু কোইখিরম্মী। মতমদুদা ঐগী য়ুমদি কোম্বুং মমাংদনি। পাখং অহুগী মমিংদি কাওথে, হৌজিক ঐ নিংশিংবা থোক্কে। মহাক্না ঐবু চৎলাসি চৎলসি হায়রকপ হুমিৎ মশিং য়ামখি। ঐনা মাগী য়াদুদা থাক্তহনা, চৎননবা থোরাং কয়া কয়া তৌজরুরবনি। তোইগুম্বমুং মহাক্তী ঐবু লৌনম্ব ওইরম্মী। অম্মুম্না মহাক্না ঐবু লৌনমলাং থাক্লন্নগা হুন্দোক্তুনা চৎখিবগা ঐ হকচাং অতুম রাই শংলক্কে। অসিগুম্বা তমখিব' হুপীমচাশিংদা ওৎপ মীওৎ অসি ঐখোয লৈকাইগী ইচেম্মশিংদম্বু থোকখিবা, ঐনা মাংজোননা থেংনগ্রবনি। অতুমক ওইদুনম্বু ঐনা মহাক্কী মুংশি লাংদা থুকুবনা মহাক্কী লৌনম-লাংবু থাজব ওমখিদে। মহাক্না লোৎগ্রবদা, ঐ ইশামক্না সমাজগী মীনোক কিবদগী, ইখুৎমক্না হিদাক থাদুনা ইপুক্রুংদগী মনিবু লৌথোক্তুনা মাংহনখি।

অম্মুম্না য়াম্না য়ানা, নিংওমদ মৈনা চাক্কুনা লৈরিদৈদ নোং-দম অমদগী, ঐখোযগী য়ুমগী অরাং থংবদা লৈব হেশিনিখোয়গী য়ুগী দুকান্দুদা, হায়রিবা ঐবু হুন্দোকপিরম্বা মুপাসি লৈরম্মী। হৌখিব ইন্দো পাককী খৃঃ ১৯৭১ গী লান্দা ঐখোয় পাবনা সিকাই খথ চৎলুবদা খুনলকপা রিভোলভর অম লৈ। ঐনা মদু হকচাংদা রেপশিল্লগা মুপা অহুনা থোরকপ তাম্মা ওইদুনা লৈ। মহাক্না থোরক্লবদা, ঐনা ফনা কপ-লাওতনা মখোঙ পার-

হুনা ঐবু লৌশিংখীয়ু হায়জখি। মচুদা মহাক্না ঐবু ইস্তোক্লম্নগা কপ্পা চেন্নব হোৎনৈ। অদুদগী ঐনা মাবু রিভোলভর অদুনা তমহুনা থৎলবদা, মহাক্না ইমারোল মরিপুরবু থওইদনা ইংলিসদা মশা অদু য়াম্না য়ানা নিংঙমদব শাশিন্নহুনা মহাকপু ঙাকপিনবা হায়রকই। মতম অদুদা মহাকনা লোনখিবা ইংলিস অদু চুম্বরা লাণ্বরা হাযবদি ঐ খঙখিদে। অদুবু হোৌজিক ঐনা থিজিল্লুবদা মদু অরানব য়াহৈ অমদি Gramma[redacted] দা যেংলুরবদি লাল্লবা য়াহয় ঙাক্তা ওইরমই। মহাকনা হাযখ্রিবা ইংলিশ অদু অসিনি।
Oh! my dear[redacted] I am sorry [redacted]. Please pardon, [redacted] me! [redacted]. অর্থনা, ও। ঐগী মুংশিজরবী।ঐ নঙোন্দা হন্না হন্না লাল্লে। চানবিহ্না এবু ঙাকপিরো ঙাকপিরো! ঐ হৌজিক য়াম্না য়ারে অমম্বং নিংঙম্লক্লে, হৌখিব মমাংগী মুমিৎ কয়ামুক্তা অাইন থুগায়না চৎলুবা অদুনা মসিদা ঐনা লাল্লে হায়নিংবনা Darling হায়বদুমু Dearling হায়গৎলকই। অদুগা মহাকনা নিংঙম্লক্লে হায়ব ওইরবদি repent হায়ববুদি repent হায়বনা চুম্বরা হায়না খল্লি।

—Repent না চুপ্সি চুপ্সি [মচেনা তপ্না মঙক নোমই]

- অদুদগী মহাকনা ঐগী ইখুত্তগী রিভোলভর অদু মুনগে তৌই। অদুবু ঐগী গুলি অনিয়ক্তা মপুক্তি অদুম লোয়হনল্লে।

—হরে! তুমিন লৈরো। ঐখোয় ইবুংঙো হজিললমাল্লে!

হাই! চোইশী, চোইশী অসিদা লাও। করিগী মীনাই-মুপীদুগী মনাক্তা লৈরুরিনো, মনাক নকলুমু নমথিরককনি। মহাককী তমথিরবা রাদুদা চোইশীনা শাওনা খুমগে তৌই। অদুবু মচেম্মা মমিৎ খত্তুনা খুমহনখিদ্রে। মখোয়না চাক-ইশিং চাদুনা তুম্নগ্রবগী ফনা থেংলব ফাওবদা লভাদি, মথম্মোই খুত্তুম শুহনা কপলি। অদুদগীদি অহিং নোংয়াই অত্তুদা মহাক তপ্না থোঙ হাংদোক্তুনা; মম্লবা অহিংদুদা হোজং ফাওবা লম্বী মা-মাদুনা চৎখ্রে!

নোংঙাল্লব মুমিৎকী অয়ুক অংঙখদা চোইশীনা মচেম্মু হৌদোক্লবা; মচেমগী কাদা চংলকই। মচেমদি লৈরমদনা টেবিল মথক্তা অখুপ্পা চে অম লৈরম্মী চে অদু হাংদোক্তুনা পাক্লবদা অঙ্কম্মা ইরম্মী।

চানি,

ইচেমগী ইবেম্মা ঐ নংবু থাদোক্তুনা; ঐ য়ুমদা হল্লে। নংবু তাক্লমদে হায়দুনা, নং ইচেম্মু রারোগনুকো। ইচেম্মা তাক্লবা ঙম্বা মতাং থোক্তবনা তাক্লমদবনি। ঐনা পুন্সিচুপ্পা ইনাওগী লমন তোল্লবনি ইনাওগী লমণ্ড কাওজরোই। নং তামোনা ঐবু ফু-চৈবা খুদিংদা ঐবু হাকল্লবগী, ঐগী ইমুংলাংগীদমক, ইনাও-না নং তামোগী মীরা মীশা তাহনা অমদি অরা কোঙ্গায় থাঙ-খিবা কয়া'হুবু, করম্ব পুন্সিগী মুংঙাই মংলান্দা তাওদুনম্ম, মিকুপ অমত্ত ফাওব কাওবা ঙল্লরোইনে, ইচেমদি।

নং মতম খর অরা মুংঙাই য়েংলকখো। করিগুমবা হয়েং মতম অমদা, ঐনা ইনাওগী লমন শিংলগে!

নহাক্কী নচেমশকপী

জীবল

মুতি মুম্বিৎ খুদিংগী মচেমগী সেবাদা ফংজদুনা লৈজবী মহাক্না, পুন্সিচুপ্না মচেমগা কায়নরনিদো থল্লুবদা ; থোন থোকনা মচেবু কৌদুনা কপলমই। তাল্লক অদুদা দিল্লো ফৎ চংলক্ই। মহাক ভাইহাকতি চোইশীগী মতৌ উবদা গুক্লমই। অদুবু মমৈদা ভাব তারগ্লবদা, হরাওনা রেডিও থাগত্তুনা ইশৈ তারমই।

মশানা মশাগী পাপকী লম্বীদা।

পুলিশনা কনা কন্না Robber শিং অদুবু ফানবা হোৎনবনি। অদুবু Robber শিং অদুদি কাংপোকপীদা Out post ভাদুনা লৈখিবনা ফাব ঙমদনা অশুম তোকখ্রে। কাংপোকপীদা Out post তাবা অসিদগী দিল্লোনা, কাংপোকপী General Hospital অদুদা থা ২ রোমদা নর্শগী থবক্তা চংলকপদা ঙাইরিব, চোইশীবু, মহাক্না ৰমদুনা চিংবওই—ফাবওই তৌদুনা নম্ব পুরক-খিবনি। পাঠক! ঐখোয়না রারেং অসিগী "লৈরাং অনি চাং-দম্নরকপ" হায়ব ৰারিগী মতাংদুনা পাখং অমবু পিস্তোলনা কাপ-দুনা হাৎখিবী ফুপীমচা অদুবুনি, চোইশী হায়রিবী অসি। মথক্কী ৰারি অসিদম্ব লতাগী মফমদা চোইশী মশামক্না মশাগী থোদোক্কী ৰারি পুন্নমক পিজগ্রবদুনি। অহানবদা মহাক অহিংদুমক্কা শিজ-রগে তৌংরবনি। অদুবু কাংপোকপীদা লৈব মহাক্কী মামহুলনা থেংনদুনা মফম অদুদা পুখিবনি।

দিল্লো অমদি মহক্কী মরূপ মখেয অনি Out post তাখিবসি চহি অমরোম ফারক্লে। অদুবু মখোয়না অয়াম্ব মতমদা ছুটি লৌদুনা মযুমদদা লৈ।

হুমিদাংৰাইরমনি। সন্ধ্যাতিগী ধুপ—চন্দন কত্তুনা চোইশীনা শুমাং ময়াইদা ইশ্বরদা ভক্তি কৎলি তাল্লক অদুদা দিল্লোগী মরূপ অহ্ যাম্না লোম্না তুমিন্না চংলকই। অমম্বং—মহাকগী কাদা, মী লৈব্রা—লৈদব্রা হায়বগী মওংগুম ঙাইহাক চেক্শিন্না য়েংলমলগা, তুমিন্না কাদুদা পংথি। অদুদগী মুপা অদুনা মশাদগী রিভোলভর

অম শংতোক্নুনা দিল্লোগী ফুরিং কোটগী Pocket মমুংদ হাপ-চিনখি, অদুগা pocket অদুদা হান্না য়াওরম্বা দিল্লোগী রিস্তোলভর অতুনা মশাদা য়েপশিনখি। অতুদগী মিঙুংথোক্তলোমদা শুমাংদা লৈরিবী চোঙ শীবু লোন্ন — লান্না যে'লক্লি। চোইশীনা ইমুংদা চংলক্নুনা, চাকথুম কদা চংখিব উবদা, মহাক শরাওব-শুন্না তোরি।

ওাইহাক লৈরবদা দিংগ্রাস্থু, ইকজকবগী থুদৈনা মশাদা নাল্ল তুনা চংলকপদা, কমতুনা লৈরম্বা মহাক্কী মকুপ অতুবু উবদা খংকৌ হেক কোই। হল্লো! ডিয়্যার। নং লাক্লমলি।

—উম লাকচরি।

—করি তানসি।

—ফি শেংলো চথোকলুসি। থুজিনবিরো।

—চংসি—চংলো

মথেয অনি চংনা চংনা রারি শান—শানা লাকপনা পাওনা বাজারগী প্রতাপ হেন্ল মমাং যৌরক্লে। অসুম পংচত্ত —চংপসি রাইদা। তে টেনদতুম চলগা যু চাক তৌরুসি [দিল্লোনা হায়রকই]

—অতু ওইর—ওইদি ধর্ম্মশালাবোমদা হায়থসি।

—হ হ হ; মতুনা ফনি! মতুনা ফনি! ধর্ম্মশাল হায়সিদি, ধর্ম্ম লৈগ্রপোংনি। [থর কনলপ নোকই]

ধর্ম্মশালাদগী অবাং পাংথংনা চংগ্রিবা অচৌবা লম্বী অতুগী মনাক্তা মযাই নোংপোক ওন্না শাবা য়ুম মচা অম লৈ। হায়রিবা

য়ুম অসি যেংবদদি করিমত্তা য়েংশিত্তে। য়ুম অসি অঙাংব তীলনা কুপই। ফক্লাং অত্থ লৈপ ক্লা রাই তৈ। য়ুম অতুগী মমাং থোঙালামদগী চংলকপনা মমগ্রব শাংলবা কা অমা থেংনৈ। কা অতুদগী অমুক নোংচুপ থংবদা ইচাও চাওবা কা অময়ুক লৈরম্মী। কা অতুদগী অমুকন্ন নোংপোকলোমদা অমুক হায়গংলগা পিক্লবা ইমম—মম্বা কা অমস্থ লে। কা অতুনা অ'রাইবনি। থক চংত্রিবা মীনা চংলবদি য মনা শুক্লনি অমংসং যামনা কিগনি। লমহুই মকোনগুম্না অঙকপ মঙংগী কাশিংনি। ক শি দুগী থোঙনাও অমগুঙ পান্দে। অতুম ওইনমক লোম্ন যেংথোক—যেংশিন য়ানবগীদমক কাশিং অতুগী ওইবা থুবাকমুক পাকনা কোইরক-কোইরক কোইবা মথুল মচা অমমমদং পাল্লি। কাতুগী থোঙ পুম্নমক অতু অম্রব মল্লব পদ্দ। অমময়া থল্লি। অ'রাইবা থ্বাইদগী ইপিক—পিকপ, কা অসিনা চাফম—থকফমনি।

দিল্লো অমস্থং মহাক্কী মরুপ মখোয অনিস্থ মকমহুদা হাইফেৎ চা—থক্লতুং। লৈরি। দিল্লীগী মরূপ অতুনা-হিদাক পুরকউ হিদাক পুরকউ Order তৌরকাগী মংংইম্না হোটেলগী চাকরীরালা অতুনস্থ, হিদাক পঙপুদ—পুথোরকই। দিল্লোদি ঙাওবনা লোইরে, ঙাওনা—ঙাওনা পংকু—থকই। তৌইগুম্বস্থং অমহুদি ঙসাইদগী করিমত্ত থক্তে। অগকপ অমদি অঙাওবা শারহুনা অতুমক লৈরকলি মহাক্লা থুংথক থুদিংগী মহাক্কী গিলাস অতু লৈপাক্তা হৈদোকখিব অমদি ইশিং গিলাসদা হৈজিনখিবনা আ য়ামগ্রে। অমস্থং মহাক্কী মমিৎ অতুনা মরক-মরক্তা

হুরান লাম্নাগী মিংযেংনা; দিল্লোদা হুনা—হুনা য়েংলি। যেংনা যেংনা তপনা তপনা হায়রকই।

—মরুপ! খর ভাওবিরব্রা?

—উম! ভাওজরে। [অতুদগীদি রা ভাংব ভাইহাক লেপই]

—মকপদি পাপ চাওনা লৈরেনে।

—পাপ! করিগী?

—তে বিমল খংদবা শা ওইবন!

—দেবেন! কৈগ্ম লৈদবা নংগুম্বনস্মু ঐবু শা হায়রবা! ন' ঐবু—কনা ওইনা উই। [মরে কাহনা—শাওনা ভুংলতুনা ভাই]

—ঐনা নংবু উই। মতুংদি—গুপাচিংবা অযম্বা গুপা।

—দেবেন! বিশ্বাসঘাটক!

[কমলম্বদগী ফুক হোৌগৎলকই]

—তপথবিথো, তপথবিথো অমুক্তা! মকপনা ফত্তবদগী হাযজ' বানি। মরুপ্পা করদবু করিগী হাযজরুদগে।

—করি ফত্তবা! ঐনা করি?

—অমুক্তা তপনা নিংশিংবিবনা কগনি। মতুদি মতম অমদা চহি মওারোমগী মমাংদা মকপ্প, আলিম কৌবা পাঙল মচা অম থকনা থোসলাগা লোযননা ফুরকপদগী, মকপ্পা মথোয অনিবু অকংব অমদা হেক্তা লোহশিনসে হাযনা ঐথোম্বা হায়জরবদগী ঐনা ইবুন তীংবমথৈ Black man দগী রিভোলভর অনি লৌ-জহুনা, আলিমগী কাটরগী থোঙ কাওথেক্কুনা আলিম্বু হাংলবা

হোৎনম্থিক, অমদি মহাক্না চোইশীবু, এরগী ওইনা খেমবিগনি হায়হনা এনা ন'রিঙৈদ্দা, এমক্তগী লুপা ৫০০ লৌখিবা অত্তুগা লুপীনা নংনা মরোব, শেলশু হন্দোকবিদব। মসিদবু মক্কম্ভু তৌরিমল খংদব অমদি নংবু শা হাযবদা করি কায়বগে? অত্তুগা মসিমশু কাওবিগন্সু। হন্দক্তা থ' অনিরোমগী মমাংগ, নংগী মুপী লত্তা চেন্নি হায়বগী মাইয়োক্তা অমম্বুং শেল পাম্বদগী, অহিংদা লিলোং তানা চত্তনা আলিম্ব হাংগে তে কবদা খংথিদবা অত্তুগা মপাগী অকম্বা থাংয়াম্দা নপুন্সি লোইরদব নংবু এনা ইম্বোক্তুনা নথঙ্গাই কনবিখিবা অমহিকম্বুং খোসলানা ভ্রম মকমদগী রিভোলভর থপলক দা, এনা মহাকপু কাপ'থকপদগী নংনা চংনা শম্না মকৈদ নপত্তনা নথঙ্গাই হিংজবা নত্রা? করিগী কাওরি। এনা শা হায়বদা নং করি শাওক্ষম লৈ।

—হা হা হা! এবু নংগুম্না, লমতুইগুম শরিং শম্না তৈ-তুনা, শিবদা চিংনব মী ওইনা থম্রিবকো! মীকিথী, নংনা তৌ-বগুম! [হা হা হা হোনা তুকচর' মীনোক্না নোকই]

—হাই' যোং, নোকশু। [থাং শং—শংতোকতুনা য়ানগ-গদবগী তে শিন্নৈ]

দিল্লোম্নু—ফুরিংথাউদগী রিভোলভর শংতোকতুনা কাপই। [দেবেন্না হানগ্রনি খন্দুনা] অত্তুবু রিভোলভর মক অদুনা মনিং-লোমদা রি তৌরকতুমা মশা—মত্তোমদনা, মশাদু কাপথেকচরে। মহাকনা তুগ্রবদা দেবেন্না থাল্লিবা মৈ অত্তু শুইচ থক মেৎথখি। লোয়নন মহাক কা অত্তুদগী অহুম্মক চেনগ্রে।

পাঠক! ঐখোয়মা য়াম্লেং অসি পায়কপদা থেংনখিবা, আলিমগী কাটয়দা থোঙ কাওথেকতুনা চংলকখিব শক—খংদব য়ুপা অনি অতু অতৈ নত্তে। দিল্লো অমসুং মহাক্কী মরূপ দেবেননি। ময়াম্না য়া অমদস্থ থেংনবিখিয়মগনি। মহুদি "পিস্তোল হায়বগা, রিভোলভর হায়বগা অর্থ চপ মাম্নৈ"। অদুবু মখাগী অসুম্না হায়জগদবদা কম্পোজ তৌবদা চিথহৌবনা শোইখিবনি। পিস্তোল হায়বগা, রিভোলভর হায়বগা অর্থদি চপমাননৈ। তৌইগুমসুং রিভোলভরনা, পিস্তোলদগী মগুন্দদি তোঙাল্লি। রিভোলভরনা কাপলকপ মতমদা মচিন্দা মৈ অমসুং মৈথুগী শরুক য়াম্না থোকই। অমসুং পিস্তোলগুম্না মখোল থোকনা লুমদে। অদুবু ঐখোয়না রিভোলভর—রিভোলভর অসুম হায়বগী, মহুত্তা, পিস্তোল হায়না হেক শমজীনদী। অসুম্না য়াহৈ অম অনি কানথোক্লম্বগীদমক পাবিরিবা পাবিরিবাশিংনা রাইটর অমদি কম্পোজমেনবু হৱাওনা ঙাকপীগনি হায়নস্থ খঞ্জে।

পিয়াংলক্তা মোমোন্ন শক্তম্বী

লতাদি অহিংদা মুপা মমুমদগী লোম্না চেলক্লগা; হিয়াংথাংদা লৈবা মচেমগী য়ুমদা মুমিং ছমনি কাইদুনা লৈথোক্লম্মী। মচেমনা মাগী মরম খংলদুনা, য়ুমগী অহন—লমন্দা পাও পিব চৎখ্রিভৈদা, বসতা কাখত্তুনা লিলোং তান। আলিমগী য়ুম তমনা চেনখিয়ম্মী।

মহাকনা আলিমগী য়ুম থিরকপদা চাওরবা ইথোলগী চাও—শাংলবা অচৌব' পুখ্রী অমগী মপান্দা মৌনহা অমখক, থা অহুম-লোমগী অঙাং অম পয়দুনা লৈরম্মী। মৌনহা অতুদা চংশিন্দুনা য়ামনা পাখৎনা আলিশু লৈব্রা হংজরমই। মৌনহা অতুনমু লৈ হায়দুনা, মহাকপু পরপ পরপনা ইমুংদা পুশিনবি। মৌনহা অতুনা খল্লিবনা লতাবু ছাত্রিনি। অতুনা লাইরিক্কী অমদি পরিক্ষাগী মরমদা হংজবা লাকপনি। অমুমনা খন্দুনা মহাকনা লতাবু আলিমগী মফমদা পুশিল্লুবনি। মুমিৎ অতুদা আলিমতু মখোঙ নাদুনা ফম্মাংদা য়াওল্লদুনা লৈরি।

মৌনহা অদুনা মাং থারদুনা লতানে মখোয় অনিনা ইদুংদা চংলকপ উবদা মহাকনা মৌনহা অদুদা করি হায়গদোরিনো লিনি? [ইচম চমনা হংই] লিনিনা খুমই। মুপীমচা অসিনা ইবুংঙোবু উবজগেয়ে। আলিমনা হংলকই। মুপীমচা নং করি হায়বিংই? লতা পাকনা খুমলমদে। মহাক্কী মমাংদা মমায় লুকথদুনা লেপলি। মহাকনা লতাবু খংলবদা; হাইমা লতা মগুলনে তৌরিসিবু! নং কোয়রকইবোইরে। ফম্মু—ফম্মু লাকথোকতনা লাকইদা। নথন্তরা, কনা—কনা লাকই। ইতাও দিল্লোদি য়াওরকত্রা? [মহাকনা

লতাবু ইচম চমনা কোযরককলিবোই নিংদুনা লতাবু তরাম—তরাধনা ওকলি]

—ইথজ্জনি। [থামনা হৈনিংদনা থুমই]

—কৈনে'দুসো। ঐখোযদা কোয—লাকঅনিনা নচেগা চাক ইশিং চা—থক্লগা ইরেঙ্গনা হুযেং হনথোনে? ঙসিগীদি থেংলনি!

—ঙসিদ নত্তে! পুম্নি চুপ্পনি। [শাওরপ্পা হায [

—করিনোনে, ঐ ভাব তাদ্রে। নবু নতোমমকতা মফমসিদা করিগীদমক লাক্লিনো। শেংনা অমুকতা হাযযু।

—কুইরে এ! ইপানদা হল্লকতুনা লৈব। ইপামগী মীরা—মীশা তাদুনা লৈব হংলকত্রদুনা, অসদা চেনলক্লিসিনি।

—নত্তে নত্তে লতা রাথল অদু ওল্লরে। নহাক হল্লো। মতম কুইনা মীগী মুপী ওইদুনা লৈকরবা নংবু ঐনা লৌশিনবা ঙমলোই। [মতাং অদু যৌরকপদ; ঙসাইমথৈ রারি তাদুনা লৈরম্বী লিনিদু পুমঙক ঙকখে। লৈযনবা লতাদা মুগ্না যেংলকই]

—থম্মোই কনবীগনু ঐনা ইপামদা হল্লকখুনা লৈরিব কনা মঙ্গুংলাংগীনো? নত্তে নদা ঐনা চেল্লুই, হাযবগী ম ইযাকতগী ঐনা রাব নত্রা?

—অদু ওইবসনু। নংদি করিগী দিল্লোদা লুংগোংলুরি?

—হাযবিরিব রাকম অদুগী অফ ফত্ত অমম্ত' মঙ্গুংগী সেন্স্ অদোমদি এম—এ নি; খঙ্গবিযু।

—চামরক থম্বরে! চংখে্‌—চংলু। মফম'সিদা নংনা লৈব রারোই। মফম অসিদি মাংখ্রব মফমনি। অদুগা নমাংদ লৈরিবা

মুগী অদু ঐগী কনা নত্তে। যেক্ল ল্যানক্লবদা মোংশাঙ্গম থৌকা ফরবী, লতাদু মমাংমক্ত লেপলিবী, অদুবু উবদা অমগুং মহাকনা য়ানা তাম্ভকরকপ মনিবু, মীনা হায়া কংখিরব উবদা অমদি মীগী গুইগ্রব পোৎপ্, মীগী মপুক মুংগাইতব খোকহল্লিংদবনা, থোৎস-নৌরবী লৈবাকলৈনা কালেম্বানী অয়াকপা মুংশাদা, লৈরাং-লৈনা ভেকথনা থাংবগুম, ইমুং অদুগী ফক্লং অদুদা গুারগা মমায় উপ-শিন্দুনা কপ্তুনা লৈখ্রে। লত্তাগী অরাব মতৌ অদু উবদা, থম্মোই নৌজ্ঞরবী, পুকচেল চাউরবী লিনিগী মথম্মোইদি পুব গুমলক্তে। মহাক্না আলিমদা য়ানা হায়জ্ঞরকই।

—ইবুংঙো! অযম্বা মীগী মতৌ মাল্লি। চংক্তরকপ মীবু কনবীহে!

—নহাক্লবু য়ানিংত্রা? ঐগী য়াদি কৈন্থ লৈত্তে। নংগী খুর্সী ত্তৌ।

[মরক অমদা আলিম্না লতাগা পুংশিনরিবৈকরক মকাকনা লিনিবু থওইখিদে। অদুবু মহাকনা লতাবু কংহৌত্রবদা ইকাই খাংদগী লিনিদা অমুক চংজতুনা লিনিবু লুহোংহনা লৌব ত খি। মরম অদুদগী মহাকনা লিনিবু ৮সিফাওবদা য়াম্না ইকাই—খুম্নরা লৈরক্লিবনি]

অদুদগী মহাক্না কপলিবী লত্তাবু, কপকমুনে অপংবী কন্নিগী কপলিনো? [মথাদা চেৎনা কোনশিনবীদুনা, কারবা লত্তাগী মশম—মনা শেমজিন—শাজিনবীদুনা, লত্তাগী নমদা ত্তপ্পা ত্তপ্পা নানবিরমই] অদুদগী সে লাওসে, মুমিৎ ত্তারক্রে। চাক—

ইশিংহুম থোংদোক্লগা চাথোকুনা ইচিন—ইনাও মুংঙাইনা জগোই ইশৈংহুম তৌসি।

অসুম্না লতানা আলিমগী মকমদা চংজহুনা লৈব থা অমরোম হেন্নক্লবগী নোংম মুমিত্তুদা আলিদ্না খবর অমদ। অঙকপ পাও অম থেংনখি!

"পুলিশ এস আই অম শিরে।"

ওরাং মুমিদাংবাই পুং নিপালমুক তারকপদা থাঙ্গাল বাজারদা লৈবা সেংথোথাংগী মুগী দুকান অমদা, গুন্দা খরনা হোটেল অহুগী মেনেজরদা শেল মুম্নবা হোৎনরিঙৈদা, মকম অতুরাইদা লৈরম্বা পলিশ এস আই অমনে কনস্টেবল ২ নে মথোম্না গুন্দাশিং অহুব কাননবা হোৎনক্লবদা, গুন্দাশিং অহুনা পিস্তোলনা কাপলমহুনা পুলিশ অম শিবে হায়রি। শিএবা পুলিশ অহুগী মমিংনা দিল্লো কৌই। মহাক্না থোনা ফনা শিখিবগীদমক, মহাকী ইমুং মন্নুংহুদা পেন্সন পিগনি অমসুং Police winner medal পিহুনা মহাকপু ইকাই খুম্নবা উৎকনি হায়না সরকারগী মচিন চৎপা মীওই অমনা হায়রি।

রিপোর্টর

পাও অহু ফংবদা মহাক য়াম্না বারম্মী। অমসুং ময়াম্বা থোক্লবা অমদি কনা—কত্তে হায়হুনসু ফৎথ্রিব মহাকবু পুন্সিদা অমুক হন্না উনররোইকো হায়না খল্লুবদা মমিত্তগী মপি ভাখিব খংহৌরমদে। লত্তাদা পাও অসি তম্মগে হাক্লনা লতাবু থিক্লক-পদা লতাদি লোশী পাৎকী মপান্দূদা লেপলহুনা লৈরম্মী।

হুমিদাংরাইরমগী মতমছুদা হৈনম—লৈনম পুরবা কণ্ডাওন—লিরি মালংবনা হুজা শমাং রাইরাইনা, চীংরা—তমরা চীং—মান অপুব ঙাওানরবা মচুনা শুমহৎন শকওন পুরবী নিংথিরব খিবিক কয়া অহুবু য়েংহুনা তুমিন লেপলি। লৌশীপাৎকী লুর—লাইজগী থম্বো—থম্বাল মরক্তুদা চাক্তারিবী ঙান্নু—থঙ্গোং, লম ঙাহ্নু লমগী চেক্লা ওইবী উখুম—উমু—উয়োক—ৱাইমুনচিংব মহৌশাগী চেক্লা কয়া কয়ানা পাক—চাওরবা পাৎতুগী মচি—মচি খুদিংদ চেক্লাগী মপৈ—মপৈন নিংতম্না চাক্তাদুনা লৈরিয়—পুম্নমক অদুবু উরুবদা অঙ্গখা নিংথিব কয়া অহুনা মুজা পুক্নিং হুংঙোনহল্লে। চেক্লা চাশিংদুদা মিৎ কুপ্তুনা য়েংদুনা অশাব মুঙ্গিগুম মুজা তুমিন লেপলি। মখোঙ—মখুৎ, হকচাংগী ফীবম অমদা লেং—খোৎ-খিত্রে। তৌইশুব্বসুং নিংথিরব মুজাগী হকচাংদা কণ্ডাওন লিরি মালংবনা তাংথক—তাংথক নাইনা য়ৈরকপদা, অশাব লাইথিদা মশম—মনা ফি-ৱোল শেৎচিপ্পীহুনা লৈতেংবীবগুম, মুজা শম-লাংদুদদি নাপ—য়ৈনা হাংল মালংদা মুর শমলাং মপৈনা তাংজ লিনহাগুম, চোইজাইননা হাই—হুমলি। অম্মুম্না ঙাইহাক য়েং-হুনা লৈরম্বদগী, চাগী পোলাং মঙ্গুংদা রাওরিবা ফিহুপ মচা অহুদগী উচেক লৈচিল্লাও মচা অমথক লোথোক্লদুনা, উচেক অদুবু মথাদা কোনশিন্দুনা হয়া হয়া নানবিরহুনা অম্মুম্না হাযরকই। নপীঙ্গা নচিন—ননাও শঙ্গুবক্তগী চিথহৌরবী অৱা—লাঙ্গোয় চল্লুরবী চেক্লাও—অপিশক- ঙসিদি নংবু থাদোকপিরগেকো ইচেমনা। ইচেমসু মতম অমদা নংগুম্না রাজরম্মী। অদুদি পাইয়োকো

ইচেম য়েগে। অসি হায়ন্না উচেকমচা অহবু নোংদোন জমনা চুনকৎলি। উচেক মচা অহুনা হয়াওরদুনা, কল্লব কুংশিং মরক্ত পাইব হৈৎগুম—হৈতবগুম পাইদুনা উমং লাম্না পাইশিনখিবচু মিং কুপ্তনা য়েংক্লরি। [তোবদদি উচেক মচা অসি মখোয় মুমগী হৈখা মপান্দগী হোদোং মপীন। ফ বগা মচাশিংগী মমাংদা থাদোকলগা শাম্লদুনা লৈরম্বদুদা, মহাক্লা মুন্থোক্লনা মফম অসিদা পুন্নকপনি]

উচেক অহুনা পাইখিব মাইকৈ তম্না যেংদুনা মীপোং কনা লৈতে খন্দুনা, হয়াওনা মেমোন নোকতুনা ইশৈ শক্লকই।

হা চেক্লা,
হা চেক্লাও চেক্লা চেক্লা'
হা চেক্লা,
উমং লাম্না লাম্না, পাইরোকো পাইরোকো
হাংল' মালংলা, শংল' অতিয়া মকোইদা
হু শি মাবু যেংদুনা চাম্ল মাবু ভাইদুনা
চেক্লা ননিং তম্না, পাইরোকো পাইরোকো।
থাদোকপিরগে চসিদগী, নখোঙ ঝিঞ্জুব।
হাংদোকপিরগে লাওনা, বনগী থেঙ।
লোংবী কৈরাং চাতুনা, তমগী লৈরাং যেংদুনা।
মুংশি মাইকৈ তামলোকো, তামলোকো।

বা! বা! শেৎলেক্তে। মনকেসগর; লভা মনকেসগর! ভসাইমথৈ লুমহুনা তারিবা আলিম্না লাওরকই। মহাকবু উবদা

লতাচ্ছু ইকাইরক্লনা, ইসং তজরেদা। মখুৎনা মখুৎ পাররক্লনা থংকম—কমথক্লনা, ইকাই-নুংশি য়াম্মনা ফিজিনা মমার খুমজিন্দুনা থিক্—থিক্ নোকলি। অক্লদগী আলিম্বু মুম্না য়েংক্লনা; কৈদোঁব লাকলিনো ?

—পাও অম তমগে খন্দুনা, নংবু থিরকপনি।

—করি পাও ? [চক্লবনা পীগুম থেকত্তুনা হংই]

আলিম্না পাও অচু তথ তথায় চল্লকপদা,

—শিৎদোকও ! অচুম্বা বা তাংমু'সিরাইদা।

[শাওনা মখুৎ অনিনা মনা চেৎনা য়েনশিল্লি]

আলিমনা মখা তানা অমুক তমথগে তৌরকপদা, চোং-শিল্লকুনা মখুৎতোম্বীনা আলিমগী মচিন্দা কিৎ নমমগা "Stop mouth" হায়রদি ঐ ইশিংদা, চোংশিন্দুনা শিরনি।

[পাৎকী ইশিংচুদা চোংথগে তোই]

আলিমনা পাখৎনা মখুৎ পায়দুনা খ যান—য়ানলগা, হয়ে ! নুংশিথোইবী। ফমরেৎ—ফমথরক মখুৎমা মথবাক য়ৈরদুনা "নং নৈত্রদি ঐদি কনাগা নৈহৌদোনো ইবেমা, ইবেমা" মখোল চিংথরক্লনা কপখৎলকই। মহাক্কী মশমদা লতানা তপ্না নানক্লিরদুনা থেমলকই। কপলম্বুও কপলম্বুও, ঐ শিররোইয়ে—শিররে ই। আলিমনা তোকও য়াত্রবদা, মহাকবু কোনশিন্দুনা, মহাক্কী মথাদা মমায় মচা অদুনা শ্রু শ্রু নৈশিন্দুনা হায়রকই। সে ! থিক তোক্লোসে, তোক্লোমি। ঐ শিররে ইঅবা—শিররোইঅবা ! [থাং-চমদবগী মতোগুম মখুৎ মচা অনিতনা আলিমগী খজাই চুবা

অনিদা এঙক এঙক তকশিল্লকই] উম য়াম—য়াত্রবদি, ঐ অমুক হয়া শিখিনি। [ফুক হৌগৎকে ভৌই] আলিয়া লতাগী মখুৎ পারক্তনা খংচিং—চিংথরগা, খংনোক নোক্লদুনা, ভাপ কোনশিল্লি। অতুদগী লতাগী চে'ন—চোয় ভক্তাংলব মথক্তাই অদুদা অমুকং থোইথুমননা চুপ লাওনা চুপই। [লমহাংনি য়াম্না চুপলদি কররোই, হায়রিমায়ে]

নুমিত্তুগী মতু' মেরা রাঙ্গংবনী নুমিত্তা, মখোয় অনি ইন্ফালদা লাক্নুনা নো'ম'তুম চারমলগা, নুমিৎদাংবাইরমহুদা ময়ুমলে মদা হ য-থরক্লে। মখোয় অনি মহৈ—মহৈ বা ঙাংনদে। তুমিন্না চীকপক —চীকপক্লা অসুম মচৎলি

লখী অসুম চৎনা—চৎনা, অচিকপদু থুগায়হুনা আলিমনা "মতম কুইনা লোত্তুনা লেখ্রব মমাংগী হৌঙ্ব' বারিশিং" অদুবু হৌজিক্তা কোং- কো' শানা হায়রকই।

—ইস! লক্তা। ঐদি নিংঙমখিদ্রেদা।

—ক'রবু? [ঙক্লপনা]

—মফম খংদ পুক্তি লোইশ্রবা মাঙ্গদা'

[নো'কনিংওই—করিবোই তৌনা আ॥লমনা হায়রমই]

—উম! চন্দাল নং হৌজরক্তনু। [ঙাইহাক ঙক্লমবদগী ভাব্ ভারকতুনা আলিমগী মননগন্দা থুংতুম্না তোক—তোক শুই] অতুদগী খংশাও—শাওরকতুনা হোঞ্র, অঞা—নু াই বারিশিং অদুবু নিংশিং—নিংশিংনা মমিত্তা মপি তপ তপ ত'না কপলকই। কপ্না কপ্না আলিমদা শাওরংননা য়েংলকই। আলিমগী মতা করবা

নিংখিজরবা মায়খোং অহুনা "কাগি তৌবনে হায়বগী মতাগুম যোমোন যোমোন নোক্লহুনা লৈরম্বহু উবদা, মহাকম্ন অরাব অহু খংহন – হন্নোকখিহুন, খংহৌদনা—নোক্লকই। মমিত্তগী তারকপ পিগী মরিক অম—অনিনা, তাখিবম্ন ৬মদনা, চিখান মথকতা তনিক–তনিক্লহুন। লৈরি। আলিম্না নাকন্দা হূৎ লৈখৎহুনা লতাবু য়েংলগা, হাইমা নোকপু নোকলিমাক্লেনহে। ঐদি কম্নত্রা হায়বু।

—নোক্কে কৈস্ন; নমিৎহু য়েংলকম্ন। খুৎহুম্না হেক শুদেকনি নং [কিজিনা মমায় খুমজিল্লি। অহুদগীদি নোকনিংব অহু খাংব ৬য়ক্লহুনা থিক–থিকনা নোকখৎলকই]

—নোকপিয়ু নোকপিয়ু। হায়নদাইদো কবিনা কপ্প–নোকপ মচিন—মনাওনি।

- হোই হোই। প্রমানবালা।

অম্নম্না মখোয় অনিনা অরা–হুংশি ব্বারিনা মুন্দুনা লাকপনা খংহৌদনা ময়ুম য়ে বক্লে, মুমিৎহুগী মুমিদাং পুং ৬ মুক তাবগী অহুদা, রায়ুংবগী লৈশাবী—পাখং মরাম খাবল চোংলহুনা লৈরম্মী। আলিমহু চাক পরপ পরপনা চাখোক্লগা ফি–রোল নান্না শেৎ-কৎলহুনা খাবল চোংলুনি হায়হুনা শেম–শাগৎলকই। মত্তৌহু উবদা লিনিনা য়ে। তাইবুংও খাবল চোংব লেংশিকদৌবিবা হায়হুরা, তৌবিরিদুবো ?

মচেমগী রাজ লতানা তাপ ওকলগা "৬সাই মেমচান। লাকও হায়হৌবনিনে"।

—য়ে। থঙবিজেক্তা। হাইাকপনোক—নোকপি। কপখোমে অমুকস্তু য়েংগ্লেনে,, ঙসাক্তখোনা। ঙরাং মুংশাংনা মরোল অম। —কপগেন্নে। [শাওনা খোন চিংথনা]

—ঙরাংগীদো—ঙরাংগীদো!

—য়েঁ—য়েঁ।

লত্তানে মচেমনে মথোয় অনি অহুম পুন্না থাবল য়েংবা থোরকই। চাওথ্রব লম্পক অতুদা মপুং—মরেপ ফারবা পাখং লৈশাবীশিংনা থাবল সুংজইনা চোংলমই। থাবল চেংব অদুনা লত্তানা অম্মম য়েংলকপদা পাখং মচা অমনা লৈশাবী অমদা করি—করিনো রা—অম—অনি থাবল চোংনা চোংনা লোল্লবনা হায়রমই। মতুদা লৈশাবী মচা অহনা তুকচ্চরব তৌনা মমায় অদু শুগৎলগা লৈথোকতুনা কলমই। মতু হেক উকবদ, মহাকস্তু করিনো অম খাঁনিং—নিংশিংলকই! মতম অমদা হায়বদি মহাক্না লৈশাবী ওইরিঙৈদা, মালানা তমলকপ পাও অমদা মহাকস্তু হায়রিব লৈশাবীমচা অসিগা মাল্লন্না নেংকখি। মহাক্না নোকখিব অত্তগী মরমদি অসিনি। মতম অহদা মালানা হায়, "লত্তা নংবুনে, ঐখোয় ওঝা আলিম মগী ওইজগে হাপতুনা কবোক—হৈবোক কততুনা, কৈথেল লাইরেম্বী ইমাসে অনিদনে খুদমমে হায়রম্বে। অতুগা অমুম্মম্ব রাশকততুনা হয়যেয়ে। মতুদি ইমা ঐনা লত্তাবু পুন্সিগী কংজ ঙমদ্রদি, ঐনা কংখিবা কবোক—হৈবোকী নয়াঃ ২৭ অসি হয়ীবুকো হয়যেনে! আলিমগী ভত্র রাশকু ভাবদা

মহাক্লা হরাওবোই—ইকাইবোই তৌদুনা য়ামনা তম্ম মশিং উইশিন্দুনা মোমোন নোকচখি

পাবিরিবশিং ! মতাং অসিদা ঐখোয়না থেংনবিরে ! "আলিম্না লতাদা শকখি হায়ব য়াশক্তু" অদুগা লতানা অমুব খক হার্ট এটেক্ত ওইরিঙৈ মতাংদা মুপীমচা অমখক করিগুম্বা পাও অম তমগদবগী হোবে—হোবেনা চেল্লকখিবা মুপীমচা অদু অতৈ নংখিদে মালা মশামক্লি।

থাবল লোইরকপগা লোয়ননা; য়াম্নেং অসিস্তু মতাং অসিদা লোইশিঞ্জরে।

THE END

সিনিমা লোয়রহুনা National anthem শক্লকই। ঐখোয় পুম্নমক লেপখওুনা ভারত জাতিগী ইশৈবু ইকাই খুম্নবা উৎলি।

জন-গণ-মন- অধিনায়ক জয় হে
ভারত-ভাগ্য বিধাতা
পঞ্জাব-সিন্ধু-গুজরাত-মারাঠা,
দ্রাবিড় উৎকল-বঙ্গ
বিন্ধ্য-হিমাচল-যমুনা গঙ্গা
উচ্ছল-জলধি-তরঙ্গ
তব শুভ নামে জাগে
তব-শুভ আশিষ মাঙ্গে
গাহে তব জয়-গাথা
জন গণ-মঙ্গল দায়ক জয় হে
ভারত-ভাগ্য-বিধাতা
জয়হে, জয়হে, জয়হে
জয় জয় জয় জয়হে।